

নুবাংলোন খোংজুল

মণিপুর ষ্টেট আর্কাইভস
ডাইরেক্টোরেৎ ওফ আর্ট এণ্ড কলচর
গোভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর
কৈশামপাৎ, ইম্ফাল।

লুব্রাংলোন খোঙ্গুল

মণিপুব ষ্টেট আর্কাইভস
ডাইবেক্টোবেৎ ওফ আর্ট এণ্ড কলচর
গোভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুব
কৈশামপাৎ, ইম্ফাল।

অফোঙবা ঃ মণিপুব ষ্টেট আর্কাইভস
ডাইবেক্টোবেৎ ওফ আর্ট এণ্ড কলচব
গোভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুব
কৈশামপাৎ, ইম্ফাল।

ফোঙবা মতম ২০১৩ ইং

মমল লুপা ২০০/-

লাইবিক নম্ফম ঃ য়ু. কে. প্রিন্টর্স
কংলাপার্ক , ইম্ফাল

লাইবিক্কী মরমদা ব্রারোল খরা

মনিপুব ষ্টেট আর্কাইভসনা বেকোর্দ দোনেট তৌবীবকপা মযামগী মনুংদা বিছার্স স্কোলবশিংনা থিজিনবদা অমদি নৈনবদা হেন্না খুদোং চানবগীদমক গাইদ শেমদুনা (লাইবিক ওইনা) স্কোলবশিংদা ফংহনবা ঙম্নবগী পান্দমদ। অহানবদা ঐখোযনা মনিপুবগী শক্লাইববা মীযাম্না বি কোম সনা হাযনা শকখঙনবা লৈখিদ্রবা বাজকুমাব স্নাহলনা খোমজিঞ্জবম্বা তাঙলবা বেকোর্দ/মেন্যুস্ক্রিপ্টস/দোকুমেন্ট/বুক্সনর্চিংবা কযা অমবু মচাইবেম্মা আব কে তম্ফাম্না অমদি লৈখিদ্রবা মচা ইবুঙো আব কে জযন্তকুমাব অনীনা মনিপুব ষ্টেট আর্কাইভসতা তুংগী মীবোলগীদমক যেংবিদুনা খূৎশিন্নবিবকখি। খূৎশিন্নবিবকপা বেকোর্দ/দোকুমেন্টশিং অদুবু ঐখোযনা যাম্না শম্না থনগৎচবগা স্কোলবশিংগীদমক যেংলগা গাইদ শেমজখি। মথংদা অনীশুবা ভোলুম ওইনা ঐখোযনা মীযাম্নাদি ঐজ্ঞা বি বি শর্ম্মা হাযনা খঙনবা লৈখিদ্রবা শঙলাকপম ব্রজবিহাবি শর্ম্মা অমদি লৈখিদ্রবা ঐজ্ঞা ব্রজবিহাবিগী মযাম্বনা খোমজিনবিবম্বা বেকোর্দ/বুক্স কযা অমসু আর্কাইভসতা খূৎশিন্নবিবকপদগী অনীশুবা ওইনা ভোলুম টু অমসুং লাইবিক মযামশিং অদুগী শূপচিল্লগা কম্প্যুটবাইজ ইন্দেক্স ১৯৫০ দগী ১৯৮৩ ফাওবগী পুথোকচদুনা লাক্নি। অসুম্না বেকোর্দ/দোকুমেন্ট/বুক্স কযাগী গাইদ শেন্নবগী মতুংদা আর্কাইভসতা অবিবা মেন্যুস্ক্রিপ্ট (পুযা) ওইনা দোনেট তৌবিবকপশিংগী মবক্তগী অহানবা ওইনা পুযাবু মীযাম্না নৈনবদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক এযবপোর্ট বোদতা লৈবা পুকচেল চাউববা ওঝা

লাইশ্রম কেবানি মৈতৈ (চিংলেম্বা), মেম্বর লাইযিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দ, সঙাইপবৌদা লৈবনা পুযা লাইবিক ১৯ খক মনিপুর ষ্টেট আর্কাইভসতা থৃৎশিন্নবিবকখি। হায়বিবা পুযাশিং অদুগী মবক্তগী লাইবিক ওইনা পুথোকপা যাবা যেংজবগা ''লুরাংলোন খোঙ্গুল'' হাযবা পুজা অসি লৌখৎচৈ। হায়বিবা লুরাংলোন খোঙ্গুল হাযবা পুযা অসিবু বেঙ্গলি মযেক অমদি হৌজিক্কী মতমগী ইয়েক্তা অমসুং মশাগী লৈজবম্বা মযেক অদুবু কাযহন্দনা পীক্লবসু পীক্লা লাইবিক অসি মীয়ামদা যেংহঞ্জনিংবা /যৌহঞ্জনিংমনবদগী অহানবা ওইনা পুথোকচবনি। মনিপুর ষ্টেট আর্কাইভসতা মেন্যুস্ক্রিপ্ট দোনেট তৌবিবকপা পৃকচেল চাউববা-চাউববী কযা অমসু লৈবি অদুবু দোনেট তৌবিবক্লিবা লাইবিক (মেন্যুস্ক্রিপ্ট)শিং অযাম্বনা লাইবিক ওইনা পুথোকপদা খুদোংচাদবা হাযবদি লাইবিকশিং অসিদা অহানবগী লমায/ মকোক যাওবমদবা মযায চবুক্তা চেনা লৈবম্বা, অবোইবা অমসুং অহৌবা যাওবমদবা, চেনা মশীং খব-খবদং পানবা, অযাম্বনা যাদু, মন্ত্র, লাইরা-তীনরা ওইনা তৌবা লাইবিক্লা অযাম্বা ওইনা তৌবনা মবম ওইদুনা লাইবিক ওইনা পুথোক্লবা হোৎনবদা খুদোং চাদবা অমদুমক মাযোক্লে। খুদোং চাদবা কযা মাযোক্লববসু ঐখোযনা অঙম্বা হোৎনজদুনা মথং মথং অহান অকোন নাইনা পুথোকচগে হাযর্বসি মনিপুর ষ্টেট আর্কাইভসকী অচেৎপা পান্দম ওইনা থমজবগা অহানবগী ওইনা লুরাংলোন খোঙ্গুল হাযবা লাইবিক অসি পুথোক্লবা হোৎনজবনি।

কে সুশিলা

দিপ্যুটি দাইরিক্তেব,

মনিপুর ষ্টেট আর্কাইভস, মনিপুর।

যাওফম তাকপা

---

*হয়া হে, হে খোইমোম লাইযিংথৌ। কোবৌ অৱাংবা নোংনেমথক্কি মালেম তম্পাক অনেম্বা লৈনেমথক্কি চীংঙু ইতাও লাইনা খাইবপুংনে। অযাঙবনা খাইবপুংনে। খোইদোম[1] লাইনা খাইবপুংনে, মান্দোম[2] লাইনা খাইবপুংনে। ৱাইকোক সাবিবা ফুমং সাযেংবা তেৎনা যেল্লে থিনবা, মুংখা সমজিন কাপুক মাযবোযনবা, খোম্বু তুংইন্নবনা ৱাংথং মাযবোযনবনা খাইবপুংনে। লাবা সমজিন

হয়া - তেংবানবদা লৈবিবা থৱায় পানবা পুম্বগী মমা। খোইমোম - লাই। কোবৌ অৱাংবা নেংমদোন। নোংনেমথক্কি অনেম্বে নোংগী মথক। মালেম - লৈপাক, পৃথিবী। লৈনেমথক - লৈপাক মথক। চীংঙু - লাই। ইতাও - মরুপ, তিন্নবা মী। খাইবপুংনে হাইবদা পংনে। সমজিন-কোক্ত চিন্নবা, হেৎনবা লৈতেং। মাযবোযনবা - মায ওনসিনবা। তুংইন্নবা তুংন ইন্নবা। লাবা অমোম নত্তবা, নিপা, হেৎকী লমদাং ওইবা।

---

১ খোইদোম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা যোকচবি লিক্লাবিচা নোংদম্বু কোকপনি। লিক্লাবিচা নোংদম্বু অঙোম সলাইগী পুকেক চীংৱাংলক্কি পুবৈবেম্মনি লুকি মচামচা মনুংদা অনীসুবী নুপীনি। চীংৱাংলক্কি পুবৈবেম্মনা লুৱাংচীংগী কোনুং ওইদুনা লৈবা লুৱাং নিংথৌ পুক্কিবগী মমেম্লোন লিক্লাবিচা নোংদম্বু তেংবা ইদুনা হাইদোক্লে পোকখি। পুবৈবেম্মগী মচা ওইবা মবম্বু অঙোম সলাইনা তেন্দুনা [illegible] হযনা হঙনখি। খোইদোমগী চন্দা নাউদুনা হুরোই হাওবা লম্লোংনা [illegible] তম্বা সলাই লৈপাক অমা ওইনা হৎকন পাংগন্না পান্নখি। [illegible] মমিং চৎখিবা অমদি খাইদগী মপাঙ্গন কন্নখিবা নিংথৌনি ফান্তেক [illegible] সোক্লাইবনা খুমন নিংথৌ চীংখোঙ থোঙ্গ্রাইববু হাৎনবা হোৎনবদা মরম [illegible] চীংখোঙ থোঙ্গ্রাইবনা ফান্তেক সোক্লাইবগী মথক্তা লান্দাদুনা ফান্তেক [illegible] পীদুনা ফান্তেক কাঙলুপকি মনীং মখা তম্বা মাঙখি।

২ মান্দোম - লিক্লাবিচা নোংদম্বুনা পোকপা খোইদোমগী পোকমিন্নবা [illegible]। [illegible] খোইদোম্বা অঙোম সলাইদা তিনহ্রবসু মান্দোমদি লুৱাং সলাই ওইদুনা [illegible]। মহাক্না চাউবক্লবা মতমদা লোকখা হাওথাগী লম হাযবদি শুগুগী লমদম [illegible] মহাক্কি চাদা নাউদানা লেবা খোংনাং হাযবা মীওই কাঙলুপ ওইখি।

কাপুক মাযবোযনবা মপল পলেম মমা লিক্লাবিচা 'নোংদম্মু'[১] থৌতিকখোনগী মপল পিথেৎ চঙগে চঙঙমদে, মদু পিদাই কাঙগে কাঙঙমদবনা উমি খৃৎতা সৃ, সীংকাঙ নামৈ যেপপা, চীংথাং খুযোনথিবনা খাইবপংনে। চীংথাং লালনে থাংখু লালনে, থাঙলেন লালনে, লম্লেন লোনলোয লৌচীংথাং চীংথাং থাংলংমৈ, খুবোইবা তুনুংসি, খুযোন ফৈতং লৌ, খোইমোম লাই পুন্সি, থংবি চীংমাবী, কেগে খোইযাঙবা লৈতেমপান্দা নোংগাবনা মপলনা কাবিবম, মদুনা কুবিবম, লীৱানা পুবিচীং, লোংঙানা তাউবিচীং. অঙৌবা চীংৱাংলক্লি পুবৈবোম্বা[২] খুযোনৱায, চীংথং থাংলংমৈনে।

মাযবোযনবা - মাযযোক্লবা। মপল - মমা। পলেম - মমা। থৌতিকখোন - পাউতাক, যাথং, থৌদাবা। পিথেৎ চঙবা - মমাঙ থাবা। মদু-মবুং, মৌপ্পা। পিদাই কাঙবা মনীংদা লৈবা। খৃৎতসু- খুৎতা পাযদুনা। চীংথাঙ - চীং অমা, চীংথাঙ চীং। খুযোনথিবা খুদি থিবা। খাইবপং - খাইবিবা পং, খাইবিবা মফম। লম্লেন - লম, মফম। লোনলোয - মনপগী লোঙ্ডাপ থংবদা লৈবা লম। খুবোইবা - খুবোইগী লমদা লৈবা মী। তুনুংসি - নুংশিবা মত। খুযোন মোইরাংগী লম অমা। খোইমোম লাই। চীংমাবী চীংগী মপু ওইবী। কেগে - মইবংগী লম অমা। নোংগাবা - শিবা। মপল - মপা, মমা। কাবিবম - লৌথোকপা লম। কুবিবম পীবিবা লম। অঙৌবা - অঙোম যেক ওইবা। খুযোনৱায খুযোনগী মফম।

১ লিক্লাবিচা নোংদম্মু - নোংপোক নিংথৌ অমসুং পাংখুবা মনাগী মচানুপী, পান্থোইবীন খাবা মরানযাবা থাদোক্লম্লগা নোংপোক নাং[illegible] লৈবনা চেল্লপদ লাঙ্গোল চীংগী সেযনা অহিং লৈরমঙদা পোক্লমদা তন্দোক্লম্লগা। [illegible] পাক্লবনা লাই খুন্দন চৎলুবগা হল্লকপদা থেংনবদা খুঙ্গং পুনক্লগা মত পাকপদা নুংশি নিংথৌ পুক্লবগী নপী হওসিযং পুযাংবা চনুদা পীদুনা মচা সবুং যোকহনখ্রে। লিক্লাবিচা নোংদম্মুগী হ চেন্না ফজবগী পান্ডা তাবদা অঙোম সলাইগা পুকোক চীংৱাংলক্লি পুবৈবোম্বনা তাদুনা লিক্লাবিচা নোংদম্মুগী হঞ্জবা মসক যেংদুনা লাকপদগী মহেক অনী নুংশিনদুনা, তাংবাইদুনা লৌবগা এতোনপা খোইদোম পোকখি

২ চীংৱাংলক্লি পুবৈবোম্বা মৈতৈগী সলাই তরেৎকি মনং চনবা অঙোম সলাইগী পুকোক্লি। লাইবেললোনগী কোসৈবেলনা লাইযেক লাইখোং চনু পান্নবগা কুপত্রেংগা সেম্ভ্রেংগা অনি পোক্লগা সেম্ভ্রেংনা নিংথৌজা সলাই ওইখ্রগা কুপত্রেংনা অঙোম ওইদুনা চীংৱাংলক্লি পুবৈবোম্বা পোকখি। চীংৱাংলক্লি পুবৈবোম্বনা তাওনিংসং নুবৈসংবীনে নিক্লাবিনা নোংদম্মুনে পিথেৎলৈমা লৈতৌ নিংথৌ চনুনে নুপী অহুম পান্নবগা অহুমশুবি নুপী পিথেৎলৈমা লৈহৌনিংথৌ চনুনা খাংহন অহনবা, খাং যাইমবা অমদি খম্মুং ইৱাইথং পোকখি। খাংহন অহনবগী চাদা নাউদাশিংনা সেল্লোই লংমাই চীংদা সেল্লোই লংমাই কৌনা নিংথৌ ওইদুনা পালহৌবগা অতোম্বা খম্মুং ইৱাইথংগী চাদা নাউদাশিংনা তুবেল ৱাংমা অঙৌপাম্বা কৌনা অঙোম নিংথৌ ওইদুনা কংলৈ লৈতাক্লি চৈবাপ ৱাযেলশঙদা লাঙজৈ ফমদুনা লৈঙাক থৌগায তংখায পুদুনা লাকখি।

লম্লেন পেবে সাবে লালও কৌবদি কদৌনোংগীনো। তম্পা ৱাংঙম্লোন খাবি লেংনাউমোম্বী পাম্হোইবী[১], মপল হেন্না পালএ পাম্হোইবী, মদু থোইনা ৱাংবী ৱাঙম্লোন তম্পা পানবা ফাবি, ৱাংঙুম কৈবেন তোংবী, অঙৌবা মাঙহেন্নবী, অসিংবা তু ওইনবী, পুন্সিবা লৈবোং থেৎপী, ওইনম্বা খৃত্তা সৃবী, অথুম্বা নাক্তা থাবি, নোংচুপ মৈবা পোনচেনবী, মৈবী হানতোংবীনা। চকমোম খাম্বী মৈতান অবাববু সমু খৃত্তা থৃম্না পাযববু সাবে, সাবে-ও তৌনা কৌএ। খোইমোম তম্পা লাইবৈমনা মচীন মখা পেনা পেনা চংখিএ। অদুনোংগীবু পেবে সাবে লালও থোম্নেএ হাযদবৱা।

লাকচম ফিফৌলাল-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। হযিঙৈ লাইবেল মৈদিংঙু হোঙনেমযোই খুঞ্জাউনা[২] মবাল পামেল উ হোঙগে হাযবগীদমক

লম্লেন - লম। কদৌনোংগীনো - কদি মবমগীনো। ৱাংঙম্লেন - নিংথৌজ সলাইগী চনু নিংডেনবু তেংথবদা শীজিন্নবা মিং। মপল - মমা, মপা। মদু-মবুং, মৌপ্প। পানবা - কৈ। অঙৌবা - অঙোম যেক ওইবা। নোংচপ মৈবা পোনচেনবী - পাম্হোইবীগী অতোপ্পা মমিং। মৈবী হানতোংবী - মৈদা হান্না লৈবম্বি। চকমোম - চৈ। খাম্বী - মৈ। খোইমোম - লাই। লাইবৈম - লাই নুপী, লাইরেম্বী। অদুনোংগী - নুমিৎ অদুদগী। কদৌনোংগীনো - কদি মবমগীনো। হযিঙৈ - থামনা মমাঙৈ। লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ। মবাল - মযম, লৈমম। পামেল - উ

১ খাবি লেংনাউ মোম্বী পাম্হোইবী -লাইবেল তাউবোইনাই অমসুং লাই নমুংশী অনীনা পোকপিনি। পাম্হোইবীনা চাউরে মপা মবৈ ফাবক্লবদা কপ্লাদা পানবা কংলৈ লৈপাক মপু খাবা লৈরেংহনগী মচানিপা খবা তবম খোইনুচাগীদমক হাযনা-সীংনদুনা পাম্হোইবীবু লুহোংদুনা লৌখি। পাম্হোইবীনা খাবা মবানযাযদা যাঙ্গোইদুনা লৈববদা নোংপোক নিংথৌ কাইনৌ চীংসোম্বগা থেংনদুনা নুংসিনবকপদগী পাম্হোইবীনা খাবা মবানযায থাদোক্লম্লগা নোংপোক নিংথৌগা লোযনন চেনখ্রগা নোংমাইজিং চীংগী খলোংদা সুকুং মথক্তা নোংপোক নিংথৌ পাম্হোইবী তনীনা ফম্বান তোংলগা অঙোমগী লৈমরেম্বী ওইদুনা পানখি।

২ হোঙনেমযোই খুঞ্জাউ - খৃঃ ৬৬৩ দগী ৭৬৩ ফাওবা মৈতৈ নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈ মতমদা তান্না হোঙনেমযোই খুঞ্জাউ হাযনা কৌবম্মি। অঙাং ওইবিঙৈদা মপা ইবুংঙো মৈদিংঙু উবা কোম্হৌবগা খৎনবদগী সেল্লোই লংমাই চীংদা চেনখ্রগা সেল্লোই লংমাই নিংঙোল সেল্লোই লংমাই নিংথৌ ৱামৈ লাম্হাবগী মচানুপী নোংমাইনু পেতঙঙা লিক্লু লৌথিবী লৌবগা যাওঙ ইন্দুনা লৈখি। নোংমা সেল্লোই লংমাইশিংনা লাঙ্গোল চীংগী হাওকপ চীংশাংদা খুন্দাবা ফুনফম ঙাংচেংদা লান্দাকবগা হল্লকপদা মৈদিংঙু উবা কোম্হৌবনা লুমদুনা সেল্লোই লংমাইশিংবু ঙম্না হাংখি। থৌদোকসিগী মলোম্না সেল্লোই লংমাইশিংনা লমন খুম্বা ওইনা পেতঙঙা লিক্লু লৌথিবিদা য়াওঙ ইন্দুনা লৈবিবা হোঙনেমযোই খুঞ্জাউবু হাৎনবা হোৎনবকপদগী পেতঙঙাগী মবৌশিংনা মপুবোইবা হোঙনেমযোই খুঞ্জাউবু ফক্লাং হোগাযদুনা চেনহনখ্রগা মথৱায হিংহনখি।

তল্লা হোযথেম্বা, পামেল হোযযানববু লোইদাম থাবু সিবা, লাংহৈ কুম্বু ওল্লবনিগীনা চৈবৈ মৱাক চামলে। অদুগীবু লাকচমও থোন্নৈএ। মাল্লৌ ফিবাল কুম্নবা ফিবু লাইজা ঈদা সূনা ফৌবমএ। অদুনোংগীবু ফিফৌও কৌববু পোইবৈ তাবা থিবনা লাকচম ফিফৌলাল- ও থোননৈএ।

নাৱা খোইমোম লাল-ও কৌর্বদি কদৌনোংগীনো। হযিঙৈদা যোইবু তম্পা লাইবেম্মা মৈবা পোনচেনবী[1] তুবি ঙাংযেক চনু তৌবা নোংদংলেংবিনা নাৱা ওইনা সানওনখিএ। অদুনোংগীবু নাৱালালও থোন্নৈএ। খোইযম লাইবু ওইনা লানখিএ। অদুনোংগীবু খোইমোমলালও তৌনা কৌএ হাযদববা।

হূইমাঙ হূইতান-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। হযিঙৈদা পথুপ নোংলোন নোংপা থাযান্না যাউবৌ সা নাবদা যাংলৈ তাউবা মহূইচা, নমু মীবোল সংসঙ থোকপা, লৌৱাই ইহন পাউহন হূই. সোংবু মনুংচঙবু কোযনা কোযনা তান্নৈএ হূইতানও থোন্নৈএ। যাংলৈ সাহূইথৌবু তিমেন মখূৎসূনা চৈপীবে। অদুনোংগীবু হূইমাঙ-ও তৌনা কৌএ।

কম্বোং থিংপা কৌবা মসোযফম, লম্লেন থিংবাপাৎ থিংবাখম থাঙঙা কম্বোং[2] কৌবদি মসোযমাঙ লম্লেন কোংবা পাৎনে। লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বা[3], তুবি তোংদোই তাংথবনা ওইনু সেংববাচা, চীংযায চাহুইবোং, সৱা নাউফংচা ফানপূংনে।

তল্লা - উ। হোযথেম্বা - য়াবো হাযনা থেম্বা। লোইদাম - থা। লাংহৈ - চহী। চৈবৈ - ফি। মৱাক চামলে - মন্নে। মাল্লৌ - ফি। লাইজদা - ঈশিন্দা। অদুনোংগীবু - নুমিৎ অদুদগী। পোইবৈ তাবা 'হৰ' পোইবৈ লমদ' লৈবা মী। নাৱা - অঙাং। খোইমোম - লাই। হযিঙৈদা - থাযনা মম ঙঙৈদা। যোইবু - যমথোন কবী নিংথৌগী মনাও ইবেম্মা। মৈবা পোনচেনবী - পাম্বোইবী। তুবি ঙাংযেক চনু - ৱাংঙম্লোন পাম্বোইবী। নাৱা - অঙাং। সানওনখিএ ওনখিএ, ওইখিএ। যাউবৌ সা। সা নাবদা সা তানবদা। যাংলৈ - হূই। তাউবা - হূই। নমু মী। মনুংচঙ খোযদাবা, নুংশিন তৌবা। তিমেন তা। মসোযফম - সোয নাপ্পা মফম। লম্লেন লম। লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ।

---

১ নোংচূপ মৈবা পোনচেনবী - ৱাংঙম্লোন পাম্বোইবীবু খঙনবা মহাক্লি অতোপ্পা মমিংনি।

২ থাঙঙ কম্বোং - মনিপুব পুৱাবীগী অঙনবা মতমগী মীওই কাঙলূপ অমনি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা লোইজিং সাবোনযাদা পানবা মঙাং কোনখুচাবু মার্যথিবা পীকবগা হল্লকপ লম্লীদা থাঙঙা কম্বোংশিংগী মথক্তা অমুক হন্না লান্দাদুনা থাঙঙা কম্বোংশিংবু মার্যথনা পীখি।

৩ মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বা - খৃ ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওবা পানখিবা মৈতৈ নিংথৌনি। মৈদিংঙু অসু যাম্বনা মৈতৈলৈমা চাংপোম্বী পান্নবগা পোকপনি। মৈদিংঙু খাগেম্বগী মমিং হাংদেম্বা কৌদ্রিঙৈ হান্না পোইবৈ নিংথৌহনবা সনা হিহোনহন কৌবম্মি।*

লম্লেন মদাইমা হাওবা লানসোম্বী[১] লোনলোয চাৱাযতা কৌবদি কদৌনোংগীনো। মযীম লোইবী মবেম্না থংলেন ইবিঙঙানা লোইজিং ইচীং কৃম্লকপা অসিবু ৱাযবা সাবু, হুযেন লানবু ওক্লগববা হাযনা সোল্লমএ। অদুনোংগীবু হাওবা লানসোম্বী-ও তৌনা কৌএ। লোইবী মথংলেন্না তিমেল মখূৎসূবু খূবাক তিল্লাই মেন্না চিংনা চিংনা চৎলকপবু মালেম নৈদা তাবমএ। অদুনোংগীবু লোনলোই চাৱাযতা-ও কৌএ। অদুসুঙ মদোমদে। কৌববেল

লম্লেন মদাইমা - অতোপ্পা লম অমা। লোনলোয - ইম্ফালগী নোংচূপ লমদা লৈবা মথম অমা। কদৌনোংগীনো কবিদগীনো। মযীম - মযূম। লোইবী চীং। থংলেন মৰ, মপুবোইবা। ইবিঙঙা - ইবানি। লোইজিং - মনিপুর তম্পাক্কি নোংচূপতা লৈবা চীংজাও অমা ইচীং ঐগী চীং। ৱাযবা সা। হুযেন লান। অদুনোংগীবু - নুমিৎ অদুদগী, লানসোম্বী - ইম্ফালগী নোংচূপ লমদা লৈবা লম অমা। মথংলেন - মাগী মরা, মপুবোইবা তিমেল তা। মখূৎসূ মানা পাযবা হূৎলাই। খূবাক তিল্লাই মেন্না - খূবাক্তা তিন থাক্লুনা মালেম লৈবাক। অদুসুঙ মদোমদে- অদুনসু লোইরি।

* এই ৱা হাগি মাযথিবা পীদুনা খাগিগী নিংথৌ চৌফা হোঙদৈ ফাখি। থৌদোকসিদগী খাগি ভূম্ম হাযদুনা খাগিঙম্বা -খাগেম্বা হাযনা মমিং ওনখি। খাগেম্বা নিংথৌগী সনা হক্তক্তা লৈপাক অসিদা অঙকপা ফংনা অওনবা অহোংবা পুবকহি। নিংথৌসিনা পানবা মতমদা লুহুপ উপ্পা, দোলাই তোংবা, সগোল কাংজৈ সান্নবা, কোযেৎ যেৎপা, নিংথৌবু লাইযিংথৌ কৌবা, লুপা লাংমৈ চিনবা, হীদাক থকপা, হীদাকফু থকপা, চিযাঙ্গে হি তোংবদা লাইগা নিংথৌগা হি তোংবা, কংলাগী যাঙদা মেইমীৎ যৈবা, লাইবিক তম্বা, খুকম্বনচিংবা হৌদোকখি। লোযননা লৈবাক্কি চাওখৎ থৌবাংগী লমদা কৈথেল তরা লিংখৎপা, যূম শাবদা সনা যুম্বী হাপ্পুনা যূম লাইখন তাবা হৌদোকপা, কংলাগী মখোঙ চেকপন্না কোযাশনবা, সঙ্গাই অৱাংবা শাবা, উত্রা সঙ্গাই শাবা [illegible] সানোংশনা লান লাকপদা লোযনবকপা পাঙন লীশিং অমা হাদুনা লৈলোইন হুন্দাহন্দুনা সনা কোনুংদা কাজি লোযসঙ লিংবনচিংবা লৈঙাক্লেন্দা অহে তরা [illegible] অওনবা কয়া পুবকহিকা নিংথৌনি।

১ লাঙ্গোম্বী- ইম্ফালনদগী নোংচূপলোমদা নিউ কাছাড লম্বীদা চ উবাক্লা কি মি নেপালনোম চৎলগা লৈবা লম অমনি। মৈতৈগী মী শিবগী বাংউলোন্দা অশিবগী থবাযনা ললাম্বুংগী কৈথেলদা ৱান্দেংখোইবী শিংজু চাবগা মথং মথং চৎখিদুনা খোঙঙাক অশিথেন্দা ঈশিং থক্তুনা পোথাবগা মথং অমুক খোঙহাম্পাৎতা খোঙ খৎ হাম্লগা মফি মবোন সুদোক্তুনা ফৌবগা মকোই নুংওন চীংদা ঈক শান্দেংলগা মপাম লমদমদা অমুক হনবা যাববোই থন্না মপাম লমদম্বু নুংশি নুংওন্না যেংলম্লগা অচৈ লম্বেলদা অমুক চৎখিদুনা লাঙ্গোম্বীগী লমযাযদা লমশাং চৎপগী ৱাববা চোকথববা থৱাযনা অৱা পোত্থাবমই। মথং অমুক চৎখিবনা অবোইবদা অশিবগী লাই খুমুং খোঙঙাবেনগী ফাংখোঙ পায়কই হাযবগী অচেৎপা থাজনবী লৈ। মবম অসিনা মৈতৈগী অমন শীংগুম্লোন্দা লাঙ্গোম্বী হায়বা মফমসি অমন শীংগুম্লোনগা মবী লৈনবা যাম্না মকওইবা মফম অমনি।

অঙাংঙানা[১] কেগে খুনগুন্নকপদা ৱাযবা সা, হুযেন লানবু ওক্লগববা সোন্না সোন্না চৎখিএ। অদুনোংগীবু লম্লেন হাওবা লানসোন্বী-ও থোন্নৈএ।

ৱাংঙম্লোন নাউবেমতোন্না[২] ৱাংগোল যাইবেন্নী যোইবেল সঙনামুংবু লনউন তানবীনা লাংগোই সাযাঙথক্তা চোযনৌ সনা সেকপিন খান্না মবাল নুহোঙ খোঙদোং লমনে। লাইবেল মৈদিংঙু কাইনৌ ইবেংবনা হাওথৈ সাখোন্না, মাম্থা লম লোকপদা নোংযাই খৈবোয পোনবিসু অথৌবা, হন্নু মযাই কা, কৌবোঙ পানবৈ নীক্লববু কাইনা হুল্লকএ। মৈদিংঙু নুংনাং তেলহৈবনা লানলোই

কেগে - মোইবাং, মোইবাংগী মোইবাং তুবেলগী নোংপোক থংবা লমশিং। ৱাযবা - সা। হুযেন - লান। অদুনোংগীবু - নুমিৎতুদগী। ৱাংঙম্লোন - নিংথৌজা সলাইগী চনু নিংঙোনশিংগী তেংথা। ৱাংগোল - চাবোকসঙ। যোযবেন [illegible] অমাইগী লোযসঙগী [illegible] মাইবী। সঙনামুং - যাম্ন মকওইবা সঙ, অথোইবা সঙ। লাংগোই [illegible] সংগাল। চোযনৌ সনা। সেকপিন - পে। মবাল - মযুম। লাইবেল - নিংহৈ। নোংযাই [illegible]। [illegible] মযাই কা - যাম্না অহল ওইবব, হন্নুববা। কৌবোঙ - মখোঙ, কন্থি নাইবা চৈ। কাইনা হুল্লকএ [illegible] ঙল্লকএ। লানলোই - লাম্মী, চিযাংথাংদগী ফৌগ কচাউ ফংওবগী [illegible]।

১ কৌববেন অঙাংঙা ঃ- কৌববেন অঙাংঙাবু সম্না কৌব অঙাংঙ [illegible] কৌব অঙাংঙা অসি মোইবাং যেব সলাইগী মোইবাং অবিবা অমদি মোইবাং [illegible] হাযদুনা [illegible]লোক্লিবা অসগী মোইবাং অনৌব [illegible] মোইবাং অনৌবগী চাদা নাউদা চথবা হৌবকই। মোইবাং [illegible] ওইবিবা নৈনুং ঙাংসাবীবু উবেনহনবদা পান্নবগা মচানিপা অহল [illegible] অদুগা নৈনুং ঙাংসাবীবু অমুক ঙোই তনৌ চিং চিংদা [illegible] ঙাংনির্শিংগী পোকই। মনাও ঙাংনির্শিংনা হান্না মোইবাংদা [illegible] নিংথৌ ওইনা পানখি অদুগা ঙাংহুম্বোক্লা কৌব্রু চীংদা কাদুনা পানখি। ঙাংনির্শিং চাদা নাউদা মোইবাং নিংথৌ চোথে থাঙব্রায পাখংবনা শিবদুনা মোইবাংদা নিংথৌ ওইবনবা নৈতবদগী কৌব্রু চীংদা পানবা ঙাংহুম্বোক্লি চাদা নাউদা কৌবা অঙাংঙাবু মোইবাংদা কৃম্লক্লগা নিংথৌ ওইবিবনবা কৌকবদগী কৌবা অঙাংঙানা কৌব্রুদগী মচানিপা মঙা অমদি মাগী নুপী নৈমা লাইবোকলেন্নীগা লোযননা মোইবাংদা কৃম্নকখি। মযাম্না ঙাংহুম্বোকৃকি চাদা নাউদা ওইববসু মোইবাংদা কোন্না খুনগুম্নকখিবা মবম্না কৌবা অঙাংঙাগী কাঙবুবু মোইবাং অনৌবা হাযনা খঙনখি। কৌবা অঙাংঙা অসি ঙাংহুম্বোকি মশ অমুহেহিংনা ঙানবা সলাইগী চনু নিংঙোন ঙানুবোল পান্নবগা পোকপনি। কৌবা অঙাংঙানা মৈদিংঙু খুইযোই তোম্পোক্কি মচানুপী নৈমা লাইবোকলেন্নী লৌবগা মচানিপা মঙা খোইনাই অহনবা, খোইনাই যুমথংবা, যুকোকথোং যাইমবা, ইকুম লৌথিবা অমদি নাকম অতোনবা হাযবিবা মচানিপা মঙা অসি পোকখি।

২ ৱাংঙম্লোন নাউবেমতোন - ৱাংঙম্লোন নাউবেমতোন অসি মোইবাং নিংথৌ মবোল মাপল সুবা লাইকাচেংবা খুবাই লমলোকপনা লৌবগা মোইবাংগী নৈমবেন্নী ওইখিবী মৈদিংঙু উবা কোম্বৌবনা পোকপীনি। মোইরাং নিংথৌ লাইকাচেংবা খুবাই লমলোকপনা ৱাংঙম্লোন নাউবেমতোন পান্নবগা মোইবাং নিংথৌ উবা খুন্দাবা পোকখি

পৃংমা থোল্লমএ। হুযেন লান্নিগীদি নোংযাই খৈবোয পোনবিসু অথৌবা ফানপৃংনে। লাইবেল মৈদিংঙু নোইনাই থৱাঙ্বাবা[1] যাউবৌ সাখোমপৃংনে।

লম্লেন মদাইমা উনিং খোঙচোমলাল-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। লাইবেল মৈদিংঙু হোঙনেমযোই খুঞ্জাউনা পামেল হোযযানগে হাযবগীবু সংলৌ থৌবাংখিএ। লম্লেন লোনলোই লৌচিংথাং চীংথাং থংলাংমৈদা পানবা উ, পামেল হাওউবোঙ, খোংজি নাবেং লোন, ঔবী লীযায নোপ্পা তলা হোযচিংলকপদা পামেল উনা মালেম লৈদা নীক্লা নীক্লা খাঙলে। উনীক-ও কৌএ। পামেল মিংথা লাউনা থাসেম্বা, চৈবৈ ফিদুং খাউওন্ননা তলা উ থৌবগী সমু মখোঙ সোক্নে। অদুনোংগীবু খোঙসোক-ও কৌববু পোইবৈ তাবা থিবনা উনিং খোঙচোমলাল-ও তৌনা কৌএ। লাইবেল মৈদিংঙু নোইনাই থৱাঙ্বনা[1] চীং খবঙ নোংলোন পাই, খবঙ চাবাযথৌবু যানপৃংনে।

লম্লেন মদাইমা নমু পোং হাওকৈ, হাওকৈ পোংমহাও-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। মৈদিংঙু তোঙনেমযোই খুঞ্জাউ লোকযি সেল্লোইনাইনা নোংযাই

[illegible] লান [illegible]গীদি । নাংষ্ই - খুমন । লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ । যাউবৌ [illegible] । লম্লেন মদাইমা - লম অমদি । কদৌনোংগীনো - কর্বদগীনো । পামেল - উ । হোযযানগে [illegible] লাউনা [illegible]গে । সংলৌ - থৌবাং - খোংজি নাবেং লোন - থৌবী থুবা । ঔবী লীযায নোপ্পা - [illegible] । তলা - উ [illegible]চিংলকপদা - [illegible] লাউনা চিংলকপদা । পামেল [illegible] মালেম লৈদা [illegible] । [illegible] লাউনা - মামং হাযনা লাউদুনা । চৈবৈ - ফি । [illegible] - উ । সমু মখোঙ । পোইবৈ তাবা থিবা - পোইবৈ লমদা লৈবা মী । লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ । চীং খবঙ - উচেক হুনু খবঙ । লম্লেন মদাইমা - লম অমা । নমু - মী । কদৌনোংগীনো - কর্বদগীনো । নোংযাই - খুমন ।

১ মৈদিংঙু নোইনাই থৱাঙ্বাবাঃ - খৃঃ ১১৯৫ দগী ১২৩১ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু থৱাঙ্বাবা অসি মৈদিংঙু তেমনৌ ইরাঙ্বাবনা মৈতৈলৈমা লিনগুবেন খুবোইঙম্বী পাংবগা পোকপনি। মৈদিংঙু থৱাঙ্বাবগী খুমন নিংথৌ পাঙ্বা খুবেনচনবগা মচানুপী মচানুপী পীনদুনা পাইবৈ শেল্লে চৈখৎলম্মী। মৈদিংঙু থৱাঙ্বাবনা খুমন নিংথৌগী মচানুপী শমকবীবু শিঙেল লৈমন অমগী ব্রাহ্মণদগী লৱাইদা তবেংহোৎ যৈশিন্দুনা হাৎখি। মসিগী মলেম্মা খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা লোন্না শবৌ শিন্নবগা হাৎকে খনবদগী মৈদিংঙু থৱাঙ্বাববু হৈবেম খুঞ্জান্দা লান্দামিংনবা লান নেক্লবদগী হৈবেম খুঞ্জান্দা লান্দাকনবগা লান ঙমদুনা হল্লকপদা খুমন কংলাদা কৌশিল্লগা মচানুপী হাৎখিবগী লমন খুমগে হোৎনববু মৈদিংঙুগী মচানুপী খুমন ওঙবী চীংখৈ থানবীগী ঈঙ্গিৎতগী খুমন কংলা চঙলমদনা হি হোন্দুনা নাম্বোল্লগা লাকপদা খুমন অথৌবা ক্বাকপা লৈতেন পাম্বনা মৈদিংঙুগী হি ফাগে হোৎনকুবদা মৈদিংঙু মনাই তাবিযা লৌশিংবনা নৌন ক্বাকপা লৈতোনপাম্বগী মঙক কক্লগা হিগী হিনাউদা অককপা মকোক খিল্লগা কংলৈ লম তানা হল্লকখি। থৌদোকসিদগী হৌনা নিংথৌগী হিযাঙ হিবেনগী হিনাউদা মী মকোক হাপ্পা চৎনখি।

সেল্লেপাক, অদোম পাইবর্পাক্কি পোইবৈ খুনকাবকপদা মযীম লোইবী মবেম কবিং সোংপুরা হাওচোং নম্মকাই মুক্তি থাবিং থালাংনা লোইবী পৃম্না হৌ, মবেম পাক্লা তাইনা পানবোন সিংবোনমগা খাংখা পোন, খামেল পোন, হৈপোৎ লাপোৎ সেম, লপোৎ সীংপোৎ যাওনা লাইবেল মৈদিংঙুবু লেংনা ফাইনা পুকল্লমএ। অদুনোংগীবু নমু পোং হাওকৈ, হাওকৈ পোংমহাও-ও তৌনা কৌএ। হুযেন লান্নিগীদি খুমন যাইথিং খোঙজাউবা, নুবা পোনচেং লৌযাম্বা, মৈদিংঙু লোইনাই থবাম্বাবনা তখেল মবিকপি মবিকপা, সমযোম্বী সমযোম্বা ফানপৃংনে। চংবিকৈ কংলানে। নিংথৌ পোনসাবেঙবু ফানকৈনে। চংবিকৈ কংলানে। লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা থোংনাং মযাং চেঙপবাচা লাঙ্খৌযাঙ ফানপৃংনে। নোংবাল্লোন লিঙ্খোইঙম্বীনা[1] খানলৈ লৌতাবদা কোনলোয মখৃদোপ সমু খৃনাউতোনগীবু মালেম লৈদা তাবৌবে। অদুনোংগীবু লম্লেন লুপতাবৌ-ও তৌনা কৌএ। লমযাইবান্নে।

সেল্লেপাক - ইসেনগী লৈপাক। তদেন খুমন। পোইবৈ - মৈতৈগী লম। মযীম মযেম। লোইবী -চীং। পাক্লা তাইনা মীযাম হৈনা, সন্দোক্লা। লেংনা ফাইনা পবেং লেংদুনা। পুকল্লমএ - খুকল্লমএ। অদুনোংগীবু নুমিৎতুদগী নমু মী। হুযেন লান্নিগীদি লান অদুদা। নুবা -নুপী। তখেল ত্রিপুর। চংবিকৈ চংবী লফুগী কৈথেম। লাইবেল মৈদিং নিংথৌ। থোংনাং - মযাং। লাঙ্খৌযাঙ - লান্দা হৌবা, হৌনাঙবা। নোংবাল্লোন অঙোম সলাইগী চনু নিংথৌরলগী তেংথা। খানলৈ লৌবৃক। কোনলোয খৃৎতা শিন খুদোপ।

---

১ নোংবাল্লোন লিঙ্খোইঙম্বী : খৃ: ১৪৩২ নগী ১৪৬৭ ফাওবা নিংথৌ থাইনুং পানখিবা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী লৈমরেম্বীনি। নোংবাল্লোন লিঙ্খোইঙম্বী অসি মনিপুর পুবাগী থাংইদেক হেন্দোক্লা মহৈনা লৈবা, পাইবক্কি লৌশিং ফবগীদমক শিংথবীনি। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা মখলগা লান চৎথুবৈঙ কোনুংগী যোইবু যোইতৈ পম্বা তংখমদ হৈদোক্লুনা লৈবিঙে নিংথৌ লৈতবগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক অহাং লমগী তাংখুল হৃপ্পা তাংখমগী কৈরেলগী হৌ হেমগে হযবগীদমক লাকহি। মঙ্গাদুন পাইবক্কি লৌশিং লৈবী হৌনা ফবী লিঙ্খোইঙম্বীনা মশামক নিংথৌগী ফিজোল শেৎচিল্লগা অতৈ যোইবু যোইতৈ পম্বনা অঙম অথৌ খোঙমী লাম্মীগী, নিংথৌ মনাইগী ফিজেৎ শেৎহল্লগা তাংখুলশিংদ যৌবকপা ঙাইদুনা লৈখি। তাংখুলশিংনা যৌরক্লবদা লিঙ্খোইঙম্বীনা নিংথৌ শাদুনা নখোযদি ঐনা অক্লাদা লান্দাবা চৎপদা ঐগী ইতেং পাংলদে হাযনা হাযবদা তাংখুল পৃম্বনা নিংথৌদি হল্লক্লগা লৈবমলে খুকল্লসি হযদুনা নিংথৌবু খুকম্মখি। নিংথৌনা নখোযদি লমশাং লাকপগী ব্রাববিগনি হাওদৈ অথুম্বা ব্রাংলৈ অযাকপা থক্লুনা পোথাবো হাযদুনা যুদা হীদাকমনা নোইশিল্লগা পীথকপদা তাংখুলশিং ঙাওদুনা তাদুনা লৈবিঙে মখোঙ মখুৎ পুক্সিন্দুনা ফাবগা কৈখোঙদা পুন্দুনা থমখি। অসুম্না খুদোংথিবা থোক্লদবদগী লৌশিং লৈবী লিঙ্খোইঙম্বীনা কোনুংগী যোইবু যোইতৈ পম্বু মগী মবৌশিংনা কনহৌবা ঙমখি।

লম্লেন চেংলৈ নাৱাংঈ তাক্লা লৈবোংঈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। নোংবান হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা[1] ৱাকয়ৈ হি তোংবদা পাউমেনখিএ। লাইজা ঈনা ৱাংইগুম ৱাকয়ৈ হিনা ৱাংথোইএ হায়নখিএ। অদুনোংগীবু চেংলৈ লুৱাংঈ-ও তৌনা কৌএ। তয়মসিংও। ৱাকয়ৈ হিনা ৱাংইগুম কম্বোংনানা ৱাংথোইএ। অদুনোংগীবু কম্বোং নাৱাংঈ-ও তৌনা কৌএ। অদুসুঙ মদোমদে। চীংযায ঙানুথুম্বীগী মপাবি সেনবী মীমানববু[2] নমদা পোনা মপল নোংযাই খুমল লম ঈন্দানখিবদা লুৱাং সোযসেনবা নোংবাল সোযঙাকপা লুফূই নামথুম্বসিংনা পাউমেনখিএ। পাথৌসিংও। চীংযায ঙানুথুম্বীগী মপাবি সেনবী

লম্লেন - লম, মফম। চেংলৈ - মৈতৈগী সলাই তবেৎকি মনুং চনবা সলাই অমা। কদৌনোংগীনো - কবিদগীনো। নুংবান - লুৱাং। ৱাকয়ৈ - হি। পাউমেনখিএ - হায়খিএ। লাইজ- ঈশিং। ৱাকয়ৈ - হি। ৱাংথোইএ - থোইনা ৱাংএ। তয়মশিংও - ইনাইশিংও। কম্বোংনানা - কম্বোং কৌবা পাম্বীগী মনানা। অদুসুঙ মদোমদে - অসিনসু লোইদে। মপাবি মচানিপা। নমদা পোনা - নংগন্দা পোদুনা। মপল - মপা। নোংযায় - খুমন। ঈন্দানখিবদা - যৌনবা চৎখিবদা। লুফুই নানথুম্বা - ঙা ফানবা লূ থুম্বা। পাথৌসিংও - মকুপশিংও। মপাবি -মচানিপা।

---

১. হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা ঃ - লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা অসি লুৱাং সলাইগী খ্বাইদগী মমিং চৎখিবা নিংথৌনি। লুৱাং খুম্ভিবনা মোইবাং অনৌবা কৌবা অঙাংঙানা পোকপী কৌববোন নামোইনু পান্নবগা পোকপনি। লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মমিং যাম্মি। মাগী মমিংশিংগী মনুংদা পনবা যাবা খবদি হাওথাঙকোক সাফবা, যুচিং থঙঙাবা, লুৱাং শেলহোঙবনচিংবা পনবা যাই। মহাক্না হোঙনেম কূম্মে পাঙথোকখি হাযবগীদমক হোঙনেম হায়বা মিংথোল পী। মহাক্না কোনুং ওইদুনা পাল্লম্বা মফমদি খাম্রন খুনগী নোংচূপ্প লৈবা লুৱাং মকুবি চীং হাযনসু খঙনবা লুৱাংচীংদা কোনুং ওইদুনা পাল্লম্বনি। লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা অসি সা-লানগী মহৈ, লৈঙাক্লোন, অমদি লাইনীং লম্বীগী ৱাংউলোন নীংথিবা খঙ-হৈখিবা মীশক্লি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈদা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মফমদগী লৈঙাক্লোন, সা-লানগী অমদি লাইনীং লম্বীগী ৱাংউলোন নীংথিনা তমহৌখি। পুন্সি চহী শাংনা পুন্সিখি হাযবদগী পুন্সিবা মিংথোন ফংখিবা মীশক্লি। মহাক্কি নূপী মাপলনা পোকপা মচাশিংনা হৈবেম খুঞ্জাল, কম্বোং লোকখু, কম্বোং লোকহনলনচিংবা মীওই কাঙলূপশিং ওইখি। মহাক্না যোকচবা অঙোমগী ঈ খোইদোম্না নোংবান ফান্তেক অদুগা মান্দোম্না লেবা খোংনাং ওইদুনা তম্পাক্লমগী মফম কয়াদা চাইথোক্লা খুন্দাখি।

২. সেনবী মীমানবা (সেনবা মীমাবা) ঃ-লাইবিক অতৈদা সেনবা মীমাবা হায়না ই। লুৱাং সেনবা মীমাবা অসি লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা খুমন নিংথৌ পুন্সিবনা পোকপী ঙানুথুম্বী পান্নবগা পোকপনি। সেনবা মীমাবনা অঙাং ওইবিঙৈ মমা ঙানুথুম্বীগা মপা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগা মতৈ মনাও অনীগী মবক্তা শাউনবদগী খাইনদুনা মমানা খুমন নমদা পুদুনা চাউবকখি। সেনবা মীমাবনা চাউবক্লবদা নোংমা শাদানবা চৎপদা লুৱাং*

মীমানবসিনা মকোক মকসু কুবম্না ৱাং চাউবনো হাযনা সোন্নখিএ। অদুনোংগীবু লুৱাংঈ-ও থোন্নেএ। নোংবাল মপাচা মসেনবু সমু খূৎনা থিন্না তাক্লবমএ। অদুনোংগীবু লম্লেন তাক্লঈ-ও তৌনা কৌএ। লম্লেন চেংলৈ লুৱাংঈ তাক্লা লৈবোংঈ, কম্লোং নাৱাংঈ-ও তৌনা কৌএ।

থৌখুবা খুতম ঈ থৌহনবা খাযতম ঈ, কোবৌ মসেল সোযসেন ঈ, ৱাংবল মনাও ঙাবেং ঈ, মমোম লাইবেল লাইপাউতাউবী লাইক্রি লাইসুমথানবী, থীক্লেল খোম্বু হাঙবী, মপাবি নম্পোক ঙাথিবা ঈনফুযতোন্না লংবা, লাইজা ঙাহ্া তানবা, লৈনুং থংক্রিবা ঈৱানববু লাকতবে হাযনা পিবেল থাক্কুনা নুংসি খোংলেনযাযনে। নয়ু মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা সাযবা পল্লিংৱাযনে। হুযেল লান্নিগীদি থোংনাং মযাং সবীকতাউ ফানপূংনে। সাযবা পল্লেলযাযনে। লাইবেল মৈদিংঙু কৌবা ঈবোঙ লাম্বুবনা তিমেল মখূৎসূবু খোইবেল তাখোইপূংনে। তুবি খোঙপুখৈ নম্বুসুবু চুমলমএ। তিমেল তাচুম-ও থোন্নেএ। চবৈ মবাক থৎনা, মাল্লৌ ললখাইপূংনে। খাবা লৈতংলাল মোইবাং সংকোললাননে।

লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী মুংযাম্বা[১] চংবি মকৈবেল, কৈবেল মখূৎফানে। হুযেল লান্নিগীদি থোংনাং মযাং চেঙমবাচা ফানকৈনে। লাইবেল

অদুনোংগীবু - নুমিৎতুদগী। নোংবাল - লুৱাং। মপাচা - মপা অর্মাদ মচা। লম্লেন - লম। চেংলৈ- সলাই তবেৎকী মনুং চনবা সলাই অমা। কোবৌ - অৱাংবা অতিযা। সোযসেন ঈ - সোয শেনফমগী ঈশিং। ৱাংবল - নোংথৌ অতিযা। মমোম - মচানুপী। থীক্লেল - থবাক। মপাবি - মচানিপা। নম্পোক - মকোক থোংবা ফম। লাইজা - ঈশিং। ঈৱানববু - ঈশিং শোকপবু। পিবেল - মীৎকি পি। নয়ু - নবুধৌ। সাযবা -তিংখং। পল্লিংৱাযনে - শম্বল নৎত্রগা পল খাবা মফম। তিমেল - তা। চবৈ - ফি। মাল্লৌ - ফি। মখূৎফা - মাগী ওইদুনা লৈববা। হুয়েল লান্নিগীদি - লান অদুগীদি। থোংনাং- মযাং।

---

* নিংথৌ পুঙ্গিবগী মযাম্বা পুদাংকোই খূৎকোইবনা ওনখিবা সঙাই চীদোম্পোকপু ফাকুবদগী সাগী মমল ওইনা লুৱাং নিংথৌ পুঙ্গিবগী যূমগী ফুঙ্গা মৈনীং ফমদুনা যাঙ্গোইবিবী অহল মতম ওইববী কম্লাক কূক শুংলবী হী যাই চেনবী লনগী মবেম্মা চাক্কু লনকুবী ইমোইনু অহোঙ অচাউবীবু লুৱাং মসাইকোন্দগী খুমন লমদা পুখি। লনগী মবেম্মা ইমোইনু অহোঙবীনা খুমন লমদা যাঙ্গোইদুনা লৈববদা খুমনগী লম চাকহোঙ ঙাহোঙনা খুঞ্জাউ লৈচাউনা পানখি।

১ মৈদিংঙু সেনবী মুংয়াম্বা ঃ - খৃঃ ১৫৬২ দগী ১৫৯৭ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু মুংয়াম্বা অসি মৈদিংঙু চলাম্বনা মৈতৈ লৈমা লম্ফেলঙম্বী পান্নরগা পোকপনি। মৈদিংঙুসিগী মমিং মুংযাম্বা কৌদ্রিঙৈ হান্না ক্যাম্বা কৌরম্মি। মুংখোঙ মুংযাং ঙম্মি হাযবদগী মুংয়াম্বা হায়না মমিং ওনখি। মৈদিংঙু মুংয়াম্বগী সনা হাত্তত্তা খাগি লৈবাত্তগী *

মৈদিংঙু করোম্বনা[1] নূংকোল খুনঙমথেল, হুযেল লালচূংববু ফানথেল, থেল্লেন নুবালৱাযনে। লুৱাং থাঙঙা লৈনাউপাংনে। নোংবাল সেনবা মীমানবনা যাবৌ সা নাবদা খোল্লাং মখূৎসূবু তেক্লমএ, খোকলাং পোপতেকপংনে। মৈদিংঙু নিংথৌচেং[2] লাইবেল অকন হযিংচেংন্য হাওকৈ সাযাম ফানপংনে। কম্বোং

মৈদিংঙু - মৈতৈ নিংথৌ। নূংকোল খুল অমা, পোইবৈতোন্না মতৈম লৈই লৈনাউতবীগা খুন থোবকডঙে চীংগী লম অমদা ৱামন্দুনা নূং কোল্লগা কপলম্মি অদুদগী লম্দুবু নূংকোল কৌখি। খুনঙমথেল - খুনবু ঙমখিবা থেল। হুয়েল-লান। ফানথেল - ফাখিবা থেল। থেল্লেন অথোইবা থেন। নুংবাল - লুৱাং। যাবৌ - সা। সা নাবদা - সা তানবদা। খোক্লাং চৈখোক, চৈ, মখোক। লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ। অকন-অকনবা। সাযাম সা ঙযাম। কম্বোং - অঙনবা মতমদা লৈবম্বা লুৱাং সলাইগী মশা ওইবা কাঙলূপ অমা।

---

* মীসা সাবা মৈদনা কৌবা লাক্ল-ফানবা ঙমদবা নিপা অমা লাক্তুনা মৈদিংঙু মুংযাম্বদা নানশীংনবখি। মৈদিংঙুনা মবুধৌ পাখংববু ঈবাৎ থৌনি তৌজদনা ফংখিবা থাঙ খৌবোম্বা অমসুং তা খাঙসূনহাগী মতেংনা মৈদনাবু হাৎলগা কংলা মনুংদা নূংপাক্লা নন্দুনা থমখি। মৈদনা ননখিবা নূংপাক অসি হৌজিক কংলা উত্রাগী খা থংবা লম্বীগী চিদাইদা লৈবিবা লুফৌনূং হাযনা খঙনবা নূং অসিনি হায়না থাজনৈ লেযননা হিংচাবী চঙবা মীগী লাইবক্তা হাযবিবা নূং অসিগী মচেৎ লৌরগা নল্লবদি ফৈ হাযনা থাজনৈ।

মৈদিংঙু মুংযাম্বনা মৈদনা হাৎপগী পাউ তাবদা খাগি নিংথৌ পিয়াঙ্গু কৌবনা মনিপুবদা লাক্তুনা মুংযাম্বা নিংথৌদা খুদোলপোৎ কযা কৎলখি। খাগিশিংনা মৈতৈশিংদা চেক শাবা তম্বিবম্মী, কংলা মনুংদা হোগাইবী কৌবা থোঙ শাবিবম্মি। খাগি লৈহাউ পাম্বী পুবক্তুনা কংলা মনুংদা থাবিরম্মি। পিযাঙ্গুগা লোযনবকপা খাগিশিং মনিপুবদা খুন্দাহৌদুনা নোংচূপ কমেং, সুইসা কমেংনচিংবা খুন লিংখি। মৈদিংঙু মুংযাম্বনা পানবা মতমদা খোইকদা ফুবিৎ লীৎপা অমসুং লৈতেংবা, লং অকুপ্পা নাইবনচিংবা হৌদোকপিবম্মি।

১ মৈদিংঙু করোম্বা :- খৃঃ ১৫২৮ দগী ১৫৪২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙুসি মৈদিংঙু লমগাইঙম্বনা মৈতৈলৈমা চাখা তাংখুলঙম্বী পান্নবগা পোকপনি। মৈদিংঙু করোম্বগী লৈমবেম্বী খিংবাইঙম্বীগী পীবূকনুংদা লাইয়িংথৌ সনামহীনা চঙদুনা লাংওন তৌখি। লাইয়ৈ চত্তুনা লাই ওইখি। ঈশিং চাইবা কৌনা পাউনমদা য়ূমদাদুনা ঙসিফাওবা থ্বাই নাগমপালদা পাউনম্মা লাইপু ওইনা খুভম য়াদুনা লাৎলি। মৈদিংঙু করোম্বনা পানবা মতমদা লম্বুন পূংজাউ থোনবা, তখেনখোং তৌবা, তেখাউ লম্বী ফাৎপা অমসুং তেখাউলু সাবনচিংবা হৌদোক্লম্মি। করো তম্পাক্কি কলেদা লান্দাদুনা লান ঙমখি লোয়ননা কলে নিংথৌ ৱাংপন লাকপা অমসুং হাওনু লাচোংনু কৌবিবু ফারকখি।

২ মৈদিংঙু নিংথৌচেং : - খৃঃ ৯১০ দগী ৯৪৯ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু অয়াঙবা সরী লাংখোং চোংবনা মৈতৈলৈমা লম্বাস্ (অরাম্বম নিংঙোন) পান্নদুনা পোকপনি।

থাঙঙা লৈনৌবীচা মালথাফমনে। লুৱাং খাপঙ নামোইচাম্বনা[১] সাসঙ মবীল ফাৎনা খম্নৌ যাইসিনুং, তোংজেং হিয়ায়নুংগী কোক্লেল লুহ্নভৈদা মৈদিংঙু পোইবৈ খুঞ্জাউবনা[২] লানবি সনসেলঈ, তাক্লা লৈবোংঈ, সিংথা লৈথোমঈ, কক্লৌ তাউথোংঈ চেংলৈ লুৱাংঈগা লাইজা ঈবম মঙামবু ঈথেমখোংনে। খোংলেল হেমতৌযাযনে।

লাইবেল মৈদিংঙু নাউথিংখোং মঙাংঙম্বনা মঙাং কোনখুচা ফাবগী হাওকৈ কৈবেল লমতাফম্নে। মকোই হাপলম্নাল লানবী সলসেললাল, থোঙঙাক পামিংলাল লমদেং লমলাংলাল হৈঙাঙ কৈসিলাল-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো।

খম্নৌ - নৌ, চৈঙাক। তোংজেং - হি। হিয়ায়নুংগী - হি মনুংগী। কোক্লেল - কোক। লুহ্নভৈদা - অককপা কোক হুনবা মতমদা। লানবী সনসেল - মনিপুরদা অঙনবা মতমদা খুন্দাবম্না মীওই কাঙলূপ অমা। তাক্লা লৈবোং ঈ - তাক্লেন পাৎ। চেংলৈ -সলাই তরেৎকি মনুং চনবা সলাই অমগী মমিং। লুৱাংঈ - লাঙ্গোল চীংগী নোংচুপ্ত চেনবা লুৱাং লমগী তুরেল অমা। লাইজা ঈবম - ঈশিং মবম, ঈশিং মখল। ঈথেমখোংনে - ঈশিং থিংগৎতুনা থম্বা খোংনে। খোংলেল - অথোইবা ঈশিং খোং। হেমতৌয়ায় - অথোইবা, মমিং চৎপা ঈশিংখোং। কৈরেল- অথোইবা কৈ। মকোই - ইম্ফালগী নোংচূপতা লৈবা চীং অমা। লমদেং - লাঙ্গোল চীংগী নোংচূপ্ত লৈবা খুল অমা।

---

১ লুৱাং খাপং নামোইচাম্বা ঃ- লোইমোম ফৌওইবী লাইরেম্বীগী ইবোই লোইবা লাংওনদা ফৌওইবী লাইবেম্মনা লুৱাং খাপং নামোইচাম্বদা ময়ূম পানখি। য়াম্না নংনা লৈবম্না খাপং নামোইচাম্বগী য়ূমদা ফৌওইবীনা লৈববদা ফৌথোক চাথোক মবাং কায়না থোক্তুনা লৌবৃক্তগী ফৌ হোনগৎপদা হোনগৎপগী লোইবা কৌবা লৈত্রবদা খাপং নামোইচাম্বনা ৱামনবনা শাউদুনা মখুত্তা পায়বা চৈনা ফৌদা কছি থোক্লা ফুর্বম্মি। মহাক্লা ফৌদা ফূবা য়েবদা ময়ূমদা লৈহৌবিবী ফৌওইবীগী মখ্বাঙ তেক্লে। খাপং নামোইচাম্বনা ময়ূমদা হল্লক্লবদা মাগী নুপী ফৌওইবীদি মখ্বাঙ তেক্তুনা অযো নাহে চন্না লৈবম্লবদা মাগী নুপী ফৌওইবীদা কবি তৌববগে হায়না হংবদা ফৌওইবীনা নঙন্য ঐগী খ্বাঙদা য়েবদা ঐগী খ্বাঙ তেক্লে ঐদি শিবনি হায়না খুম্লকপদা খাপং নামোইচাম্বনা ঐদি নঙবু য়েদেনা হায়না খুম্বদা ফৌওইবীনা ঐদি ফৌগী লাইবেম্বীনি, ফৌ হায়বদো ঐনি, নঙনা ফৌবু য়েবদো ফৌওইবী ঐঙোন্দা য়েবনি অদুনা ঐ খ্বাঙ তেক্লবনিনা নোঙ্গাবগে। মথংগী লাংওন্দা ঐনা ইমোইনু ওইনা লাংওন তৌবক্নে নঙনা লুৱাং অহোঙবা হায়না অমুক লাংওন তৌবকউ। মথংগী মপোক লাংওন্দা ইবানি অমুক নুংশি ৱায়থুংনসি হায়রম্লগা ফৌওইবীদি নোঙ্গাখি।

২ মৈদিংঙু পোইবৈ খুঞ্জাউবা ঃ

খৃঃ ১৬৫২ দগী ১৬৬৬ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু খুঞ্জাউবা অসি মৈদিংঙু খাগেম্বনা মৈতৈলৈমা তাইপোম্বী পান্নবগা পোকপা অনীশুবা মচানিপানি। মৈদিংঙুসিনা পানবা মতমদা লাংদে পূংজাউ থোনবা, স্নথোঙগী চেকপন অকোয়বদা লাংখোং কোয়না তৌবা, চীংঙাদগী থাঙমৈবন্দ য়ৌনা লাংখোং মরিল তৌবা, খ্বাইরমবনগী অকোয়বদা কোযনা লাংখোং তৌবনচিংবা কয়া পাঙথোক্লম্মি।

কৌববেল অঙাংঙাগা মপাবি খোইনাই অহনবগা খোইনাই থুন্দাবগা খোইনাই যুমথংবগা ঈকম লৌথিবা নাউকম অতোনবগা কেগে খুনগুম্লকপদা মযীম কেগে তেংথানা মোইবাং মীকৌননা খোইমোম লাইবুদি নোংলোনও তৌনা কৌএ। নোংলোন অপকঙাদা পাইবা অসিবু কবিনো হায়না কৌববেল অঙাংঙানা কোযনা কোযনা যেংলমএ। অদুনোংগীবু মকোই নোংলোনপাই-ও তৌনা কৌএ।

লমলেন মদাইমদি কম্বোং সাংখু সাংহন্নাউনা লাংবল উযুং সীংসংপোৎপু পোৎতানবদা সীংবী তংখায লৌবদা লাইজা ঈপাকথক্তা চামলৌ থম্বাল পানবা সীংলেন লৈবোং অনী খাযববু উবমএ হায়না থাঙঙা সলসেনবা কম্বোং সনঙাকপদা পাউতাকলমএ। অদুনোংগীবু তাক্লা লৈবোংঈ-ও তৌনা কৌএ। থাঙঙা সনসেনবা, কম্বোং সনঙাকপনা পাথৌ-ও! ব্রাযবা সাযাই হুযেন লানযাইবুনবিগববা খঙদে হায়না খুমু মনৌবোংনা হুলনা হুলনা লাইজা ঈবু লাম্না লাম্না তান্নখিএ। অদুনোংগীবু লানবি সনসেনঈ-ও থোন্নখিএ। কনপু নুংপু সংনা তান্নবকএ লাইকন তোংসঈ-ও তৌনা কৌএ। চীংখোঙ পোইবৈতোন্না[১] থোঙঙাক অসিথেল[২] যাইথোঙ চীংলাংমৈ যেনবঙ ফাইবঙ

মপাবি - মচানিপা। কেগে - মোইবাং, মোইবাংগী মোইবাং তুবেলগী নোংপোক থংবা লমগী মমিং। মীকৌননা - মীশিংনা কৌনবা। খোইমোম - লাই। অদুনোংগীবু - অদু নুমিৎতগী। লমলেন মদাইমদি - লম অমদি। কম্বোং-মীওই কাঙলূপ অমা। সীংবী - শীং। লাইজা ঈপাকথক্তা -ঈশিং মথক্তা। চামলৌ - লা। সীংলেন- লৈ। পাউতাকলমএ - পাউ তম্লমএ। পাথৌ - মকপ, তিন্নবা মী। ব্রাযবা - সা। খুমু-নৌ। অদুনোংগীবু - অদু নুমিৎতগী। চীংখোঙ - মনাও। যাইথোঙ - অশিথোঙ, অশিবগী লম্বী, অশিবগী থোঙজিন।

---

১ চীংখোঙ পোইবৈতোন :- মৈতৈগী সলাই তবেৎকি মনুংদা মকওইবা সলাই ওইবিবা লুৱাং অমসুং খুমন সলাইগী পুকোক্লি। হৈবোংলেন লোঙজুম্বনা পিয়াইনু পান্নবগা পোকপনি। চীংখোঙ পোইবৈতোন্না মযাম্বা লৈনুং থোঙঙাবেলগী নুপী অতোম্বী লৈমা লৈনাউতাবীগা লোযননা খমুং লৈবাক্তগী খুন থোবক্তুনা মণিপুবগী চীংগী লম অয়াম্বা কোয়না চৎলুবগা মমৈদা লমদেংদা খুন্দাদুনা লৈখি। চীংখোং পোইরৈতোন অমসুং লৈমা লৈনাউতাবী অনীনা শিংদবুং পোক্লগা মখা মীবোন মথং মথং চথবক্তুনা মগী চাদা নাউদাশিংনা খুমন অমসুং লুৱাং সলাইশিং ওইখি। মণিপুব পুৱাবীগী অহানবা নিংথৌ মৈদিংঙু নোংদা লাইবেল পাখংবনা চীংখোঙ পোইবৈতোনগী মচনুপী লাইম্না লৌবগা চাদা নাউদা মথং মথং চথবক্তুনা সলাই তবেৎকী মনুংদা অমা ওইবিবা নিংথৌজা সলাই ওইখি।

২ থোঙঙাক অসিথেন :- লাঙ্গোল চীংগী চীংখোঙদা লৈবা লাইফম অমনি। মফম অসিদা থোঙঙাক লাইবেম্বীগী খুভম লৈ। থোঙঙাক লাইবেম্বীগী মমিং সিবা কোংতিংনু ফানু কৌই। নোংদা লাইবেল পাখংবগী মচনুপীনি। থোঙঙাক লাইবেম্বীগী খুভম*

পুংফাই তোনযাম পোকপা চীংবু পাম্না ঈবমএ। অদুনোংগীবু খোঙঙাক পামংলান-ও তৌনা কৌএ।

মমাইবা থোংনাং কাইবযাঙনা পামা পোক্কববা হাযনা খোমলেন মঙচঙববু নুমা পোক্লকএ। লম্লেন ফেৎমতোল অসিনা কবম থেংকোইঙাম্বনো হাযনা সোল্লমএ। অদুনোংগীবু লমদেং-ও তৌনা কৌএ। কবম হাম্বু হাম্বনো হাযনা ৱাওইবমএ। অদুনোংগীবু লমদেং অহামসোয-ও তৌনা কৌএ। চীংখোঙ পোইবৈতোল মমাইবা থোংনাং কাইবযাংদি খোম্লেল মঙসোযচীংনে। কমবোং লাংলেল কোঙযাঙ ৱাযানববু থাঙলেল মখৃৎশূনা ঙমপলথএ। মযীম থাঙঙা মীকৌনা কম্বোং তেংথাননা ঈবুদি হাই-ও কৌএ। ঈ হাইবু মালেম লৈদা তা ঙাঙদুম ঙাঙনা তাবে। অদুনোংগীবু হাইঙাঙ-ও তৌনা কৌএ। খোযমা নাবোন্নুংদা পানবা কৈবুম্মসুং সিঙমএ। অদুনোংগীবু কৈসি-ও তৌনা কৌএ। খোযনাই সেলহোঙবনা তবেৎ সেনবু যাল্লমএ মকোই সেলযানপূং-ও তৌনা কৌএ।

লুৱাং ঙাংসঙ সা, লাইজা ঈযোককোম কৌবদি কদৌনোংগীনো। হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা লাইজা ঈৱানবদা কৈথি মুথিমবু তাবগনে হাযনা ঈসঙ লৈনা খল, লমসঙ লৈনা সানা যোক্লমএ। মযীম নুংবাল লুৱাংনা ঈসঙ লৈনা সাববুদি ঙাংসঙ-ও কৌএ। অদুনোংগীবু লুৱাং ঙাংসঙসা লাইজা ঈযোককোম-ও তৌনা কৌএ। লাইসনা তৌচেলকোল নোংদা লাইবেল পাখংবা[1] চীনাই যানাইকোল খুদৈ ফিযালফম্লে।

---

* লৈবিবা মফম অসিদগী লাঙ্গোল চীংদোন যৌবা চীংশা নাপোমগী মমিং সিবা কোংতিংনু চীং কৌই। মৈতৈগী শিবগী ৱাংউলোন্দা অশিবগী থৱায়শিংনা লমশাং লাকপগী অৱাবা কোক্রবা খোঙঙাক লাইবেম্বীগী লাইকোন্নুংদা খিল্লিবা ঈসাইফুদগী ঈশিং থক্লগা অৱা-পোথাই। অশিবগী থৱায় মযাম্না পোখাদুনা থেন্দুনা লৈ হায়বগী খোঙঙাক অসিথেল কৌই।

১ *নোংদা লাইরেল পাখংবা ঃ- খৃঃ ৩৩ দগী ১৫৪ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মনিপুর পুৱারীগী অহানবা নিংথৌনি। কোন্সৌরেন্না লাইয়েক লাইখোৎ চনু পান্নবগা পোকপা কুপত্রেংনা চীংৱাংলক্কি পুরৈবোম্না পোক্লগা অঙোম সলাই পুকোক ওইনা মাগী চাদা নাউদাশিংনা অঙোম সলাই ওইখ্রগা মনাও সেন্দ্রেংনা পোকপা নোংদা লাইবেল পাখংবনা নিংথৌজা সলাইগী পুকোক ওইরগা মাগী চাদাশিংনা নিংথৌজা সলাই অয়াম্না চথবকখি। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেল পাখংবনা কংলাদা নিংথৌ ওইদুনা পানবা হৌবদগী মখা তানা মাগী চাদা নাউদাশিংনা ঙসিফাওবা নিংথৌ মবোল মথং মথং চথদুনা লাক্লি।*

লম্লেন হাওবসী ফেল্লাংচীং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। কৌববেল অঙাংঙাবু মযীম কেগে মোইবাংনা পাউথেন্নৈঙেদা কৌববেল অঙাংঙানা ইবোয হাওব-ও! কেগে ইপল লম্বু কযা চাউবনো যেংলু-ও হায়না থৌসীখিএ। অদুনোংগীবু লম্লেল হাওবসী-ও কৌএ।

লাংচীং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। হযিঙৈদা মযীম থাঙঙা কম্বোংনা হৈবাঙ ৱাইচৎ হৌ ৱাইনৈ চৎনা তাবদা যুচিং চনুনা ৱাংলৈ যুসিললে। খোযনৌ ইতা যুসিল চনুও। নঙনা ৱাংলৈ যুসিনবদি ৱাংলৈ যুতৈববু লৈববা হায়না পাউহংখিএ। হোযদা খোযনৌ ইতা-ও! ঐগী ৱাংলৈ যুতৈথেৎবু লৈতবে। খোযনৌ ইতা লাংচীং চনুও! নঙনা সাবেল সাসিলবদুম সাবেল সাতৈথেৎপু লৈববা হায়না পাউহংখিএ। অদুনোংগীবু যুচীং-ও তৌনা কৌএ। মপাম থাঙঙা লম্না থাপ, মদু কম্বোং লম্না তাম্বনিগীনা যোইমযাই লাইবেল তাউদনবনা নুমিৎ মতাং তেল্লবনিগীনা লেক্লমএ। মপাম থাঙঙা তেংথানা মদু কম্বোং মীকৌনা অবেপপবুদি অবাঙব-ও কৌএ। অদুনোংগীবু লাংচীং-ও কৌএ। অদুসুঙ মদোমদে।

অমু খ্বাং লাংমৈবেম্বনা[১] হোঙনেমৈঙেদা থাংজিং মখোকলাংগা খোযনৌ মবাংমৈগা হৈনা মযাংনুগা কনানা হেনবনো হায়না যেংনখিএ। হৈনা যাংনুনা সাংএ। থাংজিং মখোকলাংনা তাংমা ৱাৎলে। খোযনৌ মবাংমৈনা তাংমা ৱাৎলে। খোযনৌ মবাংমৈনা থোইখোযএ। অদুনোংগীবু অমু খ্বাং লাংমৈবেম্বা হোঙনেমচীং খোযনৌ লাংথোইচীং-ও তৌনা কৌএ। মযীম কেগে খুযোল লীকতকপি লীকতকপা, কোংসিবী কোংসিবা, লমতাকপী লমতাকপা, নাসিবী নাসিবা, থিংনাংখু থিংনাংহল, নাউবিখু নাউবিহল, খুযোল পাথৌখু পাথৌহল

মযীম - মযুম, লৈফম। কেগে - মোইবাং। ইবোয - ঐগী লোযনবা। ইপল - ইপা। থৌসীখিএ - থবক চৎলু হায়না পাউখোন সীখিএ। লাংচীং - ইম্ফালগী নোংচুপতা লৈবা চীং অমা। হযিঙৈদা - থাযনা মমাঙঙৈদা। থাঙঙা কম্বোং - অঙনবা মতমগী মীওই কাঙলুপ অমা। ৱাংলৈ - যু। খোযনৌ - মতা। যুশিনবা - যু পীথকপা। মদু - মবুং, মৌপ্পা। যোইময়াই - নুমিৎ। অদুসুঙ মদোমদে - অসিনসু লোইদে। হোঙনেমৈঙেদা - হোঙনেম কৃম্মে তৌঙৈদা। থাংজিং মখোকলাং - থাংজিং চীংগী ৱানা শেম্বা চৈখোক। মবাংমৈ - মাগী চিন্নবা লাংমৈ পুংলেন। হৈনা যাংনু - পাম্বী মখল অমা। খুযোল - মোইবাংদা খুন্দাবম্বা মীওই কাঙলুপ অমা।

---

১ অমু খ্বাং লাংমৈবেম্বা ঃ- অমু খ্বাং লাংমৈরেম্বসি হুইমুলৈমনা পোকপনি। মোইবাং সলাইগী মনুং চনবা মোইবাং খ্বাং কাঙলুপকি পু অহলসি। মোইবাং খ্বাং কাঙলুপকি যুম্লাকশিংদি হাওবোঙবম, লাইখুজম, অক্রম, লিসম্লচিংবসিংনি।

হনবা কোকচাউ হন্নু লৈখমনা কৌববেল অঙাংঙা-ও' খুযোল হন্না ঙমদববু লৈএ নঙনা হলনবো। যাংনা তেম্নঙমদববু লৈএ নঙ তেম্নবো পাউথেমঙৈদা কৌববেল অঙাংঙানা তৌইগীদি ইবোয হাওবও' কেগে ইপাবম মোইবাং ইপুবম্বু যেংলু-ও হাযনা থৌসীখিএ। অদুনোংগীবু লম্লেল হাওবসী-ও কৌএ।

খোইনাই যীমথংবগা খোইনাই খুন্দাবগা যুকোকথোং যাইমবগা নাউকম অতোনবগা মখোয তরুকমনা কেগে খুনগুমবা, মোইবাং খুন্দাবদা কোবৌ নুমিৎ অনী সুনা ফাইবমএ। অদুনোংগীবু লৌথাঙতুপ চামেলখা, ফাইবিতেবা থাঙতুপপোক-ও তৌনা কৌএ। থাঙযি পাংখাইচাম্বা, মকোই পাউনিংশিংবা, পাযমা লিন্দাং সাংবনা নীংখলখিএ। মৈতিংঙু চীংথাঙ লাম্থাবা[১] থেল্লেল নুবানযাযনে। নোংযাই হাওবা খাবা তোলপোকপা, খুমল মদোম চাবা ফাগনবা, তেকপি ওকপূম্মগী সাবেল সা থোপমবু মদোম চাগে তৌগুম্বা, থাঙলেল হাইমবক্লা পাখং পাকতু ঈতৈ ওনবা, থাঙলেল হাইমবক্লা, নুবা-লুথোং পোৎ ফাববু ফানপূংনে। নোংযাই হাওবা খাবা তোনপোকপা ফানথেলনে।

মৈতিংঙু পুন্সিবনা[২] কেগে উবা লোকনুসু, মোম্নু মিংবু মিংনা ফানথেলনে। থেল্লেল নুবালযাযনে। মৈত্রেমা নোংবাল্লোন সিল্লেম্বী নোংচূপ লাল্লুমঙম্বী থেল্লেল নুবানযাযনে। খাকোই যান, যুফা তৈ পোইনে। মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা মবাম খুনঙমপূং, কাপুং মিংনাইবা ফানপূংনে। মৈদিংঙু পোইবৈ খুম্নোম্বনা[১] থৌবৈ ৱাকম্বোং চীংনুং নোঙ্গৌবীবু ফানপূংনে। লাইবেল

হনবা কোকচাউ হন্নু লৈখম - লাই অমা। কৌববেল অঙাংঙা - মোইবাং অনৌবা সলাইগী পু অমা। খুযোল - ঙল্লিঙৈ মতমগী মোইবাংগী মীওই কাঙলূপ অমা। ইবোয - ঐগা লোয়নবা, মনাই। কেগে - মোইবাং। ইপাবম - ইপাগী লম। ইপুবম্বু - ইপুগী লম্বু। থৌসীখিএ - থৌদাখিএ। কোবৌ - নুমিৎ। অদুনোংগীবু - নুমিৎ অদুদগী। থাঙয়ি - চেংলৈ নিংথৌ। মকোই পাউনিংশিংবা - লৌশিং লৈবা, অশিংবা। পায়মা লিন্দাং সাংবা - লৌশিং চাউবা। মৈতিংঙু - মৈতৈ নিংথৌ। থেল্লেল - অথোইবা থেল। নোংযাই - খুমন। তেকপি - ওক। ওকপুম্মগী - ওক মপূম অমগী। থোপমবু - থুম্মোক, পোলাং অমবু। থাঙলেল হাইমবক্লা - থাঙ অমুক হাইবদা। পাকতু ঈতৈ ওনবা - ঈনা পূমঙাঙ ঙাঙহনবা। নুবা -নুপী। লুথোং - কোক্তা থোনবা। মোম্নু -নুপী। মৈত্রেমা - মৈতৈলৈমা, মহাবানি। মবাম - মনিপুরগী অৱাংলোমদা লৈবা চীংগী খুল অমা।

---

১ মৈদিংঙু চীংথাঙ লাম্থাবাঃ- খৃঃ ১২৩১ দগী ১২৪২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু থৱাম্থাবনা মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন চকপ্রম চনু তৌকাইঙম্বী পান্নদুনা মৈদিংঙু চীংথাঙ লাম্থাবা পোকখি।

২ মৈদিংঙু পুন্সিবা ঃ- খৃঃ ১৪০৪ দগী ১৪৩২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙুসি মৈদিংঙু তবুংবনা মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লম্ফেলঙম্বী পান্নরগা পোকপনি।

সেনবী মুংযাম্বনা থাংগাল খুনঙমলমনে। হুযেল লান্নিগীদি হুযেন কাথিবা ফানবমনে।

লম্লেন মদাইমদি অৱাং কৌবা লৌচিংকোল চীংগোল কোল্লাংমৈ, হৈনা যাংনুখম-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। লুৱাং লোইনাই যাউসা তানবনা[২] লাবা খুমনবু যাংদৌ সাবম লীবদা তিমেন খূৎসূবু খোযমা নাবোলনুংদা ফেনজিল্লববু সেললোই মপাতাউ চীংখোঙ কোইমনাউগী ফৈবা তানগা তূনা থাএ। ঈমু ফিবাক সা, লুৱাং লোইনাই যাউসা তানবনা পাথৌও' ঈমু কবম্লা ফিবাক সাববনো হাযনা হৈনা মযাংনুবু যাংনু মকা সেৎনা ঈমু মথোঙ থিংনা খান্নমএ। অদুনোংগীবু হৈনা যাংনুখাম-ও তৌনা কৌএ। লুৱাং নহা যাউসা তানবনা পাথৌ চীংখোঙ কোইমনাও-ও যাবৌ সা কবাম্বগীদমকপু তিমেল তা হেনখিবনা কবমনা ফৈবা তানগা তূববনো হাযনা সবেল যেৎনা কোন্না ৱাহমলমলে। কৌবা লৌচিংকোল চীংগোল কোল্লাংমৈ-ও তৌনা কৌএ। চীংখোঙ *কোইমনাওনা নুংবাল অযীমনাক লুৱাং ইসাইকোনবু কবম্লা কাসিবনো হাযু* ইমা-ও হাযনা সোলনা নাহেবমএ। অদুনোংগীবু হাযযু কাবা থেল-ও থোলনবমএ।

কৌবা লুৱাংচীং ঙাংচেং চীং পুন্সিনে। মৈদিংঙু ক্যাম্বনা[৩] লুপা লাংমৈ লোক্লথেলনে। নযু মৈদিংঙু থাঙৱাই নিংথৌ মুংযাম্বনা থাংগাল খুনঙমথেলনে।

থৌবৈ ব্লাকম্বোং উচেক মখল অমা, নোংগৌবী উচেক। লাইবেল- মৈতৈ নিংথৌ। থাংগাল মনিপুরগী অৱাংলমদা লৈবা চীংগী খুল অমা। হুযেল লান্নিগীদি - লান অদুদা। লম্লেন মদাইমদি লম অমদি। কৌবা - লাঙ্গোল চীং। লাবা খুমন - ওক লাবা। যাংদৌ সাবম লীবদা - সাগী খোঙ্গুল লীবদা। তিমেন তা। খোযমা - নাপী। মপাতাউ মকপ, মতাউ। ঈমু ফিবাক সা - ঈ পূমঙাঙ ঙাঙনা থোকপা। হৈনা যাংনু - পাম্বী মখল অমা। ঈমু মথোঙ হিংনা ঈ থকহনবা। পাথৌ মকপ। নযু -নপু।

---

১ মৈদিংঙু পোইরৈ খুম্বোম্বা (খুমোম্বা) ঃ- খৃঃ ১২৬৩ দগী ১২৭৮ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু খুমোম্বা অসি মৈদিংঙু চীংথাং লাম্বাবনা মৈতৈলৈমা নিংথৌ পোকপী পান্নবগা পোকপনি।

২ লুৱাং লোইনাই যাউসা তানবা ঃ- লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী তবেৎশুবা নুপী ঙানুবোল খূৎযাইচেনবীনা পোকপা ৱাযবা লান্দম্বগী মরিশুবা চাদা নাউদা ওইবা মীশক্লি।

৩ মৈদিংঙু ক্যাম্বা ঃ- খৃঃ১৪৬৭ তগী ১৫০৮ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বনা মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লিম্বোইঙম্বী পান্নবগা পোকপনি। মৈদিংঙু ক্যাম্বনা পোংনিংথৌ চৌফা খেকখোম্বগা লোয়ননা কবো তম্পাক্কি ক্যাং খম্পাৎতা লান্দামিন্নদুনা ক্যাং খম্পাৎ ঙমখি। পোং নিংথৌ খেকখোম্বনা কবো তম্পাক্কি সমজোক*

সেবা মিংনাইবা ফানথেলননে। লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী মুংয়াম্বা থেললেল নুবানযাযনে। মবাম খুনঙমথেলননে। তাম্নবোক খুল্লাকপা ফানথেলননে। লাইবেল মৈদিংঙু উবা কোম্হৌবনা[১] লাংচেং থেলকাবা হৈনৌ যুতংবদা মদাইবেম যোইবু চাবনতা যোইহৈ খোঙফাং লেংবীসিংবু সেকোইৱাগীবু চবৈ লাক মতোল পায মাললৌ যুংনা হৈবা, চবৈ অথৃপপা মাল্লৌ অচলবা মহৌ লোইকাফি, পাথৌ সানফোঙদবা ফিবু কোবৌ নোংথিল পোবোপতা থোংলমএ। অদুনোংগীবু মৈদিংঙু উবা কোম্হৌবা শিন্নৌ নমথৌথেল-ও তৌনা কৌএ।

মৈদিংঙু নোইনাই থৱাম্বাবনা লাইবেল ৱাযবা মবিখঙ তুবি মতেলচাবু লীবি থমোই তিং, ৱাযবা সেংকম থোং, লকা তেলমৈ লাক, মবিখঙনা নেম্না কাপ্লবদি নেমনা সি, ৱাংনা কাপ্লবদি ৱাংনা সি, যাযদা ফেল্লবদি লাংলেন কোঙযাং ৱাতোলথক্কি পোনবী চীংজবোই অমুববু কাপথথেলননে। মৈদিংঙু সেনবী ক্যাম্বনা থোংনাং মযাং নুংমচেংবা তৈমচেংবা কানলৈ অচঙববু

মিংনাইবা - মমিং চৎপা। লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ। মৈদিংঙু - মৈতৈ নিংথৌ। থেললেল - অথোইবা থেল। লাংচেং থেলকাবা - চীংগোল থেল কাবা। মদাইবেম - মনাই। য়োইবু - ফমথোল কাবী নিংথৌগী মনাও ইবেম্মা। চাবনতা - লন্না লন্না ফম্বী। যোইহৈ - ফমথোল কাদবী নিংথৌগী মনাও ইবেম্মা। খোঙফাং লেংবীশিং - পবেং শানা ফম্বীশিং। সেংকোইৱাগী - *ঈকাইবগী। চবৈ - ফি। মাললৌ - ফি। মহৌ লোইকাফি - মহৌ কৌবা কাঙলৃপ্না লোইপোৎ* ওইনা পীবা ফি। পাথৌ-মকপ। মৈদিংঙু নোইনাই থৱাম্বাবা খৃ ১১৯৫ দগী ১২৩১ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। ৱায়বা মরিখঙ - লীকুং তেল। ৱাযবা সেংকম থোং - লীকুং তেলদা তেঞ্জৈ থোংবা, তেংগা থোংবা। লাংলেন - ৱা। কোঙযাং - ৱা। পোনবী - উচেক। চীংজবোই অমুবা - উচেক চরোই। থোংনাং - মযাং। অচঙববু - অহিংববু।

---

* অমসুং খম্পাৎ লম্বু মৈদিংঙু ক্যাম্বদা খাইবিবমদুনা কবো তম্পাক মনিপুবগী ওইখি। হান্না লৈকাই লাকপা মরিনা চৈ মতোন্দা সরীক থাংলগা সগোল তোংদুনা চহী লোইবে হায়না লাউদুনা চৈবাউবগী পাউ চেল্লম্ববু মৈদিংঙুসিগী সনা হাক্তক্তা খৃঃ ১৪৮৫ দগী হিযাঙলোইনা চৈথাবা হৌহনখি। মৈদিংঙুসিগী মতমদা অহল্লূপ নহাকুপ পানাগী লোযসঙ লিংখত্তুনা থাঙযি লম্লৈযাঙবনা অহল্লুপ লাকপা অমসুং মোইরাংগী ইৱাংবমচা নানবা সবাবনা নহাকুপ লাকপা হৌহনখি।

১ মৈদিংঙু উবা কোম্হৌবা ঃ- খৃঃ ৫৬৮ দগী ৬৫৮ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু উবা কোম্হৌবা অসি মৈদিংঙু শমৈবাংনা কম্বোং নিংথৌ চনু লাইবৈমা পান্নদুনা পোকপনি। মৈদিংঙুসিনা পানবা মতমদা সেল্লোই লংমাইশিংনা হাওকপ চীংশাং খুনফম ঙাংচেংদা লান লাকপদা মৈদিংঙুগী মনাই নোংবান কদেম সোযশেনববু লাকচনা তৌবম্মি হাযবগী মলোম্মা সেল্লোই লংমাইশিংনা হল্লকপদা নাগা তুবেল মকুদা লুমদুনা ঙম্না হাংখি। থৌদোক অসিদা সেল্লোই লংমাইশিংগী মশাদগী শীম্বকপা ঈনা নাদা শাংদা কাবে হাযবগী নাকা হায়না থোনখি। নাকা (নাগা) তুবেল অসি তাইবেনপোকপী অমসুং লুৱাংশঙবম মতাই খুল অনীগী মরক্তা চেনবা তুবেলনি।

ফানথেলনে। মৈদিংঙু সেনবী মুংযাম্বনা ললহাং খুনঙমথেল, অপূং মিংনাইবা ফানথেলনে। তোপা ফৌথাবা, ললহাং সাহুৎপা ফানথেলনে। মৈদিংঙু সনা হিহোলহল[১], তুবি তোংদোই লাম্বাবা, লাইবেল সেনবি খাগেম্বনা ঙাংচেংচীং মথক্তা পূংমা থোল্লমএ। পূং মথক্তা থেলমা খেৎএ। থেল মথক্তা সঙমা সাইএ। সঙ মনুংদা তবা লূকমায বেম, হৈবাঙ মথেল তৈনা তাউখঙখিএ। তাউজিং মসুংমবু চাববদি যাকুমথেলনে, ঙাইবোং সিংপাকমবু তংলবদি লৈসাথেলনে। তনবা খুমাঙ কোক্তবা, কাওবেল লাইথেং থোইদবা পজেং থোনমা ৱাৎপনা পাথৌ সেনকোইথেলনে। তনবা খুমাঙ কোকপা, কাওবেল লাইথেং থোইবা, পজেং থোনমথক্তা থোনমা থোইবা, ফিবাল নামমথক্তা নামমা হেনবা, খুবোমযাই সিবোনবা, খুদাং যাইচাউ সিবা, চপথাং যাগা তানবা, লুপা খোঙগ্রাই মতোল লোম্বা, পানবা কৈসকপা, কৈবেল তেংথাবনা হেকঙাই পাউথংথেলনে।

লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বা তুবি ৱাযবা মবীখঙ, খাগি খুনঙমলী চাওফা হোঙদৈ ফানবী, লাইবেল ৱাযবা মতেলচা, কাসান খুনঙমতেল হুযেন লমসিংপু মিংনাইবা ফানথেল, মচীন কোনঙৌ হাযহৈ তোপ্পা, চেঙজা লুমলেন তুনানা সাবা, সৱা চীং খোইনিংনানা নপপা, তুনুং লংলামনা পাফনতেন, খোযমা লাংদোলথক্তা লমদলতেলনা হাওবৈ নোংচুপ লাইনা পাংনা কাপ্লবদি সেনবী তেখাও নিংথৌ, সনা চীনবানথোংনা চাসাযবা, লুপা চীনবানথোংনা লীযোংবা কাপথথেলনে। হাওবৈ নোংচূপলা পাংববমদা কাপ্লবদি থোংনাং মযাং নিংথৌবু কাপফৎতেলনে। লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বা থেললেন নুবালচালনে।

মৈদিংঙু সেনবী মুংযাম্বা - খৃ ১৫৬২ দগী ১৫৯৭ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। ললহাং - চীংগী খুল অমা। মিংনাইবা - মমিং চৎপা, অফাওবা। তবা - চাক। তাউখঙখিএ - পীখিএ, কৎখিএ। তাউজিং - হৈ। ঙাইবোং - শিং। কাওবেল - সল। পাথৌ - মকপ। সেনকোযথেলনে - ঈকাইবা নংবা থেলনে। পানবা - কৈ। লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ। মৈদিংঙু সেনবী খাগেমবা- খৃ ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। তুবি - মৈতৈ নিংথৌ। ৱাযবা মবীখঙ - লিকং তেন। খাগি - চাইনাগী মী। চাওফা হোঙদৈ - খাগি লৈপাক্কি নিংথৌ অমা। হুয়েন - লান। তুনুং - লং। খোযমা - নাপি। তেখাও - আসাম। থেললেন - অথোইবা থেল, অচৌবা থেল।

---

১ মৈদিংঙু সনা হিহোনহন ঃ- খৃঃ ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু খাগেম্বনা খাগিগী চৌফা হোঙদৈ ফায় হায়বগী খাগেম্বা (খাগিঙম্বা) কৌদ্রিঙৈ হান্না কৌরম্বা মিংনি। নিংথৌ অসিগী হান্নগী মপূং ফাবা মমিংদি সনা হিহোনহন পোইরৈ নিংথৌহনবা হায়বা মিংসিনি।

মৈদিংঙু পুন্সিবনা চৱৈ ফিইনথেলনে। মৈদিংঙু নোইনাই থৱাঙ্বাবনা তাংখুল ঈতোক খুনঙমথেল, সাওম্বু ফানথেলনে। অঙৌবা নোংনিংথৌনা ক্যাং খুনঙমথেলনে, সনা নাচেপ, সনা নমখাঙ লোক্লথেলনে। মৈদিংঙু মোইৱাম্বনা[1] মকুৱৈগী থাপলালৈগী তৱেং কাপৱৈগী হাওতৱাক লানথৌয়াঙ হুয়েন কোবীলোং মিংনাইববু ফানথেলনে। থঙঙাবনা ৱাথাৱায় ৱারিংৱায় কাপোং ৱাথাঙকোক, ৱামিংনাইবনা ৱাকনৱাযনে। মৱোং লাংকপ মঙা ফাংবা ৱা, খোমলেল মঙদা ফাওবা ৱা, ঈৱেং অথৌ নাহূৎৱা, খম্নাং অনৌ নাৱেংৱা, কোঙযাং মপান লোকলৌ পল্লোল তৱেৎ খানা য়োযচানৱা, কোঙয়াং ৱাসামবু য়াল্লবদি তযম নাইসাৱানে। কোঙযাং ৱাপুন্সি ৱাবোলযামনে। কৌবা তোবে ৱানে, মনুং লৌ অচলবনে। কেগে মোইবাং চাউবা মেল্লৈবা[2] খাল্লৈ মখূৎফানে।

কৌবা ঈবোংথোং নুংবাল নাউখোংচাম্বা চাকোনথোং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো নুংবাল নাউখোংচাম্বনা চকথাঙ নাবেংথোং, কোনঙৌ

মৈদিংঙু পুন্সিবা - খৃ ১৪০৪ দগী ১৪৩২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। চৱৈ - ফি। ফিইনথেল - ফি ইনখিবা থেল। মৈদিংঙু নোইনাই থৱাঙ্বাবা -খৃ ১১৯৫ দগী ১২৩১ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। অঙৌবা - অঙোম নিংথৌ। ক্যাং - কবো তম্পাক্কি দিভিজন অমা। হুযেন -লান। মিংনাইবা -মমিং লৈবা, অফাওবা। ৱাথাৱায - ৱা থাবা মফম। ৱাবিংৱায - ৱা লিংখিবা মফম। খোমলেল - মঙ। খম্নাং - অবিবা। কোঙযাং - ৱা। তযম - মীনাই। কৌবা - লাঙ্গোল চীং। খাল্লৈ - লৌবূক।

---

১ মৈদিংঙু মোইবাম্বা ঃ- খৃঃ ১২৭৮ দগী ১৩০২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙুসি মৈদিংঙু খুমোম্বনা মৈতৈলৈমা য়াংলৈঙম্বী পান্নদুনা পোকপনি।

২. কেগে মোইবাং চাউবা মেল্লৈবা ঃ- মোইবাংগী অঙম্বনি। নোংদা লাইৱেল পাখংবনা কংলাদা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লবদা হান্না কংলাদ পাল্লম্বা খ্বাই নোংজেংবগা খৎনৱক্তুনা লান শোক্লবদা খাবা নোংজেংবনা ঙম্বদগী নোংদা লাইবেল পাখংবদি মোইবাংগী লোযবেল খুনবিবোক্তা খুনগুমদুনা লৈখি। মতম খৱা লৈবগা মোইবাংগা মীচঙ ওইদুনা কংলৈদা লান কাবক্লগা খাবশিংগা লান শোক্লবদা কেগে মোইবাংগী অঙম্বা চাউবা মেল্লৈবা শাংতোন শানৌঙম্বনা কংলাগী নুংজেং মপান্দা খাবা নোংজেংববু তেন্না থাদুনা হাংখি। খাবশিংনা মখোয়গী লুচিংবা খাবা নোংজেংবনা তুন্নবদা মথৱায় হিংনবা মায়কৈ ফাংনা চেন্নখি। খাবা কাঙলূপ অমনা অঙোমগী পুৱৈৱোম্বদা চঙজদুনা কনবিহৌখি। খাবা কাঙলূপ অমনা তাংখুল লমদা চেনখিদুনা তাংখুল মচিবা ওইখি। খাবা কাঙলূপ অমনা মখা মায়কৈদা চেনখিদুনা মহৌ লোনতাই ওইখি। খাবা কাঙলূপ অমনা অৱাং লমদা চেনখিদুনা কৌব্রু লাইখাদা খাবা উনলেন ওইখি। খাবা কাঙলূপ অমনা নোংচূপ মায়কৈদা চেনখিদুনা কবুই নুংনাং ওইখি। খাবা নোংঙানবা কৌবদি পাখংবগী ফানখোঙদা চেনশিন্দুনা পাখংবনা কনবিখি। খাবা নোংঙানবগী চাদা নাউদানা খাবা সলাইগী নোংজেংবম অমসুং খুম্নাইজম য়ূম্নাকশিং ওইখি।

পূময়োমথোং, কোরৌ পনচনথোংবু থোং হোঙবদা নুংবাল মপাচানা চংনহন্দে, লুবাং ময়েল্লুবু লান্নহন্দনা থৌখামখিএ। পোনবী লোকলৌখোংচা নৈতাঙ সেংকুরেক অঙৌবনা থোংলেল পানবৈথক্তা য়াকাববু পোনবী মঙাইরোয় চেক্লা মহিসাংবু লেংনা তিলনা য়াকাববু নুংবাল মপাচানা হোইগে হায়বসুং হোইঙমদে, লুবাং মযেল্লুসিংনা ঙাককে হাযবসুং ঙাকহন্দনা থৌখামখিএ হায়দবরা। অসুম্না থৌখামব্রাগীবু নুংবাল মপাচানা হায়নখিএ। লুবাং ইয়েল্লু সিংনা সোন্নখিএ। নুংবাল নাউখোংচান্বা অসিবু কবি খোয়নো। নুংবাল মপাচাবুদি কবমনা লাযমনবনো, লুবাং মযেল্লুবুদি কবম্না থায়মনবনো পোনবী লোক্লৌখোংচাবুদি করম্না যোইচানখিবনো হাযনা সোন্নখিএ। অদুনোংগীবু নুংবাল নাউখোংচান্বা চাকোলথোং-ও তৌনা কৌএ।

লম্লেল মদাইমদি মৈদিংঙু পোইবৈ খুমবোম্বনা যোংফু খুনঙমপূং নাউতুবা ফানপূংনে। নযু মৈদিংঙু নোইনাই থব্রাছাবনা লমযায ওকযাম ফানপূংনে। যোইবু খোইমোম লাইবৈমা নুংসিৎলৈমা মযাম্বি, মালং হুমলেনলৈমা, খোইমোম যাইবিলৈমা কাঙনৌতবাবু থৌখামফমনে। খল্লাংবা[১] যাংলৌ খনবা মসূমাঙ

কোনঙৌ পূমযোমথোং - কোনঙৌনা পূম্না যোল্লগা শাবা থোং। মযেল্লু -মাগী ধাবা নালা, মচা মশূ। পোনবী - উচেক। নৈতাঙ সেংকুবেক অঙৌবা - উবোক। মঙাইবোয় - মাগা লোযনবশিং। চেক্লা -উচেক। মহিসাং - মকপ মপিজাশিং, মকপ মপাংশিং। মযাম লেংনা তিলনা - ময়াম তিন্না। থৌখামখিএ - থামখিএ। কবি খোয়নো - কবি পূকচেলনো। যোইচানখিবনো - চানবনো। অদুনোংগীবু - অদু নুমিৎতগী। পোইবৈ খুমবোম্বা - মৈদিংঙু খুমোম্বা, খৃ ১২৬৩ দগী ১২৭৮ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ।

১ খল্লাংবা ঃ

মৈতৈগী যোৎকি নিংথৌনি। মমিং তেক তেক থাঙশাবা, লৈনুং মোবি য়োৎসুংবা কৌই। লাইয়াম্না খুন থোরকপদা খ্বাইগী ইকোন কোন্না খুন থোবকখি হায়বগী খল্লাংবা কৌই। মৈতৈগী উমংলাই মাপলগী মনুং চনবা, পাখংবগী নিংথৌ পোংবা তবা, লাইফাংথৌগী মনুং চনবা লাইনি। লাইয়িংথৌ খল্লাংবগী লাইপাদি খুনফাংথৌগী নোংথোনবনি। লাইয়িংথৌ খল্লাংববু শৈথাবদা যোৎপু চগেম শাযবগুম শায়বা, নূংবু থুম তূপ্পগুম তূপ্পা হায়না শৈথানৈ। পোইবৈ লমদমশিদা খুছোরক্লবদা য়োৎ সূবনা শিনফম ওইবা মরম্না লমদমসিদা য়োৎচাক ফংদবদগী তখেল তান্না যোৎ থিবা চংখি। তখেলদসু য়োৎচাক ফংদবদগী নাকানা চীংদোমপোক্তগী তখেল নিংথৌ মনিকখোম্বগী মচানূপী শিজ কালিকা লৌবগা লমদমসিদা অমুক হল্লকখি। য়োৎচাক থি-থিদুনা চংখিবদা ককচিংদা য়োৎচাক ফংবদগী মফম অদুদা য়োৎ সুংলগা খুন্দাখি। মবম অসিনা ককচিং খুল্লেন, ককচিং বাইরী অমসুং ককচিং খুম্নৌনা লাইয়িংথৌ খল্লাংববু ঙসিফাওবা খুভম য়াদুনা লাৎনরি।

মথেলমাঙ, অমাই ১০০, অসৈ ১০০, যোযবেন ১০০ না তবা চাকনিফম লাইজা ঈনিফমনে। পোইবৈ খুলহোঙ চৈহোঙনা খুঞ্জাউ লৈচাউ নিনফমনে, পাউসাফমনে। নায়েকফম খোঙসিৎ পললংফমনে। লমলেল য়াংলৌ নহামাঙ[1] থাঙঙা সনসেনবা কম্বোং সনঙাকপদি ফেৎমমাঙনে। উবিপোক খোংসাযাল ঙাখাপাৎ কোংতিংসোযনে। খমযেং ঙাযেংখোংনে। কম্বোং অবাই থাঙকোকপনা সোযসেলযাযনে। নোংদা লাইবেল পাখংবা মিংবু মিংনপৃংনে। মৈদিংঙু নোইনাই থৱাছাবনা লনহাং খুনঙমপৃং হুযেন লোইবী যেনলোইবা ফানপৃংনে।

মৈদিংঙু পোইবৈ খুমবোম্বনা চোযনৌ সনা খুজাই লোক্লপৃংনে। মৈদিংঙু পুন্সিবনা কম্বোং থোযা যীমমন লোক্লপৃংনে। মৈদিংঙু নোইনাই খুমবোম্বা চনু ৱাংঙম্লোন হাওখৈ লাছাবিনা লুহোঙপৃংনে। মৈদিংঙু পুন্সিবগী সবপলনে। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা কম্বোং হেমখু হেমনাইকক ৱাংলুক খোংযিবা চবা নোংদম হুন্নককপু লোক্লপৃংনে। মৈদিংঙু চৈকনথেকপা নুযাম ফাবনা কেগে মোইবাং বেসাবেল লানযাম লোক্লপৃংনে। মৈদিংঙু পুন্সিবনা নোংচূপ মবোং থেছাবমনে। ঈৱাং খোইযা চিনবা সাবেল সাচা কনববু ফানপৃংনে।

নোংবাল্লোন সেবেম্বী নোংচূপ লাল্লুমঙম্বীনা পানবা কৈবাং ফানপৃংনে। সনাবেম্বী নোযখুৎলম যাংলৌ লম্বী নোযথাবমনে। লেম্লৈ ঙামিংনবা ঙাবোইলাং সাফবা ফানপৃংনে। মৈদিংঙু সেনবী ক্যাম্বনা ঙাইখোং খুনঙমলমনে। সনবিক মোইবীক শিবী চিংলোয মচন কাপুখোনবী ফানবমনে। মৈদিংঙু খুঞ্জাউবনা খাংচুম মিংনাইবা ফানপৃংনে। লাল্লুমঙম্বীনা পানবা কৈবাং ফানবম যাংলৌ লমদাংসাংনে। মৈদিংঙু নাউফংবা মদাইবেম অমাই থাঙকোকপনা পনম

অমাই -অমাইবা, মাইবা। অসৈ - পেনা সকপা। তবা চানিফম - চাক নিফম। লাইজা ঈনিফম - ঈশিং নিফম। পোইবৈ - মৈতৈ লৈপাক। পাউস্যফম - ফাগি জোগাই তৌনফম, ৱা অওক অথোং তৌনা ঙাঙনফম। সোযসেলযাযনে - সোয শেনবা, চাবা মফম্লে। নোংদা লাইবেল পাখংবা - খৃ ৩৩ দগী ১৫৪ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। চোয়নৌ - সনা। মৈদিংঙু চৈকনথেকপা নুযাম ফাবা - মৈদিংঙু থৱাছাবা। পানবা কৈবাং - কৈ অবাংবা। মোইবিক - মোইবৃংনা শাবা লীক।

---

১ য়াংলৌ নহামাঙ ঃ

উরিপোককি মনুং চনবা মফম অমনি। নোংমা নহা খবনা লম্ফেল পাৎতা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী হি তোংদুনা শান্নবদা হি অদু সোয়দনা লূপ্লগনি হাযনা খঙলবদা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা নহাশিংদুদা হিদু তোংলুনু লূপকনি হায়না লাউবদা নহাশিং অদুনা তাদবদগী হি অদু তোংবদা ঈশিংদা হি অদু উপশিন্দুনা লূপখি। লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা চেনশিন্দুনা হিদু লোংথোক্লুনা য়েংবদা হিদুদা তোংবা নহাশিংদু থিবা খঙদনা মাঙখি। থৌদোকসিদগী হি লূপফমদুবু য়াংলৌ নহামাঙ হায়না খঙনখি।

মীয়ানফমনে। থাঙকোকপা সল্লুযালনে। লৈখাম্বা তবৈযাল পনম্বা খাকোইযাল যুফা তোংসোযযালনে। খোইমোম লাইরৈমা নুমিৎ নিংথৌ চনু সনা লোক্লাংলৈমা যাইফবীদা লোকযায পানফৌবে সিননৌ লৈকাপোক্তা তিল্লাং হাইসীৎননা হুল্লানফমনে। মৈদিংঙু সেনবী কবোম্বনা সাযবা পল্লিংৱায়নে। থোংনাং খুনঙমপল তৌমা খবাবা ফানপলনে। মৈদিংঙু নোইনাই থৱাম্ভাবনা পাসি খুনঙমপৃংনে। থোঙলৈমা থোঙনিংথৌ ফানপৃংনে।

যাংলৌ মদাইমদি মৈদিংঙু সেনবী ক্যাম্বনা তেখাও খুনঙমপৃং চীংচাবোঙ লানমিংনাই ফানপৃংনে। মৈদিংঙু সেনবী কবোম্বনা তখেন খুনঙমপৃংনে। অমালমনিক ফানপৃংনে। নোংবাল্লোন হাওচোংঙম্বী[1] খাগি কৈথেল থানবীনা হাওচোংলৈমা কৈবেলথানবী মপাবি পল্লেম পিবৃকনুংগী সাবেল সামিংনবা ওম্বা লাম্বৌযাঙ ফানপৃংনে। মৈদিংঙু চৈকনথেকপা নুযাম ফাবনা[2] যাবৌ হিথাপৃংনে। কম্লোং পযাকোৎ সিলহৈবা সিনতাইবা হাওকেসু ওইনবা ফানপৃংনে। মৈদিংঙু সেনবী কবোম্বনা কাইবম খুনঙমপৃংনে। যেকচম পুবাইবোংবু ফানপৃংনে। নোংবাল্লোন লিম্বোইঙম্বীনা যাঙলা লংথোংপৃংনে। অবাই লাংথাবৌনে।

মীযানফম - মীহাৎফম। খোইমোম লাইবৈমা - লাইবেম্বী। মৈদিংঙু সেনবী কবোম্বা - খৃ ১৫২৪ দগী ১৫৪২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। সাযবা পল্লিংবায় - তিংখংনা সম্বল খাবা মফম। থোংনাং -মযাং। তেখাও - আসাম। লানমিংলাই - লান্দা মমিং চৎপা। নোংবাল্লোন - অঙোম যেক ওইবী চনু। মপাবি - মচানিপা। সারেল সামিংনবা - সাগী মমিংগা মান্নবা। লাম্বৌয়াঙ - লান্দা থৌবা। য়াবৌ - সা। নোংবাল্লোন লিম্বোইঙম্বী - খৃ ১৪৩২ দগী ১৪৬৭ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী লৈমবেম্বী।

---

১ নোংবাল্লোন হাওচোংঙম্বী ঃ

খৃঃ ১৫৪৫ দগী ১৫৬২ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু চলাম্ববু পোকপীনি। মৈদিংঙু থংবী লাম্বুবদগী সৃবোন মঙাসুবা সানোংবা লাল্লুমখোম্বনা নোংবাল্লোন হাওচোংঙম্বীনে লৈচোল্লাকপা তোল্লোংখোম্বা চনুনে নুপী অনী পান্নবগা অঙোম চনু হাওচোংঙম্বীনা খোংনাম্বগা চলাম্বগা মচানিপা অনী পোক্লগা মৈদিংঙু তাংজাম্বগী মথংদা চলাম্বনা নিংথৌ ওইখি। হাওচোংঙম্বী কৌদ্রিঙৈদা হান্না মবাম্বী কৌবম্মি। কবুই হাওচোং অতন লমদা লান্দাদুনা হাওচোংলৈমা কৈরেন থানবীগী মচা ওমা কৌবগা লোয়ননা কবুই লাল্লোই তক্কপু ঙম্বদগী হাওচোংঙম্বী হায়না কৌখি।

২ মৈদিংঙু চৈকনথেকপা নুয়ামফাবা ঃ

খৃঃ ১৪০৪ দগী ১৪৩২ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু পুন্সিববু মৈদিংঙু চৈকনথেকপা নুয়াম ফাবা হাযনসু কৌই।

নোংবাল্লোন সনাবেম্বীনা[১] নৈমা মঙাইবোয যোইহৈ সলকন মফেৎলোয়গা চবৈ ফিবোয থৎনা মাল্লৌ লনখাইপূংনে।

লম্লেন খল্লাং মোইকাইচীং কৌবদি কদৌনোংগীনো। কেগে মোইবাং খোযবা লাংমৈবেম্বনা পোইবৈ যীমচঙলকঙৈদা ব্রাংগোল লাংমৈ থাংঙৈদা মোংবা যীমমি লাক্কে কংলা সঙলেপ তমগে হাযনা মবাল থৌচৎলকপদা মৈদিংঙু মদাইবেম মমোম তোংচেং থব্রান ফাবিচানা হুযেন লানতানলকএ। হকচেং সমগে মমাল লৌগে লৌবৌদে। হিনাউ কোযবেলথক্কি লিকোল মোইকোই তোপ্পবু খল্লাং মোইকাযও তৌনা কৌএ। থাঙলেন মখূৎসূনা যানখাযবৌএ। অদুনোংগীবু লম্লেন খল্লাং মোইকায-ও তৌনা কৌএ। থোংলেনযাযনে যাইখুযাযনে। মৈদিংঙু নোইনাই থব্রাহ্বাবনা পাসি খুনঙমপূংনে। হুযেন লান্নিগীদি পাসি চুকোক লাইহাবা খুমাবোং মৈমাবা ফানপূংনে।

লম্লেন মদাইমদি মৈদিংঙু থাঙব্রাই নিংথৌ মুংযাম্বনা থাংগান[২] খুনঙমপূংনে। হামেঙবা ফানপূংনে। যাংলৌ লম্মখৈ কংলৈ লৌচিপাল অঙৌবা

মঙাইবোয - মাগা লোযনবা। যোইহৈ - ফমথোল কাদবী নিংথৌগী মনাও ইবেম্মা। মফেৎলোয - মকুপ মপিজা। ব্রাংগোল - চাবোকফম। মোংবা - যূম। মবাল - মযূম, লৈফম। মদাইবেম - মনাই। মমোম - মচানুপি। হুযেন লানতানলকএ - লান তাল্লকএ। অদুনোংগীবু - নুমিৎ অদুদগী। লম্লেন - লম। হুযেন লান্নিগীদি - লানফম অদুগীদি। যাংলৌ - লম্বী। কংলৈ খুবায ব্রাংখৈ খ্বাই যাইস্থুল নৈকাই মবিগী লম।

---

১ নোংবাল্লোন সনাবেম্বী ঃ

মৈতৈলৈমা সনাবেম্বী অসি অঙোম সলাইগী হিখাম হাযবা যুম্নাক্কি নিংঙোলনি। খৃষ্টী চহী ১৩৩৫ দগী ১৩৫৫ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু তেলহৈবনা পান্নবগা মৈদিংঙু তবুংববু পোকপীনি।

২ থাংগান ঃ

ইম্ফালদগী অব্রাংলোমদা ইম্ফাল পাঙ্গে লম্বীদা চৎলগা লৈবা চীংগী খুল অমনি। মনিপুবগী পুব্রাবীদা থাংগাল খুলগা মবী লৈনবা ব্রবী অমা লৈ। মৈদিংঙু পামহৈববু (গরিবনিব্রাজ) হেক পোকপগা থাংগালগী খুল্লাকপা খুল্লাকপীগী মযূমদা থৈদুনা চাউনবা য়োকহনখি। মসিগী মবমদি মৈদিংঙু চবাইবোংবগী লৈমবেম্বী শাৎপম চনু নুংথিলচাইবীগী পীবৃকনুংদা মৈদিংঙু পামহৈববু খোযজি মিহুল তম্লবদা নিপা পোক্লবদি মচাগী মখৃত্তা মপা ইবুংঙো চবাইরোংবগী থব্রায মাঙগনি হাযনা মাইবী লাইফাও পীবদগী পীবৃকনুংগী নাব্রানা তাইবঙ ফাওবা ঙাইববদা নিপা ওইনা পোক্লকপদগী মমা শাৎপম চনু নুংথিলচাইবীনা মাযয়োক্লবী মাইবীগা শরৌ শীন্নদুনা পোকপদা ঙাইবিবা পামহৈববু লোন্না থাংগাল খুল্লাকপীদা শিন্নখ্রগা অঙাংগী মহৃত্তা নুংদুম ওইনা পোক্লে *

সনা নাম্ভা কংদাবা চনু মোম্লু কোনলোয মখুদোপনা তেকপি ওকথাকখোংনে। চবৈবোন পাংকাঙম্নীনা চোযনৌ সনা সেংতেংকোল অপানবা লোক্লপৃংনে। লোকলৌ তাচি সাবা তযোৎলং লংচৈ লোক্লপৃংনে। অবাইথাকপা মবৌপালনে। কম্বোং নাবল লৌনে। ফিতুপ ফিতাই চনু চকমোম তেমখাঙ লোনবী লোইদাম থাবু ফাবি, লমবুন ৱাযবা লাইবু খোইমোম কাবকপদা সঙদিং মাযতৈ তেম, তেমলাং মখৃৎসৃনা খোইমোম ল্যাইহাৎকোলনে। লেম্লৈ খুমিৎপা খুদাং যাইখুবা খোংলেনযাযনে। লৈমা সাংকোংনু লৌথিবী ৱাংখৈ ওর্কথিযাম নিংঙোলবী নোংমলখোং, লৈমা যাংতলনুবীদি হলৱাযখোং, খোংলেল হেমদৌযায চাংকাবমনে।

যাংলৌ মদাইর্মদি মৈদিংঙু নোইনাই থৱাম্ভাবনা কোন্তে লাযবা সন্দং চাবোইবা ফানপৃংনে। থোংনাং মযাং কবোবাইবনা লাংগোই সাচেল লমনে। নোংচুপ ৱাংগোলমালনে 'মৈদিংঙু তবুংবনা' অযাঙ মনাও লৌথিবা কৈকামুং নুংসুকপা ফানপৃংনে। লেম্লৈ খাঙা খাইচাসোযনে। তমদা তানা ঈমুনসোযনে।

যাংলৌ মদাইর্মদি লম্নাল খোইবোঙপাল, লৈমোন চাকোইপাল কৌবদি কদৌনোংগীনো। যাইফুংবান তিমেনবা চনুনা থংলেন মনেম্মচা

মোম্লু নুপী। কোনলোয খুদোপ। তেকপি ওক। চোযনৌ সনা। চকমোম মৈ। সঙদিং ইযোং। খোইমোম লাই। লৌথিবী পুকচেল ফত্তবী। নোংমলখোং শিখিবা খোং। যাংলৌ মদাইর্মদি লম্বী অর্মদি। লাংগোই সগোল অযাঙ ফমথৌ, অঙম অথৌ। লৌথিবা শাথবা, মী ফত্তবা। লেম্লৈ ঙা। কদৌনোংগীনো - কবিদগীনো। থংলেন -মৱা মপুবোইবা।

---

* হাযনা ঈনর্মখ। মৈদিংঙু পামহৈবনা পুংকক চাউবক্লবা মতমদা থাংগাল খুলনা লোইপোৎ কাবক্তবগী মৈদিংঙু চবাইবোংবনা থাংগাল খুলদা লান চৎপদা পামহৈববু উবদা নুংশিদুনা মচা শক্লা যোকচকবগে হাযনা মমান্নবা খবগা লোযননা সনা কোনুংদা পুবক্তুনা মচা শক্লা যোকখি।

১ মৈদিংঙু তবুংবা ঃ

খৃঃ ১৩৫৯ দগী ১৩৯৪ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু তেলহৈবনা মৈতৈলৈমা সনাবেম্বী পান্নবগা মৈদিংঙু তবুংবা পোকখি। মৈদিংঙু তবুংবনা মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লম্ফেলঙম্বী পান্নবগা মৈদিংঙু পুন্সিবা পোকখি। অৱাংলমগী চীংশোং খুলনা লোইপোৎ পীবক্তবগীদমক চীংশোং খুন্দা লান্দাবদা চীংশোং নিংথৌ খামলংবনা মতু লাবা লাশংনু শাফবীগী মলোম্না মৈদিংঙু তবুংববু মনাই অকাংজমচা তোনখৈবগা লোয়ননা হাৎখি। লাবা লাশংনুবু মৈদিংঙু তবুংবগী অককপা মকোক্কা লোযননা তাম্ভোবকপদগী শম মনুংদা মৈদিংঙু তবুংবগী মকোক হাপ্লগা কংলৈ লম তান্না কৃন্নকখি। মবম অসিনা লারা লাশংনুবু হাওবৈমা শম্নুবী হায়না খঙনৈ।

লুৱাং কাংবা নূংসন তানববু[১] হায়নিংঙাইবু লৈবসুং চীনগোয় যাম্না পল্লমদে হায়না পন্না পন্না সোল্লমএ। অদুনোংগী য়াংলৌ লৌচিনপান-ও তৌনা কৌএ। থোংলেন লৈসিচাক লমপা খানানম অসিবু থংলেল লুৱাং নহাগী নমদা হাংদবু কবম্না মানবনো হাযনা নম্না নম্না সোল্লমএ। অদুনোংগীবু নম্বোলও থোন্নেএ। যাইফুবোন তিমেনবা চনুনা মথংলেলবু ঈন্দাল্লকপদা লম্লেল মদাইমা অসিবু কবম্না কোইবু কোইবনো হায়না সোল্লমএ। অদুনোংগীবু চাকোই-ও থোন্নএ। খুযা মখুদোনবু মোন্না মোন্না চৎলমএ অদুনোংগীবু লৈমোন-ও থোন্নএ।

চাকথা মাম্থাচা লানসু মীনামুং লেবা মীবাংচালনা লমবাল খোইথিবন্নে। খোইচু লৈমোনপালনে। পিতিংকোই লানবিচা নিংথৌ সোপাইবা[২] তল্লা উবিংকোল উকোযবেং সাফবনা তল্লা উযোককোলনে। মৈদিংঙু নোইনাই খুমবোম্বনা হাওকপ সাতা কৈবাংলমনে। মৈদিংঙু নাউথিংখোং মঙাংঙম্বা খাল্লে লৌবাংচালনে। লমতু লৌবেম্বনে। পাবৌখুবী উসোংকাবীনা খাল্লে লৌকূমলমনে। পুবৌহনবী উসোংফাবী খাল্লে লৌতাৱাযনে। যোইহৈ হৈবোইনাই নোংবাল সবিমোনবী সঙখুবী লমতু লৌহোঙবী ৱাংঙম নহা থিংনাং সংকলচাম্বগী

থংলেন - মৱা মপুবোইবা। ঈন্দাল্লকপদা - য়ৌনবা লাকপদা। লম্লেল মদাইমা - লম মখল অমা। অদুনোংগীবু - অদু নুমিত্তগী। লেবা - ঙল্লিঙৈ মতমগী মীওই কাঙলূপ অমা। মীবাংচাল - মী ফত্তবা। লমবাল - লম্বী মপাল। খোইথিবম - খোই থিবা লম। তল্লা উবিংকোল - উ থাবা, উ লিংবা মফম। উয়োককোল - উ যোকপা মফম। খাল্লে - লৌবুক। যোইহৈ - ফমথোল কাদবী নিংথৌগী বানি। ৱাংঙম - মৈতৈ।

---

১ লুৱাং কাংবা নূংসন তানবা ঃ

খম্নুং লৈবাক্তগী মতৈমা লৈমা লৈনাউতাবী অমসুং মীওই কয়া অমগা লোয়ননা লমদমসিদা খুম্থোবকখিবা চীংখোঙ পোইরৈতোন্না মনিপুবগী চীংগী লমশিং অমদি কবো তম্পাক্কি মফম কয়াদা কোয়না চত্তুনা শিবোই নাবোইদবা মফম থিকম্বগা শিবোই নাবোইদবা মফম থিবা ফংলক্ত্রবদা মমৈদা লমদেংদা খুন্দাদুনা লৈববদা মহাক্লা খুন থোরকপদা নূংথোঙ হাংনখিবা সলবু শেনবদা সল অদু নূং ওনবদগী চীংখোঙ পোইবৈতোনবু কাংবা নূংসন তানবা হাযনা কৌখি।

২ নিংথৌ সোপাইবা (সাপাইবা) ঃ

নিংথৌ কাংবগী চাদা নাউদা ওইনা চত্থবকপা মীশক্তি। পাম্থোইবীনা খাবা তবম খোইনুচাদা লুহোংদুনা ময়ূম পান্দ্রিঙৈদা নিংথৌ সোপাইবনা পাম্থোইবীবু মাগী তালোয় শীংদা চন্নবগীদমক মনাই থাদুনা হায়হল্লবদা পাম্থোইবীনা নিংথৌ সোপাইবদা লৈবা য়াখিদে। মমৈদা কংলাদা পানবা কংলৈ মপু খাবা লৈরেনখৈগী মচানিপা খাবা তবম খোইনুচাগীদমক হায়না শীংনবদা পাম্থোইবীনা য়ারদুনা খাবা তরম খোইনুচাদা লৈখি।

মপললোন যোইবু উসোঙ লুঙম্বীনা নুবা হোঙখু নাসিনা কোনপেক তুংথংনা ইল্লুম নম্পোক সেল থিংলৌ চিবিপোম্বু ঙৈথোম্লনা কোঙযাং চূপলেল যুং, লোক্লৌ সাযী তৈ, থাঙঙা কম্বোংলৈ যেনবা তুসেক সাববু লৈবাং খোক্লোই থেংনা খাল্লে লৌতাৱাযনে।

হুয়েন লান্নিগীদি কেগে মোইবাং কবাং খাকসংযাং ফানবৌনে। লমতু লৌবেম্বনে। লম্লেল ফেনতাকলেল তোকফম লাই নামুংনে। লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বা কৈবেল মখুৎফানে। লম্লেল মদাইমদি মৈদিংঙু পুন্সিবনা হুযেল মোইবিংঙা ফানপূংনে। মৈদিংঙু নোংইনফাবনা[১] সমপুম খুনঙমপূংনে। চাখা নোংইনববু ফানপূংনে। লম্লেল মদাইমদি চীংখোঙসুম্বা কেক্রুপান্নে। মৈদিংঙু পুন্সিবনা কসাল সংকৎলমনে। মৈদিংঙু উবা কোন্থৌবনা[২] চীংসোং লুথাপূংনে। মৈত্রেমা নোংবাল্লোন লিপ্থোইঙম্বীনা থাক্কলৈমা মোন্দুম লোইবী হেমখুবৈমা ক্লাথাবী ফানপূংনে। মৈদিংঙু চৈকনথেকপা নুযামফাবনা সাযবা পল্লিংৱাযনে। পননিগীদি লাংহৈপলনে। খোংনিগীদি লাংহৈখোংনে।

মৈদিংঙু সেনবী ক্যাম্বনা চীংসোং খুনঙমলমনে। হুযেন লান্নিগীদি তাউবা কৌবা হূইমিংনবা সেবাং কপালৈ মিংনবা মেল্লাং কৌবা ফাচাবেম্বা হোংকুবাকপা লাসা কৌবগা চীংসোং খাবমমাবী হাওনু চংখান্নু সাফবী ফানবম্লে। কৌবা সাংনে। লমদাংসাংনে। ৱাংঙম্লোন তখেলচাইবী খাগী কৈথেলথানবীনা মুনু খুনঙমপূংনে। নৃংখেৎ ফানপূংনে। কৌবা মদাইমদি ঈবোং লাম্থাবা লাইবেল

মপললোন - মপল্লৌ। যোইবু - খোযদাবী। নুবা -নুপী। হোঙখু - অঙৌবা। নাসিনা - নাদা শিবা, চিনবা। ইল্লুম-যেম্পাক। নম্পোক - নুংশা মৈশানা নম পোকপা। কোঙযাং চূপলেল যুং - ৱানা চূক যুংলগা। লোক্লৌ সাযী তৈ- হুমাংনা চোৎনা। যেনবা তুসেক সাবা - যেনগী মতু মানবা। খাল্লে লৌতাৱায - লৌবৃক্তা লৌ তাবা মফম। লম্লেল - লম। কৈরেল - ফৌ হাপ্পবা অচৌবা কৈ। হুযেল - লান। কেক্রুপান - কংলাগী অৱাং থংবা হোজঙগী মনীং থংবা লম। চীংসোং - অৱাংলোমদা লৈবা চীংগী খুল অমা। মৈত্রেমা - মৈতৈলৈমা, মৈতৈগী মহাৱানি। হূইমিংনবা - হূইগা মান্নবা মমিং।

১ মৈদিংঙু নোংইনফাবা ঃ

খৃঃ ১৫২৩ দগী ১৫২৪ ফাওবা সূপ্নগী চহী অমতমক নিংথৌ ওইখিবা মীশক্লি। মৈদিংঙু লমক্যাম্বনা চাখা তাংখুলঙম্বীগা খয়োয়বোন চংনিংফাবিগা পান্নদুনা চংনিংফাবিনা মৈদিংঙু নোংইনফাবা পোকখি। মপা মৈদিংঙু লমক্যাম্বা নোঙ্গাববদা মশাগী চহী তরাদা ঙায়রিঙৈদা অঙোম নিংথৌ ক্যাম্বনা উবেকশেৎ চাশঙবা চিনববু মৈতৈলৈমা চংনিংফাবীনা অঙোম্লা উবেকশেৎ চাশঙবা চিনবা য়াদবনি হায়না থিংলুবদা অঙোম নিংথৌ ক্যাম্বনা শাউদুনা মৈদিংঙু নোংইনফাবা অমসুং মমা মৈতৈলৈমা চংনিংফাবী মমা মচা অনীবু হাৎখি।

তেল্লোং তেকপা ব্রাকাউদবনা[১] চীংসোং খুনঙমপৃংনে। মৈমু য়াংসাংবা ফানপৃংনে। মৈদিংঙু কাইনৌ চলাম্বনা চাল্লৌ চাচেনপৃংনে। হুয়েল মোইবাংববু ফানপৃংনে।

নোংবাল্লোন খুমনখোম্বী[২] পৃংলেন মখূৎফানে। মৈত্রেমা নোংবাল্লোন যাউসোম্বী[৩] পৃংলেন মখূৎফানে। মৈদিংঙু নোইনাই থব্রাম্বাবনা সীংকাপ খুনঙমপৃংনে। অঙৌবা নোংনিংথৌনা হুযেল হোপপু ফানপৃংনে। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা লাইজা ঈথেমখোংনে। মৈদিংঙু পুন্সিবগী লেম্লে ঙাবোইখোংনে। মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা মবিং খুনঙমপৃংনে। হুযেল লাম্লিগীদি মবিং মোইখোঙ মচন চুল্লক অপিসা ফানপৃংনে। লৈচোনলাকপা তেল্লোংখোম্বা পৃংলেন

মৈদিংঙু কাইনৌ চলাম্বা - খৃ ১৫৪৫ দগী ১৫৬২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। চাল্লৌ - লা। মৈত্রেমা - মৈতৈগী মহাবানি। মৈদিংঙু নোইনাই থব্রাম্বাবা - খৃ ১১৯৫ দগী ১২৩১ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। অঙৌবা - অঙোম নিংথৌ। নোংনিংথৌ অবাং পাখং যোইবেম্বা। মৈদিংঙু নাউথিংখোং - খৃ ৬৬৩ দগী ৭৬৩ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। লাইজা-ঈশিং। লেম্লে-ঙা। অপিসা - অপিকপা।

১ লাইবেল তেল্লোং তেকপা ব্রাকাউদবা :

খৃঃ ১১৯৫ দগী ১২৩১ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু থব্রাম্বাবগু তেল্লোং তেকপা ব্রাকাউদবা হাযনসু খঙনৈ। মৈদিংঙু থব্রাম্বনা অঙাং ওইরিবদে নোংমা পলেম মমা লিনসুবোল খুবোইঙম্বীগা মখা লমদা চৎলুবা হল্লকপদা লমখাঙদা ব্রাযথৌ চীংগোলদা নিপা মবিখক্লা মৈদিংঙু থব্রাম্বাবনা পাযবকপা লোঙবু মুল্লগা থুদেকপিখি। মমা মচানা অতেকপা লোঙ অদুবু পুদুনা লাক্লগা মমানা শগাই মথক্তো থাংগৎলগা থমখি। মৈদিংঙু থব্রাম্বাবনা চাউবক্তুনা মপাগী মহূৎ শিন্না নিংথৌ ওইববদা নোংমা শগাই মথক্তো থম্বা লোঙ অতেকপদু উকবদগী মমাদ কদাইদগী অতেকপা লোঙনো হাযনা হংবদা মহাক্লা অঙাং ওইবিদৈঙেদা থোকখিবা থৌদোক পৃম্বা লীদুনা তাহল্লবদা মৈদিংঙু থব্রাম্বাবনা শাউদুনা মাগী লোঙ থুদেবকখিবা মীশকশিং অদুবু মনাই থাদুনা ফাহলখি। থৌদোকশিদগী মৈদিংঙু থব্রাম্বাববু তেল্লোং তেকপা ব্রাকাউদবা হায়না খঙনখি।

২ নোংবাল্লোন খুমনখোম্বী :

খৃঃ ১২৭৮ দগী ১৩০২ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু মোইবাম্বগী মৈতৈলৈমনি। মৈদিংঙু মোইবাম্বনা মৈতৈলৈমা খুমনখোম্বী পান্নবগা মৈদিংঙু থংবি লাম্বুবা পোকখি।

৩ মৈত্রেমা নোংবাল্লোন যাউসোম্বী :

খৃঃ ১২৪৭ দগী ১২৬৩ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু পুবাম্বাবগী লৈমবেম্বীনি। লৈমবেম্বী যাউসোম্বী অসি হান্না য়াউসোম্বী কৌদ্রিঙৈদা মেন্তাক লাম্বাবী কৌবস্মি। মৈদিংঙু পুবাম্বাবনা মৈতৈলৈমা যাউসোম্বী পান্নবগা মৈদিংঙু কোংযাম্বা পোকখি।

মখূৎফানে। কাসান খুনঙমপূংনে। হুযেল লান্নিগীদি পসোৎ থাবা মাবেম সেম্বা নেমথাং চাহৌতবা লানমিংনাই ফানপূংনে। থোংসি পুখ্রনবনা যোংফু খুনঙমপূংনে। থাঙ্গা মোইকায ফানপূংনে। হাওবৈমা তমহৈবী[১] চংবি মকৈবেল কৈবেল মখূৎফানে। নীংনা কৈতাবী যাংনা কৈতাৱাযনে। হাওবৈমা তমহৈবী কৈবাংচালনে।

মৈদিংঙু নোইনাই থৱান্থাবনা কাসান খুনঙমপূংনে। হুযেল ফাথি পাসেৎপা নেমসাংচা ফানপূংনে। মৈদিংঙু নোইনাই থৱান্থাবনা লেশ্লৈ ঙাতাখোংনে, লম্লেন কৌরোঙপাৎনে। থংদা নোংবাল্লোন পাংকাঙম্বীনা লীক্লাং খোমহানপূংনে। মৈদিংঙু চীংলম কাইঙম্বনা যাওসু লমখামপূংনে। লম্লেন মদাইমদি লাঙচঙ খুনঙমপূংনে চৌফা লানথৌযাঙ ফানপূংনে। খুবাযবাকপা ফিযিনখানবনা অৱা পোথাপূংনে। হুযেন লান্নিগীদি লাংতৈবা ফানপূংনে।

মৈদিংঙু থংবি লাম্থাবনা থৱায খুনঙমপল, মখিবা ফানপূংনে। সাযবা পল্লেলযাযনে। কৌবা মদাইমদি নযু মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা অযাঙ লমলোইফমনে। মদাইবেম সমৈবাং লাঙকমপাম্বনা অযাঙ লমথাপূংনে। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা কেগে যোযবা ফাল্লৌচাম্বা মসানৌ কবাং খাঙসঙযাঙ ফানপূংনে। পাৎনিগীদি লাইবেল নাউথিংখোংনা খোঙহামপাৎনে। মৈদিংঙু কাইনৌ চালাম্বনা থোংনাং খুনঙমপূংনে। নানবা সাযবা ফানপূংনে। থাঙৱাই নিংথৌ মুংযাম্বনা মবাম নিংথৌ তোল্লোইপু ফানপূংনে। মপাবি মৈদিংঙুচা মযাম্বনা থোংনাং মযাং নিংথৌ প্রতাপ নবাযন ফানপূংনে।

মখূৎফা - মাগী ওইদুনা লৈববা। হুযেন লান্নিগীদি - লানফম অদুগীদি। লানমিংনাই - লান্দা মমিং চৎপা। চংবি মকৈবেল - লফু চংবি হৌবা অচৌবা কৈ। মৈদিংঙু - মৈতৈ নিংথৌ। হুযেন - লান। লেশ্লৈ ঙাতাখোং - ঙা ফাফম ওইবা খোং। লম্লেন - লম। থংদা - চনু, নিংঙোল। নোংবাল্লোন - অঙোম যেক্লি চনু নিংঙোলবু খঙনবা তেংথা। লানথৌযাঙ - লান্দা মথৌনা ফবা। খুবাযবাকপা - ফম অমা। মৈদিঙু থংবি লাম্থাবা - খৃ ১৩০২ দগী ১৩২৪ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। সাযবা - তিংখং। কৌবা লাঙ্গোল চীং। মদাইমদি - মফম অমদি। নযু - নবুধৌ। অযাঙ - ফমথৌ ফম্লুপ। মদাইবেম - মনাই। কেগে- মোইবাং। মসানৌ - মনাওনিপা। মপাবি - মচানিপা।

---

১ হাওবৈমা তমহৈবী ঃ

খৃ ৯৮৪ দগী ১০৭৪ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু কাযনৌ ইবেংবগী লৈমরেম্বীনি। মৈদিংঙু ইরেংবনা মৈতৈলৈমা হাওবৈমা তমহৈবী পান্নবগা মৈদিংঙু লোযযম্বা পোকখি।

মৈদিংঙু কোংযাম্বনা[১] ইঙেল লানয়াম থানপূংনে। ময়াং মাইবা সমলোইবা তিংকুবাচা ৱাসকপা অফেবাজা থাঙযান কনবা অবিংতাউ অবাংতাও লাক্কা সুমকাতাউ ফানপূংনে। মৈদিংঙু নাউফংবা[২] মদাইবেম অমাই থাঙকোকপনা পনম লাইয়িনফমনে। থাঙকোকপা সল্লুযান পনম লাইয়িনফম্লে। পুনেম সাফববু ফানপূংনে। অদোন নোংযাই হাওচা লালপাম্বা ইংলেল লৌপাম্বা খোংচা পূংপাম্বা হৈবাঙ খোংপাম্বনা মসা মদোম মহক তোইনা যাল্লে। অদুনোংগীবু সাযাল-ও কৌএ। হযেং কৌবা চীংনুং সোযবকলবদা মমোম পেস্মনা ঈন্দানখিববু মতুতোন্দি তুৱাতোন্দি চিখিক থোংঙমএ। সাবেল যাইনমঙমএ। মতুতোলনা

মৈদিংঙু - মৈতৈ নিংথৌবু খঙনবা মিংগৌ। মদাইবেম - মনাই। অমাই - অমাইবা, মাইবা। পনম - চথোকপা, কোয়থোকপা। অদোন নোংযাই - খুমন। মহক - মশাগী হকচাং। অদুনোংগীবু - অদু নুমিত্তগী। কৌবা চীংনুং সোযবক্লবদা - নোং ঙাল্লক্লবদা। মমোম - মচানুপী। ঈন্দানখিববু - চৎখিববু।

১ মৈদিংঙু কোংয়াম্বা ঃ

খৃঃ ১৩২৪ দগী ১৩৩৫ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু কোংযাম্বা অসি মৈদিংঙু পুবাম্বাবনা মৈতৈলৈমা যাঙসোম্বী পান্নবগা পোকপনি। মৈদিংঙুসিনা পানবা মতমদা থোংনাং মযাংশিংনা লান হৌবকপবু কৌবা ইঙেনচীংদা লান সোল্লবদা ময়াং মাইবা সমলোইবা, অফেবাজা থাঙযান কনবা, তিংকাবাজা ৱাশকপা, লাকাসুমকাতাও, অবিং অবাংতাওনচিংবশিং লানফা ওইনা ফাহৌখি। মৈদিংঙু কোংযাম্বগী সনা হাক্তক্তা খুমন নিংথৌ লমযাই কাইখিনবনা খুমন্দা নিংথৌ ওইববোই হায়দুনা কংলৈ লমদা লাক্লুনা লৈবববদা খুমন্দা নিংথৌ পান্দবদগী খুমন সলাই লৈপাক কংলৈ লৈঙাক্কি মনুং চনশিনখিবদগী খুমনশিংগী মনীং-মখা তস্না মাঙখি।

২ মৈদিংঙু নাউফংবা ঃ

খৃঃ ৪২৮ দগী ৫১৮ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু নাউফংবা অসি মৈদিংঙু নাউখম্বনা যাওবৈবা চনু পান্নবগা পোকপনি। মৈদিংঙু নাউফংবগী মমাঙদা পানখিবা নিংথৌ মবোল তবেৎপু লাইকপচিংবা নিংথৌশিংনি হায়না লৌনৈ। মৈদিংঙুসিদগী হৌবগা মীগী মবোল তাবক্লে হায়না লৌনৈ। মৈদিংঙুসিনা সা তানবদা সা মযাম ফাবগা কংলাদা য়াওবৌ সায়াম পৈখি হাযদুনা কংলাবু নমথক সাবোনপূং কৌখি। মৈদিংঙু নাউখম্বনা চেংলৈ নিংথৌ থাঙয়ি খোঙজ্রোম্বগী নুপী মবুক্তা থাবুম মঙা সুনা নাউপুরবী য়াওবৈবা চনুবু মুন্দুনা লৌখি। য়াওবৈবা চনুনা থাঙযি খোঙজ্রোম্বগী মপাবি নাউফং অহনবা পোক্লবা মতুং মৈদিংঙু নাউখম্বগী মপারি নাউফংবা পোকখি। মৈদিংঙু নাউখম্বনা নোঙ্গাববদা মচীন মনাও অনীনা নিংথৌ খুভম মুন্নবগী ৱাথোক অমা লাকখি। লাইগী ৱায়েন য়েংনদুনা ঈরুপ্রবদা নাউফংবনা চুন্নদুনা নিংথৌ খুভম ফংখি। ময়াম্বা নাউফং অহনবনা লূপ্পা পাৎপু ময়েক সোয়রে হায়বদগী য়েকসোয়পাৎ কৌখি। নাউফংবনা লূপ্পা পাৎপু ময়েক লাবে হায়বদগী য়েকলাপাৎ হায়না কৌনখি।

তুব্রাতোলনা কোইববমনে। থাংচি খিকথোংবা সাবেল য়াইনম্বনা কোইবা লমনে। সাযাল পলমৈখানে।

লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা থোংনাং মনিল নাইবা লাংগোই পৃংবুবেম্বা লুতুবসুনো হায়না কুবাউ পলগা লিং হেম্বা লাংখোং তৌ, সেকচূপ পন্দাই য়ৈনা তাউখঙপলনে। থোংনাং মকফম ময়াং মবাংফমনে। মৈদিংঙু নোইনাই থব্রাম্বাবনা কাতাং খাউচাউবী খাউচাউবা ফানপৃংনে। অযাঙ তৌবেফমনে। মৈদিংঙু সেনবী মুংযাম্বনা তোললোং খুনঙমপৃংনে। সেলমাবী সেলমাবা চাব্রানবী চাব্রানবা ফানপৃংনে। মৈদিংঙু চীংখোঙ লমগাইঙম্বনা[১] কাইনা খুনঙমপৃংনে। হুযেল সমখোম্বী সমখোম্বা ফানপৃংনে। মুতুযোইমচেং অথৌবনা কংলৈ লাম্ছেমপৃংনে।

যাংলৌ মদামদি মৈদিংঙু নোইনাই থব্রাম্বাবনা হুংতুং খুনঙমপৃং লাংমৈদোং মিংনাইবা ফানপৃংনে। ব্রাংঙল্লোন তখেনঙম্বী খাগী কৈথেলথানবীনা হুংতুং খুনঙমপৃং তাইমবেং ফানপৃংনে। নোংবাল্লোন লিম্ছোইঙম্বীনা হুংতুং খুনঙমপৃং লাংমৈদোং ফানপৃংনে। ব্রাংঙল্লোন লনসিংপৃংনে। মৈদিংঙু সেনবী ক্যাম্বনা লাইসল খুনঙমপৃংনে। হুযেন লান্নিগীদি চীংদাই খাযিং মচন লম্মিৎ মনাও খাব্রাংবা ফানপৃংনে। অঙৌপাম্বনা লমপুন হিথাপৃংনে। থোংনাং মযাং লাইকুবা ফানপৃংনে। লম্লেল মদাইমদি ব্রাংখৈ ফৈত্রেংবা ব্রাইবৌপাম্বনা চাইবেল লানযাম থানপৃংনে। মৈদিংঙু থাঙব্রাই মুংযাম্বনা সোংবু খুনঙমপৃং হুযেন লামা লাম্ছৌযাঙবু ফানপৃংনে। থোংনাং মযাং লাইকুকোই সিলহৈবা ফানপৃংনে। মৈদিংঙু নোইনাই খুবোম্বনা থাঙসা খুনঙমলৌ নৃংতেকপি নৃংতেকপা নৌপোমসু লুপাকপা ফানবৌনে। লাইসিবালনে, উবাংলালনে। থোংতেক থোংজাউলাননে।

থাংচি - সদুম। লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ। মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বা - খৃ ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। মনিল নাইবা - নুংঙাই য়াইফনা পানবা। লাংগোই - সগোল। সেকচূপ পন্দাই য়ৈনা - উচুক য়ুংদুনা। থোংনাং - ময়াং। অয়াঙ - ফমথৌ। হুযেল - লান। য়াংলৌ মদাইমদি - লম্বী মখল অমদি। হুংতুং - হুন্দুং, উথুল লমগী খুল অমা। মিংনাইবা - মমিং চৎপা। ব্রাংঙল্লোন - নিংথৌজা সলাইগী চনু নিংঙোলশিংবু খঙনবা তেংথা। হুয়েন লান্নিগীদি - লান অদুগীদি। অঙৌপাম্বা - অঙোম নিংথৌ।

---

১ মৈদিংঙু চীংখোঙ লমগাইঙম্বা ঃ

মৈদিংঙুসিগী মমিং লমক্যাম্বা হায়নসু খঙনৈ। খৃঃ ১৫১২ দগী ১৫২৩ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু ক্যাম্বনা মৈতৈলৈমা শেনবৃংলোকপী পান্নবগা মৈদিংঙু লমগাইঙম্বা পোকখি। মৈদিংঙু লমগাইঙম্বনা মৈতৈলৈমা চাখা তাংখুলঙম্বী পান্নবগা মৈদিংঙু কবোম্বা পোকখি।

লম্লেল মদাইমা লাইসি উবাংলান-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। খোইমোম লাইয়িংথৌ মুব্রা নিংথৌ অতোনবা[১] মপাবি লযাৎ খুনৌসিববু খম্লুং লাংওনঙৈ সব্রা পনকেনঙৈদা মপল পল্লেম মমা লাইতোংখু মঙজুম্বিনা খম্লুং যেন্না তান্না অমন যাইথোঙ সিবল্লেনবু ঈন্দানখিবদা খম্লুং মথোঙজিন সব্রা মবাকচিন্দগী খুজেং হংজি লাক্লা থৌখামলকএ। লযাৎ খুনৌসিবদি থাঙলৈবোন চল যামচেং লৈকৃপ সিবববু তোংজেং কুযাযনুংগী লৈমু যেম্বি মানববু লৈনা হন্না হলব্রাইবকপদা খোইমোম লাই অবাংববু উবমএ। অদুনোংগীবু উবাং-ও তৌনা কৌএ। লযাৎ খুনৌসিববু কবম লাযনা সিববনো হাযবগীবু লাইসিও কৌএ। লযাৎ খুনৌসিবনা লৈমু তুংহন্ননা হলব্রাইবমনে। অদুনোংগীবু লাইসি উবাংলান থোংতেক থোংজাউলান্নে।

লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা সাযবা পল্লিংব্রাযনে। মৈদিংঙু কবোম্বনা তাক্লেন হিথাখোংনে। খোংলেন হেমদৌযাযনে। যাংলৌ মদাইমদি মৈদিংঙু নোইনাই থব্রাম্থাবনা কতাং খুনঙমপূংনে। হুযেন লান্নিগীদি থোংথোকপা ফুবামবা উসা মৈবোঙবা কতাং সূমফৌ ওইমাঙববু ফানপূংনে। পূংলেন মদাইমদি নুক্রাম্বা নোংইনযাবা পূংলেন মখূৎফা হুযেন লান্নিগীদি পাসি খুঙম লৈতং চং যাঙলেন সংপুমতানবী, তবা চানা চীনকৃপ্পি, ব্রাংলৈ যুনা চীনদেংবাবু ফানপূংনে। মৈদিংঙু নোইনাই খুমবোম্বা মদাইবেম থিংপাক্তি পুনেম সাফববু খংপেক যাংলৌ যাংলৌ কাবকপদা পাকলোই সল্লাই চায, যাংলৌ সেলনুংনে। হেম্বচানা নূং চিংএ। তাইপচানা নূংখিনব্রাযনে। তাইপনূংনে। লাইবেন মৈদিংঙু হেমদৌ

লম্লেল মদাইমা - অতোপ্লা লম অমা। খোইমোম - লাই। মপাবি - মচানিপা। খম্লুং লাংওনঙৈ সব্রা পনকেনঙৈদা - সিঙৈদা। মপল - মমা। পল্লেম - মমা। অমন যাইথোঙ সিবল্লেন - অসিবগী লম্বী। থাঙযি লৈবোল চল যামচেং লৈকৃপ সীবববু - লৈপাক মনুংদা ফুম্লববু। তোংজেং - কৃ। সাযবা পল্লিংব্রায - তিংখংনা সম্বল খাবা মফম। যাংলৌ - লম্বী। পূংলেন - লৈপূং অচৌবা। তবা - চাক। ব্রাংলৈ - য়ু। মদাইবেম - মনাই। পাকলোই - কোযেৎ। হেম্বচা - হাও।

---

১ মুব্রা নিংথৌ অতোনবা ঃ

লাইয়িংথৌ অসিগী মমিং লাঙ্গোল হায়নসু কৌই। লাঙ্গোল চীংদা লাইয়িংথৌ মুব্রা নিংথৌ লাঙ্গোল নিংথৌ কৌনা খুভম য়াদুনা লৈ। মবম অসিনা চীং অসিগী মমিং লাইয়িংথৌ লাঙ্গোলনা কৌইজবা চীংনি হায়দুনা লাঙ্গোল চীং কৌই। খুনফাংথৌ মাপলগী ফমথৌ মাপলগী লাইয়িংথৌ মুব্রা নিংথৌ অতোনবা অসি মৈতৈগী উমংলাই মাপলগী মনুংদা অমনি। উমংলাই মাপলবু পাখংবগী ফমলূপ নিংথৌ পোংবা তরাসু কৌই। খুনফাংথৌ মাপল কৌবা ফমথৌ মাপলগী মনুংদা য়াইস্কুললাকপা হায়বা ফমথৌ অসিগী লাইপাদি লাইয়িংথৌ মুব্রা নিংথৌনি।

ইৱাম্থাবনা যাবৌ লানযাম থানপূং, খোইবু লৌতু থাঙচা ফানপূং, নযু মৈদিংঙু নোইনাই থৱাম্থাবনা যাবৌ চিপাকপা ফানপূংনে।

লম্লেন মদাইমদি *মযূম থাঙঙা কম্বোংনা থাঙঙা উপুস্পি তেবা* কাংলংমৈনা অযুক চামায লাংনা থাঙঙা লান নৈতববু লানচেনএ। কম্বোং মৈ নৈতববু মৈচেনৱাগী মযূম থাঙঙা পূম্না হৌ, কম্বোং মথি নাইনা সীংজঙ নৈতোয যান্না চন্না পামেল উক তূপ্লববু কোবৌ নোংলোন পাইখিবে। পামেল উথুংন্নংদগী তুবি অঙনবা লাইবেল অবেম্বনা হোইবৌ হযা লাউবমএ। [illegible] বু লম্লেন হোইত্রাউবী-ও কৌএ।

লম্লেন ফেন্তাক্লেন তাক্লেন নোংথিলযায ৱাংথোনবী সাকৎলম-ও[1] কৌবদি কদৌনোংগীনো। লুৱাং খাপঙ যুমোইচাম্বা কোক্লেল লুহুনথৌবা, খাপঙ চেনসিন যাঙবনা সাসঙ মবীল ফাৎনা কোক্লেল লুহুনঙৈদা কোঙযাং ৱাসা সৌ, লোক্লৌ সৌবাই তাঙ অকংবনা ঙম্বলথএ। খুযা যৌবাই মেল, ঈমু ফিবাক সানা নোংমম্লে। নুংবাল মচাসিংনা থিববু থি খঙদববদা লোইবী চীং কাক্লেল কাক্লেল সংকাম্মুনা কোবৌ নোংলাংপান্দা পাইনা থাংচি মিতম চেল, সাবেল হিংসোক সাযনা কোবৌ নোংথিল পোবোপপু ৱাংনা পাইনা তাবমএ। অদুনোংগীবু লম্লেল ৱাংথোলবী সাকৎলম-ও থোলনএ। ৱাংনা কবম তাবম তাবম্বনো ৱাংতাকলেল তাকলেল নুংথিলৱায-ও তৌনা কৌএ। অদুসুং মদোমদে।

মৈদিংঙু হেমদৌ ইৱাম্থাব - খ ১.৬৩ দগী ১১৯৫ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। যাবৌ - সা। খোইবু - মনিপুবগী মৈবম পাংবদা লৈবা চীংগী খুল। নযু - নবুধৌ। লম্লেন মদাইমদি - লম মমদি। চামায লাংনা - চক চনা। মথি নাইনা - মবাঙ হৈনা। পামেল - উ। কোবৌ অতিযা। পামেল উথুংন্নুংদগী - উগী উক্রোঙ অহোবা মনুংদগী। তুবি - লাইবেল। লম্লেন - লম। তাক্লেন - ইম্ফালগী নোংচূপ লমদা লৈবা পাৎ অমা। লুৱাং খাপঙ যুমোইচাম্ব ফৌওইবী লাইবেম্বীনা ইকোন কোনবা লাংওন্দা ৱাযথুংনখিবা মীশক। কোক্লেল - কোক। কোঙযাং -ৱা। ঈমু ফিবাক সানা - ঈ য়াম্না থোক্তুনা।

১ ৱাংথোনবী শাকৎলম ঃ

ইম্ফালদগী নিউ কাছাড লম্বীদা কিঃ মিঃ অমা মখাযগুম্বা চৎলগা লৈবা খ্বাই লৈকাইগী লমদাইপূংনি। মেবা মেন তোংবা থৌবমদা খ্বাই লৈকাইগী ওইনা খ্বাই লাকপনা ৱাংথোনবী পূংগী মেনফমদা ফমদুনা মেবা মেন তোংগনি। চহী কুমজা অমগী লমতা অরোইবা থাঙজদা খ্বাই লৈকাইগী ওইনা তীনমু লাইমু ফত্তবা, লাইনা তীলনা অকনববু সবোয খাঙদুনা তাম্থোকপগী লম তাইবা থৌবম হাযবিবা ৱাংথোনবী পূং অসিদা পাঙথোকই। মহৌশা নিংথৌ পাম্লিঙৈ মতমদা মরাল লৈবা মীশকপু শিবগী চৈরাক পীবা মতমদা ৱাংথোনবী পূংসিদা লৈবা অচৌবা অপাকপা নুংপাক অমগী মথক্তা মবাল লৈবা অদুবু হীপহল্লগা নূং অমনা মকোক্তা থোমদুনা হাৎপগী থবক পাঙথোক্লম্মি।

তাক্লেল থোনমবক্তি কেগে উবা লোকনুসু, মোইবাং লাইচিং তোলনুসুনা পাউমেললমএ। মৈদিংঙু তোন্নাবও তাক্লেল ঈকাবিও লমফেল ঈকাথেমও। তাক্লেল লমথক্তি লোইমোম ফৌরুকমাও হাযচও। তাক্লেল লম্মখাদি লাইজা ঈগা থেমও। যেনপালমবু থৌজও। থুম্নাও মখুপান্দা যেন্নাউ মসা তেক্তববু যাকাবকঙৈনে। লেম্নৈ মমীৎ চূপতবা, ৱানচেং সৌবাই কন্দববু চাম্লৌ লূকপানথক্তা ৱাযথুংলঙৈনে হাযনা তাক্লমএ। অদুনোংগীবু তাক্লেন-ও থোন্নৈএ।

তাউবোই পূংলেনগী অসৈ পনমাবা পূংলেন মখূৎফা, থোনপবৌ লাইহংলা, লাইবেপপী লাইহংথেল-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। থোনপবৌ-ও কৌবদি কম্বোং পাখবাবা চেপচেপ লোইবোইবনা সোয সেনএ। থাঙঙা মচা কম্বোং মযেল্লুনা পাউহংখিএ। পাথৌ নঙনা সোয সেনবদি লেম্লৈ ঙাদি কযা চঙবনো হাযনা পাউহংববু হোযদা পাথৌও। থোপমতা চঙএ হাযখিএ। অদুনোংগীবু থোপমবৌ-ও কৌএ। লম্লেন থোনমবক্তি হাওবৈ লাইনা পাংববমগী হাওকপ চীংসাং লাই খুনফম ঙাংচেং লাই, লম্লেন সোযকপ লাই, কক্লৌ তাউথোং লাই, তাক্লেন নোংথিল লাইদি হাওবৈ খানা পাংনা কৃম্লকএ। হাওবৈ খানা পাংবা লমদগী চীংবা ফুবা লাই, যাবৌ তাইতু লাই, লাইসি উবা লাইদি হাওবৈ লাইনা পাংনা কাবকপবু লম্লেন থোপমবৌদা কোবৌ নোংথিল পোবোপতবু লমওক্লএ। খোইমোম লাই মসেল লেপ্পা খিলনা হংনখিএ। অদুনোংগীবু থোপমবৌ লাই হংলা লাইবেপপি লাইহংথেল-ও তৌনা কৌএ।

লাইবেল মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা সাযবা পল্লিংৱাযনে। হুযেন লান্নিগীদি থোংনাং কৈরুংবা মযাং লানচিংবা মাইকাতাউ অথৌবা চোযনৌ সনা মিযেংসেল তোপ্পা লাংমৈ লাংচাউ মঙা থেৎপা ফানপূংনে। সাযবা

কেগে - মোইবাং। পাউমেল্লমএ - হায়বম্মে। মৈদিংঙু তোন্নাবা - খৃ ১৩৫৫ দগী ১৩৫৯ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। লোইমোম - ফৌ। লাইজা ঈ - ঈসিং। থুম্নাও - য়েন্নাও মচা। লেম্লৈ মমীৎ তূপতবা - ঙা মপূম। ৱানচেং -ঙা। চাম্লৌ - লা। ৱায়থুংলঙৈনে -থুংলঙৈনে। তাউবোই পূংলেনগী অসৈ পনমাবা - পূং য়ৈদুনা ঈসৈ সকপা। কদৌনোংগীনো - কবিদগীনো। কম্বোং- মীওই কাঙলূপ অমা। সোয় - ঙা ফাফম। ময়েল্লু - মচা মসূ। পাথৌ - মরুপ, মমান্নবা। লেম্লৈ - ঙা। থোপ - থুম্মোক মখল অমা। হাওবৈ লাইনা পাংবরম- অৱাং পাংবা মায়কৈ। হাওকপ চীংসাং - লাঙ্গোল চীংগী অৱাং থংবা চীংসাং। হাওবৈ খানা পাংনা - খা মায়কৈ পাংনা। কোবৌ - নুমিৎ। খোইমোম - লাই। অদুনোংগীবু- অদু নুমিৎতগী। লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ। মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বা - খৃ ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। সায়বা -তিংখং। পল্লিংৱায় - পন থিংবা, সম্বল খাবা লম। হুয়েন লান্নিগীদি - লানফম অদুগীদি। চোয়নৌ - সনা। মিয়েংসেল - মিংসেল। লাংমৈ - কোক্তা থেৎপা উচেক লাংমৈ মতু, লাংমৈ পূংলেন।

পল্লেলয়ায়নে। মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লিছোইঙম্বী খাল্লে লৌবাংচালনে। নৃংতেকপী নৃংতেকপা থৌবোমসু লুপাঙবা ফানবৌনে। নোংবাল্লোন লিছোইঙম্বী যাংলৌ লমদাংসাংনে। হুযেন লান্নিগীদি তাংখুল হৈনৌবী হৈনৌবা ফানকৈনে। লোক্তু লাননে কোলমিন লান্নে। মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লিছোইঙম্বী লাইজা ঈথেমখোংনে। নোংবাল্লোন লিছোইঙম্বী যাংলৌ লমদাংসাংনে। হুযেন লান্নিগীদি কেগে মোইবাং হাওতোনবা ফানবন্নে। নোংবাল্লোন লিছোইঙম্বীনা চান্নৌ লাচেন-ৱায নে।

য়াংলৌ মদাইমদি পুন্সি অকাঙসুনা তিমেন তাচাযপৃংনে। তবেৎ সেনপুনথেল সেনচা হাইহৈথেলনে। তাপঙ পুন্সিথেলনে। মৈদিংঙু চীংখোঙ লমগাইঙম্বনা পানবা কৈবেল ফানথেলনে। থেল্লেন নুবালযানে। মৈদিংঙু খুমবোম্বনা কাইবৈ য়েনচিপৃংনে। মৈদিংঙু পুন্সিবা ফম্মোইমীৎ কাদবা ফল্লাংমৈ তোংদবনা পানবা কৈবেল ফানথেলনে। মৈদিংঙু চীংখোঙ লমগাইঙম্বনা ককচিং খুনঙমপৃংনে। থৌবাল লাকপা মানতৌ ফানপৃংনে। লাইবেল মৈদিংঙু নোইনাই থৱাম্থাবনা নোংচূপ মবোং মীকোকচা সিলহৈবা মেৎচা সেনবা হুইবোং তাউবা অহিং সূবা সলমা ফংবা, নোংথিল সূবা নাইমা ফংববু ফানখোংনে। খোংলেন হেমদৌযানে।

মৈদিংঙু কবোম্বনা মোম্সাং খুনঙমপৃংনে। হুযেন কোনলোইবী কোনলোইবা ফানপৃংনে। তাবি ৱাইবা খাম্বা মমাল কোন্দে লাংফানবিচা লম্বাল হাওবোঙৱা নানতা পোপতেকৱা, খাবম পমথাং ৱাগীবু নোংমলৱাযনে। লোইযাবাকপনা[১] খাইবপৃংনে। যেন্তানলাকপনা খাইবপৃংনে। যাউবৌ মতুংইন

মৈতৈলৈমা - মৈতৈগী লৈমবেম্বী। খাল্লে - লৌবুক। নোংবাল্লোন লিছোইঙম্বী - মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী লৈমবেম্বী। যাংলৌ-লম্বী। লাইজা -ঈসিং। চান্নৌ লাচেনৱায - লা পূবকপা মফম। তিমেন তাচাযপৃং - তা চাযনবা পৃং। তবেৎ -সেল। মৈদিংঙু চীংখোঙ লমগাইঙম্বা - খ ১৫১২ দগী ১৫২৩ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। পানবা -কৈ। কাইবৈ - য়েন। নোংমলৱায - সিখিবা মফম। য়াউবৌ - সা।

---

১ লোইয়ালাকপা ঃ

মৈতৈগী নোংচূপ মাযকৈ ঙাকপা লাই অমনি। লাইযিংথৌ লোইযালাকপসি অৱাং থাঙৱায মাবহনগী মচানিপানি। মমিং তোলোংখোম্বা কৌই। লাইযিংথৌ কৌব্রুগী মমোম্লোন থৌদু নৃংথেললৈমবু থাজনবগী নৃং থাংগৎনদুনা পাঙ্গন চাংয়েং তৌনবদা লোইজি লোইয়া লমগী অকনবা লাইশিংনা থাংগৎপা ঙম্মদ্রবা থৌদু নৃংজাউবু তোলোংখোম্বনা থাংগৎতুনা লাইয়িংথৌ কৌব্রুগী মমোম থৌদু নৃংথেললৈমবু লুহোংদুনা লৌখি। থৌদোকসিদগী লাইয়িংথৌ কৌব্রুনা লোইজি লোইয়া লমগী অকনবা লাই পাখংশিংবু মায়থিবা পী হায়দুনা লোইয়ালাকপা হায়বা মিংথোল পীখি লোযননা মচা শক্লা নাউয়োক নাউকোন্দুনা থমখি।

যাংদৌ সাবম লীবা লাবা খুমন পুববু খোক্লাং লেংদা থোংবনা খাইরপৃংনে। যাউবৌ চীংখু লাননে, চীংফৈ লাননে। নোংথৌবেল তুবি চবাইবোংবা[১] খোইমোম লাইমিংনবনা অযাঙ লমচোংপৃংনে। নৃংতেক খুনঙমপৃং মংত্র ফানপৃংনে। মদাইবেম লোইযম খোবিনা কালনা খুনঙমপৃং অবেঙপৃং, হুযেন থুমকাংপু ফানপৃংনে।

মৈদিংঙু চীংখোঙ লমক্যাম্বনা কোয়বেং খুনঙমপৃং, চিবিকপা নোংযৌবা ফানপৃংনে। মৈদিংঙু সেনবী ক্যাম্বনা অযাঙ লমচোংপৃংনে। নৃংতেক খুনঙমপৃং খাৱাংবা ফানপৃংনে। মৈদিংঙু নৃংথোনবনা খুবায খুনঙমপৃং, হুযেন লান্নিগীদি থাঙসাবা তেনঙাইবা ফানপৃংনে। মৈদিংঙু নোংপোক চাখা খোংজোম্বনা[২] মোবি খুনঙমপৃং খাঙনপা ফানপৃংনে। মৈদিংঙু নোইনাই থৱাছ্বাবনা অয়াবা লানবচা থিংলাই তোনকোনখম অসৈবা লৌসিৎ নোংদমখোংবা থাঙযি উথুমবিচা ফানপৃংনে। লপ্লেন যাংলৌ লমদাংসাংনে। মৈদিংঙু কাইনৌ চলাম্বনা থোংনাং মযাং বসকোন ক্লাকনবা ফানপৃংনে।

কৌবা মদাইমদি ঈবোং লাছ্বাঈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। অসাইঙৈগী লুৱাং লোইনাই যাউসা তানবনা য়াউবৌ সা নাবদা যাউবৌ মৈবোঙবীবু ফাবমএ। কৌবা নাপোম্মা অসিসুং কবম লোঙবু লোঙবনো হায়না সোল্লমএ। অদুনোংগীবু লপ্লেল কৌবা চীংমৈবোঙ-ও তৌনা কৌএ। খোংজবোংবা মপাবি চীংজেং নাবন পাঙ্গনবনা[৩] থৌদু নৃংপাকথক্তা সমু তাঙজা মখোঙগুনবু তাবমএ।

য়াংদৌ সাবম লীবা - সাগী খোঙগুল লীবা। লাবা খুমন - ওক লাবা। খোক্লাং - চৈ। য়াউবৌ - সা। মদাইবেম - মনাই। অসৈবা - ঈসৈ সকপা। থাঙয়ি - চেংলৈ নিংথৌ। কৌবা - লাঙ্গোল চীং। য়াউরৌ -সা। সা নাবা - সা তানবা। খোংজরোংবা - চেংলৈ সলাইগী নিংথৌ অমা। মপাবি-মচানিপা। থৌদু - নৃং।

১ নোংথৌবেল তুবি চরাইবোংবা ঃ

খৃঃ ১৬৯৭ তগী ১৭০৯ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙুসি মৈদিংঙু পাইখোম্বগী মনাওনিপা তোনসেনঙম্বনা খয়োইরোল ঙাংবম চনু ঙাইখোংঙন্বী (ঙাইখোম্বী) পান্নবগা পোকপনি। মৈদিংঙু চরাইবোংবনা মৈতৈলৈমা শাৎপম চনু নোংথিলচাইবী পান্নবগা মৈদিংঙু পামহৈবা (গবিবনিৱাজ) পোকখি।

২ মৈদিংঙু নোংপোক চাখা খোংজোম্বা ঃ

খৃঃ ১৩০২-১৩২৪ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু থংবি লাছ্বাববু নোংপোক চাখা খোংজোম্বা হায়নসু কৌই।

৩ চীংজেং নাবন পাঙ্গনবা ঃ

চেংলৈ নিংথৌ থাঙয়ি খোঙজ্রোম্বনা সোরারেনগী মচানুপী পেনু লৈমবেল পান্নবগা চীংজেং নাবন পাঙ্গনবা পোকখি। মপা ইবুংঙো থাঙয়ি খোঙজ্রোম্বনা লৈপাক নিংথৌগী *

অদুনোংগীবু খোইমোম পাঙ্গনবা খোঙ্গুলতা-ও কৌএ। মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা থোংনাং খুনঙমথেল তেক্কবাচা ফানথেলনে। মৈদিংঙু পোইবৈ খুমবোম্বনা তেখাউ খুনঙমথেলনে। চিবি নুমানবা ফানথেলনে। নোংবাল্লোন লিছোইঙম্বীনা লেন্নৈ ঙাচাপৃংনে। মৈদিংঙু নোইনাই থৱাছাবনা লেন্নৈ ঙাচাপৃংনে। খমসুৱোন চীংযাইসু[১] অমু চীংযাই যোইবেনপাম্বনা পোকপী চীংজবোয থোংফেন থৌবা চনুনা মদাইবেম লৈতাঙ সোযসেনবগা লেংলেন থুম সুংবগা যেনবী সাবোয় হুনমনসে অখোম লাংমৈ ওনবসুং ওনমনসে মতোল যাৱা চীংজিল চোনচোন লৈনা যানববু য়ানমনসে হাযনা যাহৌফবী পোনবী চীননৌবা উবেন পেংচোইৱঙবু লেন্নৈ ঙাচাপৃংনে।

লম্লেন মদাইমদি লুৱাং খাপঙ যুমোইচাম্বা[২] কোক্লেন লুহুনথৌবা তেংলৈ ওনকং মায়বোযনবা পাসি চঙৌ চিনবা সবীক নীংথাংনবনা থাঙযি অহোঙবী

অদুনোংগীবু - নুমিৎ অদুদগীবু। খোইমোম - লাই। থোংনাং - ময়াং। তেখাউ - আসাম। নুমানবা - নুপী মানবা। নোংবাল্লোন - অঙোম য়েক ওইবী নুপী। লেন্নৈ ঙাচাপৃং - ঙা ফাফম ওইবা পৃং। মদাইবেম - মনাই। সোয়সেনবা - ঙা ফাফম সোয় সেনবা মী। লেংলেন - থুমথোকপা লম অমা। পোনবী - উচেক। লম্লেন মদাইমদি - অতোপ্পা লম অমদি। কোক্লেন - কোক। থাঙযি অহোঙবী - ফৌওইবী লাইবেম্বী।

* ময়াথং অৱাংলমদা চীংবন পন শাবা চৎস্ত্রিঙৈ মমা পেনু লৈমবেলনা চীংজেং নারন পাঙ্গনববু পোক্লবদা হেক পোকপগা মমাদা ইমা ইপা থাঙয়ি খোঙজ্রোম্বদি কদায়নো মচা ঐবু মিংখৈ পীহনগে হায়বদা মমানা নপাদি লৈপাক নিংথৌগী য়াথংনা চীংবন পন থিংবা চৎখি হাযনা খুম্লবদা অদুদি ইপাগী মনাক্তা চৎলগা মিংখৈ লৌরুগে হায়বগা চোংদুনা চৎখ্রগা লৈপাক মীয়াম্না চীংবন পন শাফম তান্না চৎতুনা মপা থাঙয়ি খোঙজ্রোম্বগা উনখি। খোইয়ুম লাইগী লাইপোক ওইবা মবম্না মপা অমদি লৈপাক মীয়ামগী পন থিংবগী থবক পূম্নমক অঙাং মানা লোইনা তৌরম্লগা ঐদি মৈতৈ লৈপাক্তা লৈববোই নোংচূপ লমদা পাসা লৈপাক্তা চৎখ্রগে হায়রম্লগা পাসা য়ৌনা চোংদুনা চৎখি। পাসা লৈপাক্তা থোংনাং ফৈত্রি চনু লৈরি লৈসংখোম্বী লৌবগা মচানিপা থৈবোঙগা মোইছেগা পোক্লগা মোইছেনা মৈতৈ লৈপাক্তা খোবক্লগা চেংলৈ সলাইগী পোৎশঙবম শাগৈ চখ্ররকখি।

১ খমসুৱোন চীংয়াইসূ ঃ

খৃঃ ৫৬৩ দগী ৭৬৩ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা লৌবী মৈদিংঙু খোঙতেকচাবু পোকপী মৈতৈলৈমনি।

২ লুৱাং খাপং যুমোইচাম্বা ঃ

লাইবেম্মা ফৌওইবীনা লাংওন কয়া মথং মথং তৌক্লবগা খ্বাইগী ইকোন কোনবা লাংওন্দা ৱায়থুংনখিবা মীশক্তি। লোইমোম ফৌওইবী লাইৱেম্মনা লুৱাং খাপং *

লোইমোম অচাউবীনা সেন্না লোক্লা নীংলমএ। অদুনোংগীবু খাল্লে লগ্লোঙকৈও তৌনা কৌএ। লোইমোম ফৌওইবীনা[১] কোবৌ নোঙ্গাবৌ চীংঙু পন্দনলৌনে। লুৱাং খাপঙ যুমোইচাম্বনা নেম্বী হুমতং খন, কোঙয়াং তংখায লৌনা যোযচানৱাযনে।

মৈদিংঙু নাউথিংখোং খাল্লে লৌবাংৱাযনে। মদাইবেম হাওবা যাংবা মীখূৎচা অহোঙবা, চাকলিক খোযদামী লীক্লাং চোইফামন উফোঙচা সোইৱাগীবু থাঙযি মবোং সামদবা, লোইমোম ফৌবিক কেন্দববু থাঙযি ফৌবোং সামলে, লোইমোম ফৌবিক কেল্লে হাযনা ৱাতা থীখিএ। হাওযাংবা যাংবকোইবু নোংমল্লে। মীখুলচা অতেংবদি নোংহাঙলৌনে। তৌচেঙ নোংফামযৈ পুল্লে সিবাইবদুনা ওক্লেন মসক চূপফদে লাইবেল মহিসেক যাফদবা লৌনে। ৱাযকোকপা লৌনে। চানম্বা লৌনে। মৈদিংঙু নাউথিংখোং লমলোঙকৈনে। পাৎযায লৌবেলপালনে। হুযেন লান্নিগীদি মঙাং কোনফূচা[২] ফানবৌনে। মৈদিংঙু সেনবী

লোইমোম অচাউবী - ফৌওইবী লাইবেম্বী। খাল্লে - লৌবুক। কোবৌ নোঙ্গাবৌ - শিখিবা লৌফম। নেম্বী - শীংনাং। কোঙযাং - ৱা। মদাইবেম - মনাই। অহোঙবা - অহোঙ কূম্মৈ তৌবা মী। থাঙযি - ফৌ। লোইমোম - ফৌ। নোংমল্লে - শিবে। নোংহামলৌ - শিফম ওইখিবা লৌফম। তৌচেং - তৌ পাম্বী।

---

* যুমোইচাম্বগীদা যাঙ্গোইদুনা লৈববদা হৈ-বা মবাং কাযনা পাল্লে, লৌ উবে ফৌপাল পান্দোং চাউনা ফৌপাল মচা পোক্তুনা ফৌ মবাং কাযনা থোক্লে। লৌ উবদা ফৌগী ফৌথোক মবাং কাযমনবনা হোনগৎপগী লোইবা নাইদ্রবদা পোৎপু নাবেং তৎলে। খাপং যুমোইচাম্বনা ৱামনবদগী শাউদুনা পোৎপু নাবেংচৈনা ফৌবু কনথি থোক্লা কল্পেক্লে। ময়ূমদা হল্লকপদা মাগী নুপী ফৌওইবিদি মখ্বাঙ তেক্তুনা অয়ো নাহে চন্দুনা লৈবল্লে। খাপং যুমোইচাম্বনা কবি তৌবে হংবদা ফৌওইবীনা নঙনা ঐবু ফুবদা ঐগী খ্বাঙ তেক্লে। নঙনা ফৌবু ফুবদো ফৌওইবী ঐঙোন্দা ফুবনি। ফৌ হাযবদো ফৌওইবী ঐনি। হৌজিক্তি ঐদি শোযদনা নোঙ্গাবনি। হযেংমুক্তি মপোক লাংওন অমদা নঙগা ঐগা অমুক হন্না ৱাযথুংনসি হাযবল্লগা ফৌওইবী লাইবেম্বী নোঙ্গাখি।

১ লোইমোম ফৌওইবী ঃ

ফৌগী লাইবেম্বীনি। মানা ফৌ মখল তবামবি পোকখি। ফৌওইবী লাইবেম্বীসি চেংলৈ নিংথৌ থাঙযি খোঙজ্রোম্বনা সোবাবেনগী মচানুপী পেনু লৈমরেন পান্নবগা পোকপনি। ফৌওইবী লাইবেম্বীনা মতা তবেৎকা লোযননা লাংওন মথং মথং তৌখি। খ্বাইগী ইকোন কোনবা লাংওন্দা লুৱাং খাপং যুমোইচাম্বগা ৱাযথুংনববা মতুংদা নোঙ্গাখি।

২ মঙাং কোনফূচা (কোনখুচা)ঃ

মঙাং নিংথৌ পুঙ্গিবনা পোকপনি। খৃঃ ৬৬৩ দগী ৭৬৩ ফাওবা নিংথৌ ওইখিবা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা লোইজিং সারোনয়াদা পানবা মঙাং কোনখুচাবু *

খাগেম্বনা পাকলোই সা-ঈ তৈ, হৈনা যাংনু তুংথংনা, পাইখু লেংহান্না, খোক্লাং লেংদা থোংনা নোংযাই সাকু তাইবোংমলবু সাচেনবদা অযাঙ লমথুংফমনে। মযাং পনচেংখা অথৌবা ফানপৃংনে। মৈদিংঙুনা খোংনা হাওওক লীপান থোং, পামেল উবাই থোংগী হাওওক সোযবেনবা হাওনু খমতাইনুচা অমন সীংযায চন, চাংজৌ লৈখাঙ তৎলবা ৱাংখৈ থোন্নি সকপা ফানপৃংনে।

লম্লেন মদাইমদি ঈমু থৎমলৌ নামসংকোন থৎমা ঈথৈলৌ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো নযু মৈদিংঙু উবা কোম্ব্লৌবনা লংমাই থিক্লেং মাইবেং কুম্বা নাউসং ওংচাল তৌ, লীক্তোপ থৌলাং অথৌববু লুবক কাঙদৈ থি, খৌনাউ লোনথোঙ লেম্লে। মযূম সেল্লোই লংমাইগী[১] মহীনা থক্তুম থক্লা চেল্লে। অদুনোংগীবু লুবক ঈমু থৎমলৌ নামসংকোন-ও কৌএ। সমু মখোঙ মখৃৎপু কবম কান্না কান্না কাবন কাবন্নবে। খুবোযবা তিললাংখমও তৌনা কৌএ। মপু মনাইনা খোযমা নাদা সীংদা ঙাঙদুম ঙাঙনা কাবে নাকা-ও[২] কৌএ। মযীম সেললোই থিংলৌ যাইথাবা লংমাই মবোং চৈজেন্দবনা খোযমা নাতোন থৎনা

পাকলোই কোয়েৎ। সাঈ - সাগী ঈ। হৈনা যাংনু - পাম্বী মথল অম। পায়খু লেংহান্না - পাইতু খাউ যানবগুম যান্দুনা। খোক্লাং - চৈখোক। নোংযাই - খুমন। সাকু - সাগী মকু। অযাঙ - লমজেল যাঙবা। পামেন - উ। অমন - শিবা, নোঙ্গাবা। নযু - নবুখৌ। মৈদিংঙু উবা কোম্ব্লৌবা খ ৫৬৮ দগী ৬৫৮ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। খৌনাউ লোনথোঙ লেনবা মঙক ককপা। খোয়মা - নাপী। থিংলৌ যাইথাবা - ভুং হন্না চেনবা। মবোং - চূং।

* মায়থিবা পীদুনা মঙাং তাকখি। থৌদোকসিদগী মৈদিংঙু নাউথিংখোংবু মঙাংঙম্বা হায়না কৌখি।

১ সেল্লোই লংমাইচীংদা পানবা অঙোম মচেৎ অমনি। চীংৱাংলক্কি পুবৈবোম্বনা পিথেৎলৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনু পান্নবগা খাংহন অহনবা, খাং যায়মবা অমদি খম্নুং ইৱাইথং পোকখি। খম্নুং ইৱাইথংনা তুবেল ৱাংমা অঙৌপাম্বা কৌনা লৈম্রগা মযাম্বা খাংহন অহনবনা সেল্লোই লংমাই চীংদা সেল্লোই লংমাই নিংথৌ কৌনা পালহৌখি। অঙোম মচেৎ অসিবু সেল্লোই লংমাইচীংদা পানবা মবম্না সেল্লোই লংমাই হাযনা খঙনখি। মৈদিংঙু চবাইবোংবগী মতমদা তম্পাক লমদা কৃম্লকখি। কাঙলূপ অসিবু সেল্লোই লংমাই চীংদগী থেঙনা কৃম্লকখি হায়দুনা লংমাইথেম হায়বা যুম্নাক ওইখি। সেল্লোই লংমাই কাঙলূপকি যুম্নাকশিংদি লংমাইথেম (নোংমাইথেম), যুম্লেম্বম অমদি য়েঙ্দ্রেম্বম হায়বা যুম্নাকশিং অসিনি।

২ নাকা (নাগা) ঃ

নাগা তুবেল মরুগী লম। খৃ· ৫৬৮ দগী ৬৫৮ ফাওবা নিংথৌ ওইখিবা মৈদিংঙু উবা কোম্ব্লৌবগী হাক্তক্তা শেল্লোই লংমাইশিংনা লাঙ্গোল চীংগী হাওকপ চীংশাং খুনফম ঙাংচেংদা লান্দাবা লাকপদা মৈদিংঙু উবা কোম্ব্লৌবগী মনাই কদেম শোয়শেনববু *

ঈ তৈবমএ। অদুনোংগীবু থৎমা ঈতৈবম-ও থোন্নবমএ। সেললোই নাফা নীক্লা লংমাই ফানিকনা সেললোই লানযাম সিবে। লাইবেল মৈদিংঙুনা তৌথোপ খলথাংননা লাল্লু পোললেম হাল্লে। মযীম সেললোই লংমাইদি লেম্লৈ অদুগুম্ববু ঙাচিদা চপ্পববু লেমচেং মৈবা মূৎতবে। অদুনোংগীবু মৈবা পোলচেংলম-ও কৌএ। তম্পা ৱাংঙম্লোন খাবি লেংনাউ মোনবী মৈবা পোলচেংলমনে। লম্লেন খুবোযবা তিল্লাংখম ঈমু থকপবৌ, থৎমা ঈথেবৌনে।

হুয়েন লান্নিগীদি লেম্লৈ ঙামিংনবা সবোং খোইনুচা ফানপূংনে। নাকাবালনে। থোনমবালনে। তুবেল লাননে তুযা লালনে। নোংবাল্লোন নুমোইনু অহোঙবী[১] তুসাকোলনে। ঙাংঙোই যোয়মোংবা[২] তুদৌকোলনে।

নাফা নীক্লা - খংপ্রেক খংনা। তৌথোপ - পোল্লাং। লাল্লু পোললেম হানবা - অককপা কোকশিং পোল্লাংদা হাপ্পা। লেম্লৈ - ঙা। তম্পা ৱাংঙম্লোন খাবি লেংনাউ মোনবী - পাম্বোইবী। হুয়েন লান্নিগীদি - লান অদুগীদি। লেম্লৈ ঙামিংনবা - ঙাগী মিংগা মান্নবা। তুসাকোল - লৌখোং সেম্বা। তুদৌকোল - লৌখোং তৌবা মফম।

---

* লাকচনা তৌবন্মি হাযবগী মলোম্মা শেল্লোই লংমাইশিংনা হাওকপ চীংশাং খুনফম ঙাংচেংদা লান্দাদুনা লান ঙম্লগা হল্লকপদা নাগা তবেলগী মকুদা মৈদিংঙু উবা কোম্বৌবগী মনাই লাল্লোযশিংনা লুমদুনা শেল্লোই লংমাইশিংব ঙম্ল হংখি। লানফমদুদা শেল্লোই লংমাইশিংগী মশাদগী শীঙ্গবকপা ঈনা নাপী শীংনাদা চোংদুনা ঈতে ৈহি। শেল্লোই লংমাইশিংগী ঈনা ''নাদা শীংদা কাবে'' হায়বগী নাক-ও কৌই

১ নোংবাল্লোন নুমোইনু (নোংমোইনু) অহোঙবী

খৃঃ ১৫৪ দগী ২৬৪ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পান্থিবা মৈদিংঙু খুইযোই তোম্পোক্পি লৈমবেম্বীনি। নোংমোইনু অহোঙবী অসি সোবানে পাখং যোইবেনবগী মচানুপী নিংথৌ কাংবগীনা মচন্নুপীনি। মৈদিংঙু খুইযোই তোম্পোক্পা মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী পান্নবগা ঙাংঙোই যোইমোংবা অমসুং যোইহৈতোন তাউথিংমাং পোকখি।

২ ঙাংঙোই য়োইমোংবা ঃ

খৃঃ ১৫৪ দগী ২৬৪ ফাওবা নিংথৌ ওইখিবা মৈদিংঙু খুইযোই তোম্পোক্পা মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী পান্নবগা পোকপনি। ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মনাওনিপা যোইহৈতোন তাউথিংমাংগা লোয়ননা তম্পাক্লমগী মকওইবা তুবেল অনী ইম্ফাল তুবেল অমসুং ইরিল তুবেল তেংখি। ঙাংঙোই য়োইমোংবনা কা মাপলগী যুমজাউ য়াঙ নাইবা শাবা হৌখি। নুংশিৎ শীৎপদা ৱাতোল অনী চীল্লোক্লবা উকবদগী য়াঙ নাইনা অমসুং চুমিথাঙ খনবা উরুবদগী সাইনোল কোন্না যুম শাখি। মবম অসিনা লাইশোন্দা মী লৈনবা যুম্নু য়োইমোংবনা শাবা যুম হায়নাই।

লম্লেন মদাইমা কোম্থা সম্পললান-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। ৱাংঙল্লোন কৌবা মবোংঙম্বীগা খোযনৌ মতা অবাময়াংবা চনু অহুই অবাংবিগা কোম্থা ঈবাংবা ফম্লেল ঈচঙবদা চোযনৌ সনা মখুদোপ্লা লাংগোই সাযাঙথক্তা সমু খূৎতা সিন্নববু মালেম নৈদা তাবে। অদুনোংগীবু কোম্থা সম্পললাল-ও থোন্নএ।

লম্লেন মদাইমা হনজিং মানচিংলান-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। লুৱাং খুমিৎখু খুতম্বনা লাংবন উয়ুং সীংজঙ পোৎ তানবদা থাঙলেন মখূৎসুবু খোযমা নাবোন্নুংদা চীখবম্লববু হন্না হন্না থিবমএ। অদুনোংগীবু হনচিং-ও কৌএ। হনচিং লাননে, মানচিং লাননে। য়েন্নাম লম্লুংশি ওকথোঙ লম্মহলনে। যোইবু মৈতৈলৈমা খযোযবোন ঙাইখোম্বী[1] থেললেন নুবানযায়নে। হুযেন লান্নিগীদি থোংনাং তখেল খুনঙমথেল পঞ্চমবাই অথৌবা ফানথেলনে। থাঙঙবৌনে, কম্বোংবৌনে। হুইযাই লৌবাংচালনে। সোযতিংলৈ লৌক্রাম্বীনা পবিং লেপ্লৌ তিং, উকাক মাযফু যালনা লমকলৱাযনে।

লম্লেন মদাইমদি খোম্বিতোক কৌবদি কদৌনোংগীনো। মযীম সেললোই লংমাইনা নুংবাল কদেম সোযসেনববু থিংলৌ পনচলঙৈদা কদেম সোযসেনবনা লেম্লে ঙাপুম তৈ, পাযমা নিংসা সৎহোন্ননা সিসিন্নবে। মযীম সেললোই মীকৌনা লংমাই তেংথাননা অসিববু অতোৎপও কৌএ। হল্লকপবুদি তেবকপও কৌএ। মৈদিংঙু মদাইবেম নুংবাল সোযসেনবা অসিবু তোৎলে।

লম্লেন মদাইমা - লম মখল অমা। কোম্থা - ইম্ফালগী অৱাং মায়কৈদা লৈবা লম অমা। কদৌনোংগীনে - কবিদগীনো। ৱাংঙল্লোন - নিংথৌজা য়েক ওইবী চনু নিংঙোল। খোয়নৌ - মতা। চোয়নৌ -সনা। লাংগোই - সগোল, সামু। সায়াঙথক্তা - সাগী মনম মথক্তা। মালেম - লৈপাক। অদুনোংগীবু - নুমিৎ অদুদগী। হনজিং - ইম্ফালগী অৱাংদা লৈবা চীং অমা। খোয়মা - নাপী। যোইবু - ফমথোন কাবী নিংথৌগী মনাওইবেম্মা। থেললেন - অথোইবা থেল। হুয়েন লান্নিগীদি - লান অদুগীদি। থোংনাং - ময়াং। তখেল - ত্রিপুরা। খোম্বিতোক - ইম্ফালগী অৱাংলোমদা লৈবা লম অমা। সেললোই লংমাই - নোংমাইজিং চীংদা পাল্লম্বা অঙোম মচেৎ অমা। নোংবাল - অঙোম। থিংলৌ পনচলঙৈদা - লান নংঙৈদা। লেম্লে ঙাপুম তৈ - ঙা অপুম্বা তৈদুনা। মৈদিংঙু - মৈতৈ নিংথৌ। মদাইবেম - মনাই।

১। মৈতৈলৈমা খয়োয়রোন ঙাইখোম্বী (ঙাইখোংঙম্বী) :

খৃ: ১৬৯৭ তগী ১৭০৯ ফাওবা নিংথৌ ওইখিবা মৈদিংঙু চরাইরোংববু পোকপীনি। মৈদিংঙু পাইখোম্বনা পোকপা মচানিপানা মনুং মতম চাদনা শিখিবনা মরম ওইদুনা মনাওনিপা তোনসেনঙম্বনা মৈতৈলৈমা খয়োয়রোন ঙাইখোংঙম্বী পান্নদুনা পোকপা চরাইরোংববু মচা শক্তা য়োকচদুনা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা নোঙ্গারবদা চরাইরোংবনা নিংথৌ খুভম ফংহৌদুনা নিংথৌ ওইদুনা পানখি।

হোবেল হলৱায তেবকপদা লুবক কাঙদৈ থি খৌনাউ লোনথোঙ লেল্লসে হাযনা সমু মখুদোন্না তোৎনা তানা যেংলমএ। অদুনোংগীবু লল্লেন খোঙবী-তোৎ উঙামপৈ কৌববু পোইবৈ তাবা থিবনা লল্লেন খোঙবিতোৎ উঙামফৈ-ও কৌএ।

মৈদিংঙু নোইনাই থৱাম্বাবনা চাখা হুইতোক ঙস্বগী যাংলৈ তাউবা সমফবী সমফবগী হুইযাই লমদাইৱাযনে। মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন লিঙ্গোইঙম্বীনা তুসোল খুনঙমপূংনে। নযু মৈদিংঙু সেনবী মুংযাম্বনা লনহাং সাউপ্পা, তোবা ফৌতাবা ফানপূংনে। কেগে লৌথাঙকা পললংলা থোঙঙাক লকাবিচানা[১] লানকোনপূংনে। কেগে মোইবাং ৭৬৩ মনা নোংহামপলনে।

লল্লেন মদাইমদি সেপাবৌ কোংখাংতাউ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। মথংলেল লুৱাং থংবা নহা কাথংবদি হাওবৈ লাইনা পাংববমদা সান্দেংএ। মকুম্বী তাললোয তোক্লমল, লুল্লেন খাইনমল অমনবিদি হাওবৈ খানা পাংববমদা সান্দেংববু মথংলেনগী ৱাযবা কোংখাং মনাসিবু লাইজা ঈবোযননা তাউথবকপবু মকুম্বি খাইনমল অমনবিনা লোকপিঙমএ। মোম্মু ঐদি থংলেন চেংলৌ সকখঙদববু কবম্না খঙহৌসিবনো তাঙজা ঈকাইএ হাযনা সমু তুংলম হন্না সে সে হাযনা পীএ। অদুনোংগীবু লল্লেন মদাইমা সেপবৌ কোংখাংতাউ-ও কৌএ।

মৈদিংঙু খোঙতেকচানা খোইমোম লাইওইপূংনে। মৈদিংঙু খোঙতেকচা[২] যোযবেনবনা চীংযাই চাহুইবোং সাচা নাউফংচাবু ফানপূংনে। লোইমোম ফৌওইবী

হলৱায তেবকপদা - হল্লকপদা। লুবক কাঙদৈ থি খৌনাউ লোনথোঙ লেল্লসে - মঙক কল্লসে। মৈদিংঙু নোইনাই থৱাম্বাবা - খৃঃ ১১৯৫ দগী ১২৩১ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। য়াংলৈ - হুই। তাউবা - হুই। মথংলেল - মৱা, মপুবোইবা। হাওবৈ লাইনা পাংববম - অৱাং মায়কৈ পাংবা লম। সান্দেংএ- ঈকজেএ। মকুম্বী তাললোয় - মতু। মোম্মু - নুপী। থংলেল - মৱা মপুবোইবা। চেংলৌ - সক।

---

১ খোঙঙাক লকাবিচা (খোঙঙাক লকাবা) ঃ

মৈতৈগী অশিবগী লাই খম্নুং খোঙঙারেলগী মনাও অদুগা চীংখোঙ পোইবৈতোনগীনা মযাম্বনি।

২ মৈদিংঙু খোঙতেকচা ঃ

খৃঃ ৭৬৩ দগী ৭৮৪ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মৈতৈলৈমা খমসুবোল চীংয়াইসৃ পান্নবগা মৈদিংঙু খোঙতেকচা পোকখি। মৈদিংঙুসি ফমথৌ ৬৪ গা লোয়ননা চীংমৈরোঙগী নোংপোকথংবা লম লাঙজা লৌপুংফৈদা শা তানবদা শজি অমা ঈশিংদা চোংথখিববু ফানবা হোৎনবদা মৈদিংঙু খোঙতেকচা অমদি ফমথৌ ৬৪ মক ঈশিংদা লাই লৌদুনা শিখি। কংফালদা লৈহৌবা লোঙ পায়বা অমখক হিংহৌদুনা মাগী মচা মসূমখৈ লোংজম হায়বা যূম্নাক ওইখি।

খাঙবা মনমথাংদা খান্না মবৌপালনে। লন্নেন লাংজা লৌপূংফৈ পূংফৈ লমনুংসি, হুইযাই লমলোঙতাক, খুঞ্জাল অযাঙ হাওবচা লাংজাপূং ফৈদোংবা মযীমফম, থাঙজা নুখুবীগা কম্বোং নুহনবিগা অযুক চামায লাংনা খাল্লে মবৌবেলবু লাংজববু নুমিৎ ব্রাংনা কা, থবি ব্রাংনা তল্লক্লবগী মোম্নু তবা চবুক লামলবনির্গানা হুইনা লাংনা খাল্লে যুপূংথকতা অব্রা সোনখৈ নীকনা খোইনৌ তেংগোল হৈবোইনাইবু সেংসৌননা কোবৌ থোইনা যেংনা সোলমোইবমএ। অদুনোংগীবু অব্রাং লাংজা লৌপূংফৈ পূংফৈ লম্নুংশিও কৌএ। কবোংখল হুইযাই লমলোঙতাক্লে।

খুঞ্জাল অযাঙ হাওবচা লাংজা পূংফৈ তোংবা মযীমফম্লে। মযীম সেল্লোই লংমাইনা হুযেল লান্দাবকপদা খাঙলা খোমহুক লাবু মালেম নৈদা তুবববু মযীম সেললোই লংমাইনা হল্লকপবুদি তেবকপও কৌএ। হৌবেল তেবকপদা খাঙলা লাপান ফা, হৌনা চাউঙমএ। অদুনোংগীবু সেল্লোই খোমহুক্তা লংমাই খাঙলাপোক-ও কৌএ।

লন্নেন মদাইমদি নুখুবী লৌসল্লাল, নুহনবী লৌকোন্দা কৌবদি কদৌনোংগীনো। থাঙজা নুখুবীগা কম্বোং নুহনবীগা খাল্লে লৌ কৃম্বদা কাওবেল মসনচাবু কোবৌ নোংদামদা, থবি নোংলেপতনা লান্নবমএ। অদুনোংগীবু নুখুবী লৌসল্লান-ও কৌএ। অদুসুং মদোমদে। সল্লান থোনমবক্তি লুব্রাং কাঙবা নৃংসন তানবা কাওবেল মসনচা মানবী লীহেপ্পা কাওবেল কোন্দৈবনা কোবৌ নোংদামদা মালেম নোংলেপ্তা লান্নবমএ। অদুনোংগীবু সল্লান অচনবও কৌএ। কোংযাঙ হোংলৈযাঙ, অযাঙ লন্নৈফম্লে। চীংখোঙ পুথিবনা খোংহোঙব্রাযনে। মনোংযায তুবি চবাইবোংবা খোইমোম লাইমিংনবনা চোযনৌ সনা পাক্তেনা লুপা ফাফেলননা হোঙনেমখোংনে। বামোন যাফম যুগি পোংফৈফম্লে।

মৈদিংঙু সেনবী মুংযাম্বনা অপুং লানমিংনাই তোপা ফৌথাবা লনহাং সাউপ্পবু ফানপূংনে। মৈদিংঙু থংবি লাম্ভবনা মবিং খুনঙমখোং, মবিং মনাতোন থাঙসাবা যেনবা তুসেক সাবা থিক্কবি নুমানবা ফানখোংনে। সাযবযাযনে।

লন্নেন - লম। লাংজা লৌপূংফৈ - চীংমৈরোংগী নোংপোক থংবা মফম। হুইয়াই - মযায। খুঞ্জাল - ককচিং কেবে চীংদা পাল্লম্বা লুব্রাং মচেৎ ওইবা কাঙলূপ অমা। অযাঙ - অয়াঙবা। থাঙজা কম্বোং - অঙনবা মতমগী মীওই কাঙলূপ অমা। চামায লাংনা - চাক চাদনা। খাল্লে - লৌবুক। থবি - নুমিৎ। মোম্নু - নুপী। তবা - চাক। অব্রা সোনখৈ নীকনা - য়াম্না ব্রানা, চোকথনা। সোলমোইবমএ - মুকম মুকম সোল্লমএ। সেল্লোই লংমাই - নোংমাইজিংদা খুন্দাবম্বা অঙোম মচেৎ ওইবা মীওই কাঙলূপ অমা। খাঙলা - পাম্বী মখল অমা। লন্নেন মদাইমদি - লম মখল অমদি। কাওবেন - সন। কোবৌ নোংদামদা - নোংমতা লেপ্তনা। অদুসুং মদোমদে - অদুনসু লোইদে। মানবী লীহেপ্পা - কোয়গনবা সল। কাওবেল কোন্দৈবা - সনবোই, সনগোন্দা চঙদনা নাথৈদূনা লৈবা সল। কোংয়াঙ-ব্রা। মনোংয়ায় - মসূ। চোয়নৌ - সনা।

• খোইমোম লাইয়িংথৌহনবা[১] সনা হিহোলহন মসুমাঙ থেলমাঙনে। খাবি লংবিবেম অসৈ ঈৱান পোংপৈবেম যোয়বেল সা-ঈ লাৎ পূংকাইবেম্না লাইজা ঈনিফম, তবা চানিফম্নে। মৈদিংঙু পেংসিবা[২] চনু ৱাংঙম্লোন ঈবোঙলৈমা খাম্বীঙম্বীগা মদাইবেম ৱাইবং সনা পোনচেং সাববু ৱাযবৌফদবীগা খোইমোম লাইওইপূংনে। মৈদিংঙু নোইনাই থৱাঙ্বাবনা পোইবৈ হিথাখোংনে। তুযালাননে। নোংমোইনু অহোঙবী তুসাকোলনে। ঙাংঙোই যোযমোংবা তুদৌকোলনে। মৈদিংঙু নাউথিংখোং চংবি মকৈবেলনে। হনবা কৈথোংনে। নিংথৌ কুবাউবা চনু লৈমা লাইখোঙতেনবী[৩] মপাবি নিংথৌ মকা আম্বা সাৎনকৈনে। তুবেল লাননে, তুযা লাননে। নোংমোইনু অহোঙবী তুসাকোন ঙাংঙোই যোযমোংবা তুদৌকোলনে। অঙৌবা নোংনিংথৌনা লনহাং নুবাবী ফানপুংনে। মৈদিংঙু তেলহৈবনা[৪] যোংফু খুনঙমপূংনে। অওম ওম্বা মচা লম্মিৎ মনাও খুৱাংবা ফানপূংনে।

খোইমোম - ল'ই। খাবি মাইবি। অসৈ - ঈসৈ সকপা, পেনা সকপা। যোযবেন - অম'ইবা লোইসঙগী ফম। সাঈলাৎ - সাগী ঈনা ঈবাৎপা। লাইজা - ঈসিং, তবা চাক। ৱাংঙম্লোন - নিংথৌজা সলাইগী চনু নিংঙোল। মদাইবেম- মনাই। ৱাইবং কে'ঙ্গাবোলগী কংলৈ (ইম্ফাল) গী নোংপোক থংবা লম। নোংমোইনু অহোঙবী - মৈদিংঙু খুইযোই তোম্পোক্কি লৈমবেম্বী। তুসাকোল লৌখোং সেম্বা মফম। ঙাংঙোই যোয়মোংবা - মৈদিংঙু তাউথিংমাঙগী মযাম্বা। চংবি - লা। নিংথৌ কুবাউবা - হৈবেম খুঞ্জাল কাঙলূপকি নিংথৌ অমা। মপাবি মচানিপা। অঙৌবা - অঙোম নিংথৌ। নোংনিংথৌ - সবাবেল। নুবাবী - নুপী।

---

১ লাইযিংথৌহনবা ঃ

মৈতৈগী উমংলাই মাপলগী মনুংদা লাইযিংথৌহনবসু অমনি। উমংলাই মাপলবু পাখংবগী ফমলূপ নিংথৌ পোংবা তবা হাযনা কৌই। লাইযিংথৌহনবা অসি খুনফাংথৌ মাপলগী ফমথৌ খুবায়লাকপগী লাইপানি। লাইযিংথৌহনবগী খুভম খুবাযদা লৈ। লাইবেম্মা উসোংলৈমা লম্লাং নিংথৌ চনু পেৎনু তমনু কৌবীনা লাইযিংথৌহনবগী তালোয মকম্বীনি।

২ মৈদিংঙু পেংসিবা ঃ

খৃ ৩৭৯ দগী ৩৯৪ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু তাউথিংমাংনা মৈতৈলৈমা হাওনুহল পান্নবগা মৈদিংঙু পেংসিবা পোকখি।

৩ লৈমা লাইখোঙতেনবী ঃ

খৃঃ ৬৬৩ দগী ৭৬৩ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী মঙাসুবী নুপীনি। লৈমা লাইখোঙতেনবী অসি লুৱাং নিংথৌ পুঙ্গিবনা য়োকচবী লিক্লাবিচা নোংদম্নুনা পোকপা মান্দোমগী চাদা নাউদা সুগুদা পানবা লেৱা খোংনাং কাঙলূপকী নিংথৌ কুরাউবনা পোকপিনি।

পুখ্রলবা কোইবেনবনা খামবল খুনঙমপৃংনে। হুয়েন চেৎখম্বা ফানপৃংনে। মসানৌ নৃংসাইঙম্বীনা ললহাং খুনগঙ তবা তাববু চায়না লনসিংপৃংনে। হুইয়াই নৃংনিগীদি হিয়াঙতা নৃংনে। মৈদিংঙু নোইনাই থব্রাম্ভাবনা ব্রাযবা তেম্ভাপৃংনে। মৈদিংঙু সেনবী খাগেম্বনা তখেন খুনঙমখোং, অফেবাজা ফানখোংনে। খোংলেল হেমদৌযাযনে। মৈদিংঙু তুবি চবাইবোংবনা লৈহৌ হিকাবম্লে। মবাম খুনঙমপৃং সংখেপ লানমিংনাই ফানপৃংনে। হুইযাই পৃংনিগীদি হিয়াঙতা পৃংনে। তাংখুল পোলসিঙ অথৌবগা হাওনু যুনৌবী যুনৌবা লিকোল মযাম খুম্বা চনু মোইচেৎ নাসিনবীগা হুযেল লানবৃম মবিমবু ফানপৃংনে।

মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা[1] চংবি মকৈবেল কৈবেল মখৃৎফানে। কেগে সেললৈঙাইবা খুম্বক তবামঙা, মোইবাং পাইবৈঙাইবা খুনখা তবামঙা খোমজিন পৈসিনপৃংনে। অকাংজম তোলখৈবনা চেঙবৃম মনাওতোল লাংবল অওনলৃককুম্ববু লনসিংপৃংনে। হুযেন লান্নিগীদি চীংসোং নিন্দুম নিন্দাম্বা ফানপৃংনে। হুইযাই মদাইমদি লাইবেল মৈদিংঙু কাইনৌ ইবেংবনা চীংসোং খুনঙমপৃংনে। হুযেন মাযমুবা সললোইবা ফানপৃংনে। হুইযাই মদাইমদি মৈদিংঙু নোইনাই থব্রাম্ভাবনা পানবা সাযাঙ থেক্লপৃংনে। মৈদিংঙু নাউফংবনা হৈনৌলা হৈযাই লানা লৌব্রাই যুপৃংকোই যুনাবেক চিবা মৈসাংবগা থুম্নাও মখৃৎ পুন যেন্নাও মসা থেক্লা পনম লাইইনফম্লে।

লম্লেন ফেনচেংলৈ, চেংলৈ উনুংতা-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। কোবৌ নোংলাংপান্দগী পামেন উযুং চক মযুং নাপাকপনা মালেম লৈদা তাবকএ। মযেকনা নানমএ , মতোন্না লৈপাযএ, হৈবাঙনা পাউসোলএ, মুংবিনা অসৈএ,

---

পুখ্রলবা - ফমথৌ অমা। খামবন - অব্রা লৈবাক। হুযেন - লান। মসানৌ - মনাও ইবেম্মা। ব্রায়বা - তেন। মৈদিংঙু খাগেম্বা - খৃ ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। খোঙলেল - মমিং চৎপা অথোইবা খোং। মোইচেৎ - মোইবুং মচেৎ। চংবি - চংবি লা। মখৃৎফা - মাগী ওইদুনা লৈববা। কেগে - মোইবাং। চেঙবৃম মনাওতোল - চগেম। চীংসোং - মনিপুবগী অব্রাং লমদা লৈবা চীংগী খুল অমা। মৈদিংঙু কাইনৌ ইবেংবা - খৃ ৯৮৪ দগী ১০৭৪ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। পানবা - কৈ। লৌব্রাই যুপৃংকোই যুনাবেক চিবা মৈসাংবা - উচি। থুম্নাও - যেন্নাও। পামেন - উ।

---

১ মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা ঃ

খৃঃ ১৪৩২ দগী ১৪৬৭ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। মৈদিংঙু পুন্সিবনা মৈতৈলৈমা লম্বাস্ পান্নবগা মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা পোকখি। মৈদিংঙুসিনা পানবা মতমদা তুমুব্রাকপগা মীচঙ ওইরগা মোইরাংদা লান্দাদুনা মোইবাং নিংথৌ সনা হোঙববু মায়থিবা পীরগা মোইবাং লোই চনখি।

সুকমুনা ৱাঙ্খোংএ, থবাম্না নোংসাএ। থাঙযি তাউবুং খোংদৌবনা[১] চেন্না চেন্না যেংলমএ। অদুনোংগীবু লম চেংলৈও থোন্নএ। অদুসুং মদোমদে। কোবৌ নোংলাংপানগী পামেল উসুং তাবকএ। অদুনোংগীবু লম্লেন চেংলৈ উনুংতা-ও কৌএ। কেগে মোইবাংচাদি সিদা ফৌ, নোংযাই খুমনচাদি নাদা ফৌ, থাঙযি লৈবোল চন, যামজেং লৈকূপ সীনফম্লে। থৌদু লম্মাক লম্লেফম্লে। মৈদিংঙু সেনবী কবোম্বনা তখেল খুনঙমপলনে। পোলসাবেঙ ফানপলনে। সাযবা পললেনযাযনে।

নাউতাতেক অনৌসোয খুবি নেৎথা তেন্দোং যৈখায কৌবদি কদৌনোংগীনো। লোইবি অতেনসি সিনাইবগা সিন্নৌ লুবেনকিগা অতেন চঙকাইবগা চীংনুং সাবৈ লানা যোম্ববু সেৎনা খাইনা যেন্নবমএ। অদুনোংগীবু খুবি নেৎথা তেন্দোং যৈখাযও কৌএ। মৈদিংঙু পুন্সিবনা পানবা কৈ- মিং থানপৃংনে। লাইবেল মৈদিংঙু নাউফংবা যাইবংচালনে। যাঙলা মঙাইবোয, সৌবোল মফেৎলোযবু থিন্থুযাই, লোইবী চীংজবোয হেম্বা তম্বু কেলনা পঙ্খেংযায, লাইবেল সেনবী খাগেম্বনা মুংযোং মপান ফূক্লা পঙ্খেংযায, থৌমুং মিংনাইবা যাইবু সৌবোল যাইসাফমনে।

লম্লেন মদাইমা অঙৌবা লৌকংতা কংদা সাওককোই, লম্লেন চাউবী চিনাউকোন-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। তম্পা ৱাংঙম্লোন পাঙ্খোইবী মদু হেন্না ৱাংবি, ৱাংঙম্লোন খাবি লেংনাউ মোম্বীনা মসাবি অঙৌবা

কোবৌ নোংলাংপানগী - নোংমদোন অতিযাদগী। পামেল উ। অদুনোংগীবু - অদু নুমিত্তগীবু। লম্লেন - লম। কেগে - মোইবাং। নোংযাই - খুমন। থাঙযি - ফৌ। য়ামজেং - লৈকূপ। থৌদু - নূং। মৈদিংঙু সেনবী কবোম্বা - খৃ ১৫১৪ দগী ১৫৪২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। তখেল - ত্রিপুবা। সায়বা - তিংখং। তেন্দোং - তেঙ্গৈ হাপ্পবা খাউ। লোইবি - চীং। মৈদিংঙু পুন্সিবা - খৃ ১৪০৪ দগী ১৪৩২ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। পানবা - কৈ। লাইবেল - মৈতৈ নিংথৌ। মৈদিংঙু নাউফংবা- খৃ ৪২৮ দগী ৫১৮ ফাওবা পানখিবা নিংথৌ। মঙাইবোয - মাগা লোযনবা মী। লোইবী - চীং। অঙৌবা - অঙোম নিংথৌ। মদু - মবুং, মৌপ্পা। মসাবি - মৱা, মপুবোইবা।

---

১ থাঙয়ি তাউবুং খোংদৌবা ঃ

চেংলৈ নিংথৌ থাঙয়ি খোঙজ্রোম্বনা সোবাবেনগী মচানুপী পেনু লৈমবেল লৌবগা পোকপনি। চেংলৈ নিংথৌ থাঙয়ি তাউবুং খোংদৌবনা লুৱাং য়ুচিং থংঙাবা অমসুং পামং হৈবেম্বী অনীনা পোকপী ইবেম তোইবীলৈমা লৌবগা মচানিপা অহুম পাংথং অহনবা, য়ুনাউবোই যাইমবা অমসুং কামু অতোনবা পোকখি। থাঙয়ি তাউবুং খোংদৌবনা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগীদি লুৱাংঈ তুরেল লৈবনা হিগী লম্বী লৈ, ঐগীসু হিবম ওইনবা খোং অমা তৌগে হায়দুনা খোং অমা তৌখি। তাউবুংখোংদৌবনা তৌরম্বা খোং অদুবু তাউবুংখোং কৌখি।

লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীংসোম্ববু[১] ঈনফুই মাযবং সোন, হংগেল তাইখঙ লাক্লা নোংহান্নবদা কোবৌ চীং অৱাংবনা চুমথবকএ। ৱাংবন অথাপ্পনা ফেন্থবকএ। খোইমোম মাল্লৌ মকানকপু চোৎলে। খোইমোম লাইবেম্মনা যোইমযাই তাউদনবা কোবৌ নোংসামৈ মাংগোল মনুংসাবু লাংজববু কংলম কংদবিঙৈদা মসাবী লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীংসোম্ববু হান্না ৱাযথুংলবে। অদুনোংগীবু লল্লেন চাউবী যোযনাউকোন-ও কৌএ। যারৌ সা তোকপা তোকমু মৈসাংবনা হান্না তমথবকএ। অদুসুং মদোমদে। যাউবৌ সা নিংথৌসুং থৌদু নূংপাক কোইকৱাগী চিবেল তোনপোকপসুং ঈন্থবকএ। অদুনোংগীবু অঙৌবা লৌকংতা কংদা সাওককোই-ও কৌএ। যুমতুবালনে, ৱাউতুবালনে, সমপুমলাননে, ঙাবমলাননে।

পোবোমতা সুবা কৈথেৎ চূংসেনবা হুপলেনতা কংববৌনে। হামুক কৈকাবা কোন্দে লাম্থাবা লৌনে। অঙৌবা নোংনিংথৌনা ললহাং খুনঙমপূংনে। ঈবিললোঙ ফানপূংনে। লিন্দূ লৌকোংপাৎনে। মৈদিংঙু তবুংবনা তাংখুল নূংতেক খুনঙমপূং, উবোংতু লাম্থৌযাঙ ফানপূংনে। লাইবেল সেনবী খাগেম্বনা লল্লেন মদাইমা লিনৱাই খবঙপোক কাক্লেন সিন্নাম সংগোলগী লাইজা ঈথেমখোংনে। লিনৱাই খবঙপোক কাক্লেন সিননাম সংগোলনে। মৈদিংঙু নাউফংবা মদাইবেম অমাই থাঙকোকপনা পনম লাইইনফম্লে। থাঙকোকপা সল্লুযান লৈখাম তবৈ যান যুফা তোংসোয যান, পনম খাগোইযালনে। মৈদিংঙু পুন্সিবনা পানবা কৈযালথেলনে।

